সাহিত্য নৈনরোল



সাহিত্য সেবা সমিতি, ককাচং
মণিপুর

লমাই	পরেং	অশোয়বা	শেমদবা
১২	১	সরস্বতীনু	সরস্বতীবু
২৪	২১	চাউথংপা	চাউথংপা
২০	১১	লাকমিন্নগনি	লাকনিংগনি
২১	৬	মাহক্না	মহাক্না
২৫	১	পাপ্লগা	পাল্ল পাপ্লগা
২৬	৪	গান্দী	পান্বী
২৮	৯	ঈলদাক্লেদি	ঈলবাক্লেদি
,,	১১	থাথরাংনি	থাথামনি
,,	১৫	ঈলবাক্লি	ঈলবাক্লে
,,	১৮	থাদি	থুদি
৩২	২	থংজদে	থংজম্বে
৩৪	১	তুক্রনা	ওইনা
৩৬	১৫	অংমিলাক্‌লদ	অংমিলদম্মুকে
,,	১৯	চেশু	চৈশুবু
৩৭	১	তায়াব	তায়ান
,,	১৪	পাংচোংদ	পাংচোংদ
৪০	৫	লিংলুদঙী	লিংলুদগী
,,	১৫	লবলগী	লালগী
৪২	৫	কনানো	কনাদনো
,,	২৪	লেপাম্ল	লেম্মি
৪৪	১২	মপা-মপু	মপা-মপু
,,	১৮	তাবদা	তারদা
৪৫	২১	শিলক্তা হৌমু-দক্সী	নারুঙ-শিংলক্তা হৌরুবদক্সী
৪৬	২২	ও কওমদহুনা	ভাইওমদহুনা
৪৬	২৬	লোইনহনখিবনি	লোইহনখিবনি
৫০	১৯	পোথখিদবী	পোখাখিদবী


৫০	২৫	নাওকোনবি	নাওকোনবিরি
৫১	১৭	সপাবুং	মপাবুং
,,	৩০	কলেনগী	কালেনগী
,,	২৪	ভযুমদগী	মসূমদগী
৫২	৫	যৌবনগী	যোবনগী
,,	১৪	তোকখিত্রে	তোকখিদে
৫৫	১৫	ফুংশিহৈতরা	মুংশিহৈত্তবা
,,	১৯	গোয়েটৈবু	গোয়েটেবু
৬১	১৯	নপংরি	নপারি
৬২	৫	কৈরোরে	কৈদোরে
,,	৭	তৈভথোকই	তৈথোকই
,,	১১	কেশোরগা	মপক্কী পরেংদা হাপকদবনি
৬৪	৮	ভনব্রে	ওনব্রে
৬৬	৯	কাংব্ররোই	কাংব্র রাই।
৭১	১৬	কংংলুপনা	কাংলুপনা
৭২	১৩	কুল্লধজনা	কুল্লধজদা
,,	,,	কুল্লজনা	কুল্লধজনা
,,	২১	ইমুংহুদা	ইমুংহুনা
৭৩	১১	মাঙ্গী	মাঙ্গনগী
৭৭	১০	খমদোক্লবগা	খুমদোক্লরগা
৭৮	১৫	থিংভদ্রবা	থিংভমদ্রবা
,,	১৭	লোক্কাগী	লোক্কাক্কগী
৮১	২১	মীয়ামদগী	মীয়ামছুগী
৮২	১৩	লেনবসি	লেনবনি
৮৩	১৩	ভনি	ভসি
৮৫	২	মতম্লো	মতম্লো
৮৮	১০	চরাংপত্তগী	চরাংপাত্তগী



৯০	৬	অশেংবমি	অশেংবনি
৯১	১৩	পাবুংগে	পাবুংসে
৯২	৮	মনি	মণি
৯২	৯	জগোল	শজোল
,,	১৫	অমমুং	অমস্থং
৯৩	৬	থদাং	থুদাং
৯৪	২	ঘাক্তনি	গাক্তনি
৯৫	৭	মাইংক	মাইঙক
,,	,,	ষ্লাংজোহ্ন	থাংজোহ্ন
৯৮	২	চাকথম	চাকথুম
,,	৩	থল্লম্বনি	থল্লম্বনি
,,	৫	মৈমিম্নজ্রে	জৌমিন্নদে
,,	৬	মজাংদা	মমাংন্দা
৯৮	১৯	কংনা	কংবা
১০০	১	থুদিংণী	থুদিংগী
,,	২	কয়ি	করি
১০১	৩	অমক্তদা	অমুক্তদা
,,	১১	মবুংদা	মম্নুংন্দা
১০২	১৩	চয়োই	চয়ো
,,	২১	থাক্ল	থাক্ল
১০৪	১৮	অঙাংসি	অঙাংশিং
১০৬	১৮	হায়না	হায়বা
১০৭	২১	থোম্নাম্নি	থোবাম্নি
১০৮	২	হল্লক্লথোকে	হল্লকথোকো
,,	১৫	ইয়োম্নুংদা	লৈয়োম্নুংদা
১০০	৪	থমবা	থনবা

—

নুপীনা মউংনি
নুপানা শামুনি



অইবা ঃ —
থৌনাওজম ঈবোপিশক মৈতৈ
থৌবাল, ৱাংখেম

অহানবা শরুক

নোংঙাল্লবদাইগী লিরি হুম্বা মালংনা মুংশিবা হৈনম লৈনম পুত্থনা শিংলক্লে। তাইবং কনানা শকউত্রবা জগৎ শেম্বীবা মপুগী মুংশি পাউজেল ফংবদা পোম্বী চেক্লা য়াকায়রক্লে। তাইবং মপুগী মুংশি কোলোই শেমরক্লে। অরুংবা চৈংদোন অমদি তমগী য়েনকোন খুদিংদগী য়েন-বাবাবন্সু অরুম্বক শুবা পাউজেল এইনা মপুগী কোলোইবু খোন্থাং য়ৈনা, লৈকাই লম্না শিশক্লরক্লে। মতম অসিদা জীবনগী মমাস্থু হৌগৎতুনা ইমুং মনুংগী শিন্থা পাইবা হৌরে। ইমুং মনুংগী বাই-রম কোল-লিক শেংবা লোইরফাওবদা মচানুপী জীবন ফমুংদগী হৌগৎলক্লে। মমানা মচাবু হৌদোক্লে।

— জীবন জীবন নোংঙাল্লে হৌগৎলো।

— হোই ইমা হৌগৎলগে।

— হোই নত্তে কোক হেক্তা হৌগৎলকউ। নংগী মেট্রিক পরিক্ষাসু কুইরক্লে। হৌজিক পাহৌদ্রবদি হয়েং পরিক্ষাদা করি ইরদৌরিনো?

জীবন মকোক হেংৎল হোৎলদুনা হৌগৎলকই।

— ওসিথক্কুং থর থেংবসিদা পঙাংদা ঙাংই। করিনো থংদে।

— হেবিং ইক্ত সেকেণ্ড নেচর; হৈনবী হায়রসি অনিশুবা প্রকৃতিনি। ফত্তবা হৈনবীনা মরা তাশিনগ্রবদি চুমথোকপা রাবনি হায়খিবা ময়াম-তুবু কাউরব্রো! চৎলো, চৎলো, নমাই ননিং শেংদোক্লগা পাবা পাবা হৌরো। ইমা শঙ্গোম শুম্লগা লোনবীরক্লগে।

— হোই ইমা।

ইমুং মমুংগী থবক শুনা শুনা মচানা করি তৌরি, করি খল্লি, করি চারি, কুপ্না য়েংশিনবা জীবনগী মমানি। মচানা থজিক লানবগীদমক তাথি তাওইনা ফু-চৈদ্রুনা তৌবা মমাস্ত ওইদে। মচাবু লুনা তৌরিবনি হায়দুনা মচাবু পুমথা থাদোকপস্ত তৌদে। মনঙন্দা চৈ থাদুনা অরাম্বা চুমথোকপবুদি মচাগী অরানবা বাখল চুমথোকপনা তুং কোইবা চেল্লি খঙবী জীবনগী মমানি। মমাগী চৈ-রিংবা, অচুম্বা নিতি নিয়ম বাংমা লাম্না অরানবা থবক তৌবা যাম্না কিক্কবী জীবম্নি। B.A. পাস তৌরবী অস্লুক মতিক মগুন লৈবী মমান, সরকারগী কলব চাবা থবক তৌরম-ত্রিবসি করি মরমগীনো? জীবন ফম্না ফম্না মখল্লতা বাখল তৌরি। মতম অসিদা থোংনাও মপাদগী লোন্না —

— জীবন জীবন নংবু লৈব্রো?

— চৈ কমল্দা ঐ সিদা লৈয়ে, চংলক ও!

কমলা কাদা চংলকই।

— ওরাং লাক্কনি হায়রগা লাক্ক্রবদি কৈদৌরে?

—ইমানা মুমিৎ তারে হায়দুনা চৎহন্দ্রবনি। মনিরাম্ব, লাক্ক্রব্র?

— অং লাক্লমই। ক্ষনা কুইনা ঙাইরমই।

— করি হায়রমই?

— করিস্ত হায়রমদে, চিঠী অসি পিরম্লগা চৎপ্রে।

সে পাজহোরো চৎলগে।

— ঙাইথোও ইমানা শঙ্গোম লোল্লি। শঙ্গোম থকথিসি।

— শঙ্গোমকা থক্লরোই ইমা উক্রিভৈদা চৎচহোরগে।

জীবন্দা নত্তে জীবনগী মমান্নবী পুম্নমকস্ত জীবনগী মমাবু মখোয় মখোয়গী মমাদগী হেন্ন মুংশিজৈ, ইকাই হঙ্গোইজৈ। মরম অসিনা মশানা তৌব্রিবা থবক অদুনা মরম ওইদুনা কমলানা জীবন মমাগী মাংদা লেপ্পা কিজৈ। কমলা চৎপ্রবা মতুংদা জীবন্না চিঠী হায়দোক্লবদা

জীবন নংগী নক্কমদা থংহনখিবনি মতুদি :— মীনা মুংশিবাস হুনি, মিৎ তাংবনি হায়বসি ঐ য়ানিংদে। মমমদি নংবু মুংশিরুবগী

রাথমা সমাজগী চৎনবীবু কুপশিনবা ঙমদে । নংগী মুংশি মৈরিনা ঐঙোন্দা ফাওহল্লিবা হায়ববু নং ঐ ঙাংন-শরুখিবা রাহৈ রাতাবু নিং-শিংহনবা অসিথক্তুনি । মরম অসিনা মুংশিবা হায়বশি হু নত্তে, মিৎ তাংবা নত্তে, নিংশিংবনি । নং-ঐগী মুংশি রারিহু অমুক হন্না নিং-শিংনরগুমসি। মরমদি ঃ— বামোন নিঙোল জগোই শাবী নংবু পুন্সিগী লোইনবী অমা ওইনা মৈতৈ সমাজগী মমুংদা পুশিল্লগা মরিং মরাংবগুম্না হিংবা পামজগ্রে । বিদায় পুন্সিগী বিদায় ! বামোন নিঙোল জগোই শাবী বিদায় ।

নহাক্কী
মনিরাম খুমন
তাং/১৪/৭/১৯৮৮

চিঠীগী রারোল পারুবদা জীবন খংহৌদনা মকোক্তা ব্রজন থাবগা চপ মান্নগ্রে । মশানা মশাবু কা মমুংগী চৌকিদা ফল্লি হায়বা কাওগ্রে । কা মমুংগী ফক্লাং মরি উথিদ্রে । পাক চাউরবা মৈতৈ সমাজবু উরক্লে । মৈতৈ সমাজগী লৈশাবী লেংমান্নবী কয়ানা পুল্লপ পুল্লপ মনিংতম্না চৎপা, নোক-খেবা হরাও তয়াহ্না কয়া মথং মথং মমিক্তা উরক্লে । নাইতোম তাহনবীরন্দা নিংশিংলকই । হরাউ কুম্মৈ চৎ-মিন্নবদা হৌবীরমদবা মাতনা মখোয়বু তিল্লবা ফংনবা হোৎনজবা পুম্নমক মমিক্তা মথং মথং উরকই । মমাল্লবী ময়াম্না থওইবীব্রবমু মনিরাম্না মাবু মুংশিবীরি, পান্নীরি, মৈতৈ সমাজদা পুশিনবীদৌরি হায়বগী অশাদা হরাউ তয়াংজরম্বী জীবন্নি । অতুবু ঙসিদি মনিরাম্মু বিদায় পিরক্লে ।

পুন্সিগী অহানবা থেংনকুবা যৌবনগী মুংশি ঈপাক্তা খংহৌদনা মুংশি নৌরেল তেকখ্রে । কল্ল কল্লবা নোংলৈ কয়ানা ঈথক ঈপোমগা হুমজিল্লকুনা জীবম্না তোংলিবা মুংশি হিরেল ইঙাও ঙাওগ্রে । নোংলৈ মুংশিৎ মরক্তা মুংশি ঈপাক মাঙৈকৈ লেপ্পা ঙমশিদ্রে । ইন্নাকুবা

হৌরক্লবী জীবন্না চিঠীচুদা মমিৎ কুপ্পনা য়েংলগা, অশাবা মুত্তিগুম লৈরে। মমানা শঙ্গোম পুহনা চংলকপা মহাক থংখিরে। মমানা মচাগী মতৌ উংদা লেপ্পকক তৌরগা মুন্না য়েংই। মথুঙ্গা পাই-রিবা চিঠিচু পাখোকই। চিঠিগী মরোল থংলবদা মমা জ্ঞান তারে। য়াম্না ইং তপ্পা "জীবন নংনা পারিবতু করি পারনো ?" মমাগী খোঞ্জেল তাবদা তনৌ তনৌরগী জীবনগী মমাই তপা তপা কৈশিল্লরগা মমাগী মাইথোংদা য়েংজে। মতম কুইনা থিংগত্তুনা থম্মুবা ঈচেন্না লৌ-খোংগী অ.হ'বা অমত্তং ফংজবদা জর জর চেন্থরকপ্পগুম জীবনগী মিৎলু নাপোম অনিদগী পিরাং অতং অথম লৈতনা শিন্থরক্লে। জীবনগী মতৌ উবদা হৈ-শিংবী মমানা শঙ্গোম গ্লাস অনিচু টেবলদা থম্লগা চৌত্রি তমদা ফমথৈ।

— নংনা কপ্লিবতু করিগীনো ?

— ইমা পাক চাউরবা মৈতৈ সমজগী ঈচেন্দা তু ডাইনা চাক্তাদ-রকপী ইমানা মতৌ করম্না পাবুংগা লেমিন্নরম্লিবনো ? পনোম কয়ানা খাজিন্দুনা থম্বীরবা বামোন সমাজ আসদা নচাবু পেকপিরিবা করিগীনো ? করগীদমক্তা নচাবু জগোই তমহনবীরম্লিবনো ?

— ইমাস্থু মৌ ওইনা পোক্লকপা নত্তে। গুম্লবক উনা থংলে। ইনা শাউদে। শঙ্গোম অসি তমুত্তা থকখিসি পাইমুসে।

কিবদগী থম্মোই মুংগী মৈচাক কয়াহুনা মমাদা রাহং ওইনা থংহাই হায়দোকখিবনি ; অদুবু মমাগী মতৌদা জীবন ইভক ভরা য়েংলি।



মৈতৈগী লাইনিং

মৈতৈ লাইনিং লাংশান্দি থওইনা ধর্মগী ওইবা লাইরিক লাইশু তম্মুবা নত্তে। মশা মশানা নোংম-নোংমগী হিংলিবা পুন্সিগী থৌদোক বাথোক্তা শাগোনহুনা অতুম লৈজবনি। অডাং ওইরিভৈদগী হৌনা মপা মপুগী চমচৎ শাজৎ কয়ানা লু-তোংদ ধর্মগী ঈরোল ওইনা

চেনখ্রবনি। ঈশ্বরগী মফমদা পুন্সিবু কখোকচবগী হৈনবী অসিনা মৈতৈবু অতোপ্পা। কাংবুনা মীনুংশি চাওবা কাংবুনি হায়না থাগৎলগা মবুক্লিংদদি মীপাংদা কাংবুনি হায়না উশিল্লে। কখোকপগী হৈনবী অসি লন-থুম চেকশিনবা হিসাব কুপ্পবা থুপাল মথোং খংদবা ল্লাতিগুম অতোপ্পা কাংবুনা উরি। কখোকপগী হৈনবী অসিনা কনাগীম্ভু মরল তোনশিন্দে, কনাগী মথা পোল্লে খন্দুনা নিং-ভম্না মশা মশাগী মথৌ পাংথোক্লিম। মৈতৈ মচাশিংবু লিংজেল মান্নদবা কাংলুপনি খল্লি। কাংলুপ কাংলুপ যেংশিনব খংন-হৈনবা থোক্লকপা মতমদা অতোপ্পা কাংলুপ অমত্তুমা উশিল্লে। নাইতোম নাইতোম মায়োক্লবা মকমদাদ মৈতৈ মচাশিংবু যাম্না কি। মসিগী মরমদি :— মৈতৈ মচাগী থম্মোইদা অচুম-অঅরানগী খাখল য়াম্না খল্লি। অঅরানবা হাফমগীদমক মপা-মচা, মচিন-মনাও চদি মাগী কাংলুপকী মীচংদা লেপ্পদে। পুম্নমক অসি অতোপ্পা কাংলুপনা খংদবদগী লাল্লা খঙবা ভাক্লনি।

চহি অমগী মনুংদা থোকপা লাইগী থুইবা মুমিৎ থুদিংদা য়ুমথোং য়ুমথোংগী থুইনা ঈশ্বরগী মফমদা শুমক-ভমজবা হৈ-হৈ কৎপা সিথা পিনবা, সনামহি-হৈয়েন খুকমজবা মৈতৈ ফুরুপকী চৎনবীনি। মুমিদাং-বাইরম থুদিংগী সনামহি-হৈয়েন্দা, থোংজিন মপান্দা, তুল্লশিবোংদা, ফুঙ্গা লাইরুদা লপ থাওঈম কৎপা মৈতৈ অভাংশিংগী হৈননি। অভাং থুইরিহৈদগী হোৌনা লু-তেংদা চেনখ্রবা হৈনবী মপুং মচ্চৈ কারক্লফাওবদা কাওবা লৈতে। ঈশ্বরগী মফমদা থমংথা হৈনবী অসিনা অহল লম্মগী মফমদা বাবচার কাইনদে। য়ুম য়ুমগী সনামহি-হৈয়েনগী হৈকৎ-হৈকৎ লোইরবা মতুংদা বামোন লাইশংশিংদা সিথা পিনবস্থ চৎনরমই। পাক চাউরবা শেজেংগী পুথম মচু তানা লংনা লংনা ফেংদোকচরগা সিথা শেম্বদা অথোই অহেন তাম্নরমই। নিংথিনা শেম শারবা সিথা পুহুনা বামোনগী লাইশংদা চৎপসি চাকচামাংদা চৎনৈ।

হৈত্তোন সিজনা অচৌবা শেঙ্গেং পুখম অমা লুনা নাল্লা ফেং-দোক্লগা সিধা শেমই। পুখম অহ্ থনকোক তৌনা ফৌবলগী ফজনা চোইথোক্লবা শুন্দল চেং মচং হৈঙ্গিল্লি। চেংগী মথক্তা য়েংলোগী অচাথাও উত্তোং থিনজিল্লি। লফোই লফং ফজবা লোংনা থিনজিল্লি। কোবি ফুল, ক্বা, মনা হবাই থবাক, অলু, হাপচিল্লি। মৈতৈ থুম, খরি মপাক হাপচিল্লি। লা লাত্তোন ফজবা অমনা কুপশিল্লি। অচৌবা মচা অমনা হৈজা শাবীরগা মশুগী মকোক্তা হাপকৎলি। মশু রিতাসনাবু মচে ইবেগা সিধা পিল্লুনবা থৌদাবিরে।

হৈত্তোন সগোলসেন নিঙ্কোল্লি। নরসিং শাগৈদা ওই হায়রগীদনক মহাকপু হৈত্তোন সিজ হায়না নিংগোটৈ। রিতাসনাবু পে কপী মনা রাধেসনাগী মমানি। থৌবাল অচৌবগী উমংলাইগী মনিংথংবা ইংখোন্দা লৈবনি। মচানুপী রাধেসনা মচানুপা অমা ফংহুনা লৈনিং কুমলি। মচানুপীগী থবক নোঙ্খীনবা লৈবনি। রাংথেমদা হৈরকপা গা চরোম ফারক্লে।

ঙসি চহিগী হৈরাওবা থুমিংনি। সিধা খিনবগী মতম অসি অনক হায়নরুত্রবস্থু মীয়াম পুম্নমক মতম অমত্তুদা অহুম থোক্লরকই। য়ুম য়ুমদগী থোক্লরকপা ময়াম অহু পেংন থেংনবা খোংবু অহুম লইমিল্লগি। খোংবু শেম্বা হায়বসিমক্তবু চহি লোংগা মাম্নবা অহুম লইমিম্নগি। তাইস্ং মীদা নত্তে অতৈ শাস্থু অহুমদাই। যনস্থু শল্লুপ শজিক চানিল্লর মতমদা মন্নাউগা মন্নাউগা হেক্তা শাম্নমিন্নৈ। সিধা খিনবা লাক্লিবী ময়ামহু মৌগা-মৌগা, লৈশাবীগা-লৈশাবীগা, অভাংগা অভাংগা খোংবু হেক্তা ওইমিম্নখি। লম্নী চৎমিন্নবদা চহি মত্তাং মত্তাংগা চানবা বরি কয়া হৌদোক্লহুনা বা বা নোকমিন্নৈ। মৌ কাংবু মাগী মাগী ঈমুং মম্নুংগী বা হৌদোক্লহুনা বা বা নোকমিন্নৈ। লৈশাবী কাংবু মুংভাইরবা মংলানগী বারি কয়া হৌদোক্লহুনা মুংভাইনা চৎমিন্নি। অভা কাংবু লৌথুপ লোকোই লৈনদে। মমান মমাম্নবগী অশাওবী বারৈ

হায়তুনা ফাগি তৌনৈ। খর হেন্না শাউনবা য়াওবক্লবদি মকোক মকোক্কগী সিধা লৈপাক্তা থম্নরগা মথুং পেন্না ফুনথোকই। অহনশিংনা খামদোকপগা মাগী মাগী পুথম পাইনরগা অমুক হেক্তা চৎমিন্নৈ। থো লৈতবা মুপা কাংবুদি থোওইনা লম্বীগী চিদাইদা ফমগা সিধা শিনবা লাকপী ময়ামতু য়েংনরিবনি। সিধা খিনবদা অকক্লবা লাই-শং লৈতে। মানা মানা চৎনিংবদা চৎনৈ।

অরাং বামোনগী য়ুম কৈ, মান্দোপ য়েংবদা অদকপগী মশক্তি। ভসি সিধা খিনবা মুমিংনি হায়তুনা অজ্ঞাহন ব্রজকেশোরনা মচা মমৌ-শিংদা থোদাতুনা অতৈ মুমিৎগী খর হেন্না তকতনাল্লা থমহল্লি। অজ্ঞাহন ব্রজকেশোরগী থোঙ্গাল অঠ কাইনা গোবিন্দ যৌনা চৎথিবা শোরোক্তগী অরাংপাংনা চংশিনকনি। ব্রজকেশোর কোম্মংগী লাইপান্নবস্তু ওইরি। লৈবাক্তা শকথং মাইশংবীবা বামোন্নি। কাইনা গোবিন্দ পান্নবস্তু মহাক্না ওইরি। শক্তা শুনগা মাগ্নবা মীয়াম্না শিংথানবা বামোন্নি। মহাক্কী মনাক্তা মুপী অঙাংশিংনা চংবসি যান্না। টকাই হঙ্গোইনা কিনা থোকই। অতৈ মতনদা মনাক নকপা কিক্কবী মৌ, লৈশাবী, অঙাং কয়ানা সিধা থিনবগী মিংদা মনাক নকপা মশক মতৌ মুন্না য়েংজবা য়ান্না পামজে। মাগী বাঙাং অমত্তুং তাবা ফংজবদা ঈশ্বরগী থৌজাল ফংলবগুম হৱাওনৈ!

মতিক মগুন লৈবা মীশিংগী মনাক্তা মখাথাবা মীওই কয়ানা মনাক নক্তি নক্লিং চংবদি ভমজদা মদোম থম্মোই থিংচবা মীওইবগী হৌনশানি। অতুগা খুদোংচাবা মুনিক্তা ভহাক্তং লেপ্পা ফংজবৌরবদি ঈশ্বরগী খুয়া থম্নাল ফংবগুম মুংভাইজবা মীওইবনী থম্মোইনি। লৈবাক্তা ভাংনবা অজ্ঞাহন ব্রজকেশোর শর্ম্মগী মতিক মগুন অসিনা সিধা খিনবা মুমিত্তদি, য়োৎচাবীনা য়োৎকুপ চিংশিনবগুম মৌ, লৈশাবী অঙাং কয়া চিংশিল্লি। সিধা থিনবা লাকপা মীগী মশিংথংদে। মরম অসিদগী

ব্রজকেশোরনা রিতাসনাগী মপাবুং কুল্লধজবু মাগী মতেং হেক হেক পাংহল্লি। ঙসিসু অজ্ঞাহন ব্রজকেশোরনা লাইমুংদা পুশিন্দুনা লাইদা কংলুরগা পুথোক্লকপা সিধাহু, মান্দোপ তাম্না পুথোকপগী থোদাং য়ারি।

ঙঝা কুম্রপজনা পুথোক্লকপা সিধা ময়াম অহু থোৗরাল্লি চ'ঙবী ঃদি মনৌ অনিনা মথং মপং পুখম শংদোকপা হোৎনরি। চেঃনা চেংগী মপৈদ', থাঙনা থাঙগী পাত্রদা, কোবিনা কোবিগী ম'পেদা, তোঙান খাইদোক্লকপদা চেং-হবাই, কোবি, অলুগী মপৈ ম'পেনা চাউথ্রবা মান্দোপ অহু চীংগী চীং ঙাক্না ঙাইথ্রে। পুখম শংদোকপা মতমদা মানা মান' পুরকপা পো'ৎশিংহুদগী লম্বীদা চাবা যাবা চুলফোইনচিংবা খর খর অমুক হন্না হাপ্পীরকই। খর য়াম্না হাপ্পীরকপা পুখমগী মপুহুন। মাবু ঈশ্বরনা হেক্না থৌজানবিরবগুম মাইথোং মকা লামজে। শংদোক্লবা পুখমশিংহু মপু মপুনা পুহুনা চৎনখি। ল'কপদা ঙাইনরপ্না মকপ মপাং ময়ামহু হনবা মতমদদি মানা মান' থোকপা চৎনখি। হান্না মঙা তরারক সিধা থিল্লক্লবা কাংবুনা হান্না চৎনবা মাগী পুখম অহু লাইগী থোংজিন মপান্দা নক্ল নক্ল থম্নহৌই। হায়ঙম তৌঙমদবী ইকাই থিবী কয়াদি অজ্ঞাহনগী মনা'ক নকাশনবা কিজবদগী থাপ্লপ থমজে। মাগী সিন'ত অজ্ঞাহনগী মখুৎনা শোকপিবা ঙাইনবদা মমাই মনিং হুমাংনা মতুম মতুম সিন্ননবা কয়ানি। ল'কমিন্নবা মমাম্নবীশিংনা চৎখিবা অহু উরগা চত্তি চংনিং চৎপদি য়াদ' মনিস্তা ইন্না চেননবসু কয়ানি।

সিধা থিনবা ল'ক্লিবী ময়ামহু চ'ক্ল-চাক লাম্বনে বানা থাংনরি। অহুবু রিতাসনাদি বাবিদে। বামোন মচাসিংহুগা য়েন্নথাদা খুংলোকপী শান্নরি। অজ্ঞাহন ব্রজকেশোরগী মচাহুপা অতোম্বা নন্দলালসু য়াঙরি। নন্দালাম্না রিতাসানাদগী চহি অনিরোমতমক হল্লি। উরৈরোম, শংবা খুদৈ মচা অমনা মবুক কংখংপমখৈ কন্না লাকশিন্দুনা

শেৎচিল্লি। মমাইদা চন্দল্লা পাকথোক পাল্লা থিল্লি। মতুক্তা উরিক -লুগুন চাউ:থাক চাউনা শিজিল্লি। মখোয় অছুম-মরি সুংজাইনা খুৎ-লোকপী শান্নরিবদা রিতাসনাগী মপাবুংনা মাঙোপ য়চি অমদনী —
—রিতাসনা মী লোইনা চৎনৱে চৎলসি লাকওদনা।
—হোই চৎলসি।

রিতাসনানা কুক হৌগত্ত্বনা চেনথিবছু মপম্বোগী মচান্নুপী ইবে তিংঙক মাইঙক য়েংছুনা লৈগৌই। রিতাসনানা মখোয় অনিগী পুথমছু প্রক্তুনা ইচে চৎলসি হায়রগা চৎমিন্নথি। অতাং অনিনা মাং থাহল্লগা ওঝা কুল্লধজ থোঙাল্লোমদা থোক্লকই। মখোয়গী মতুংদা নন্দলাল্লা।
—রিতা / রিতা।

নন্দলালগী থোঞ্জেল তাবদা মখোয় অছুম্মক চপ লেপ্লগা তুং হন্না য়েংলকই। নন্দলাল্লা প্রপ প্রপ চেনশিল্লক্লগা রিতাসনাগী পুথমদা জকোই মরি-মতা পুল্লপ হাপচিল্লগা —
—সিধা খিনবা থুদিংগী ঐথোয়দা লাকউকো ?
—কোয় লাক্কে, ফুদি ফু'বগুকো।
—শক খংনব্রিবদা গোবর্দ্ধন পুজাগী লৈতাল্লা শাবা শল নেৎথাইথনী ফুবনি। হৌজিক্তি শক খংনরবনিনা ফুয়রোই।

অতাং অনিগী চন্নবা থম্মোই অনিছু উবদে কুল্লধজনী থম্মোইদা লুংশি ইকুৎ ফাওরকই। নন্দলালবু য়েংলগা —
—নন্দলাল নং পাবুংদা পাও হায়রম্নগে ; ঐথোয়দা চাক চাক্লসিদনা ?
—য়াই চাক্লসি।

কুল্লধজনা থৌরাম্নি থৌরাম্নি হায়না কৌবদা থৌরাম্নি চাওবীনা কক্লিগীনো হংলকই। ওঝা কুল্লধজনা —
—নন্দলালসে ঐথোয়দা পুথগে ; লুংথিল চাক তোক্লগা চীং কাবা ওইনা লাকমিন্নগে।
—হোই হোই ওঝা।

পাও হায়রল্লগা অহুম লাকমিল্লবদা ইবেনা রিতাসনাগী পুথমদ মুনা মুনা য়েংই অঙাংগী পুকনিং থংলবা ওঝা কুল্লধজনা —

—রিতাসনা, নঙ্গলাম্না পুরকপা লফোইছু নখোয় অহুম য়েন্নহুনা চামিন্নরোদনা ।

রিতাসনানা ইবেদা য়েংলগা —

—চারসিন্না ইচে ?

—চারসি ।

লম্বী চৎনা চৎনা রিতাসনানা লফোই অমমম য়েল্লগা চামিন্নে ৷ পুথমদা য়া ওরম্বা অচাপোৎ ময়ামহু য়েন্নহুনা চাবা লোইপ্রে । থোক্লাম্নিনা পিরকপা ময়োমহুদগী লফোই অমমমগা পিহুনা চামিন্নহল্লি ।

—*—

রিতাসনানা শিন্দম্বা

হৈতোন সিজা মচানুপী রাধেসনাগী য়ুমদা থা অনি রোম লৈরল্লগা শজিবুগী থাশি নুমিত্তা ময়ুমদা অমুক হল্লকই । মহাক্না লাকপদা রিতাসনাবু পুরকই । থাইনগী অহনাশিংদি লাইরিক ময়েক খংত্রবস্ব মবুধি য়াম্না কৈ । শাংল-শাংলবা রারি চিনফা পুবা ঙমই । পিক্লিবা মচা-মগুশিংদা নুংঙাই নুংঙাইরবা, কান্নরবা রারি কয়া লিবিহুনা পাউত্ত ক শিবা য়াম্না হৈ । হৈতোন সিজস্থ মথল মথলগী রারি লিবা হৈ । লৈকাইগী মীপুম থুদিংনা মাবু থাগৎলৈ । নিংথৌ শাগৈগী ইমুংদগা লৈবনিনা লোউ-শিংউবগী থবক্তা অহুক হাক্না মখৌ চিন্দে । মহাক্কী মরুওইবা মখৌদি নুপামচা নুপীমচা ময়াম খোমজিল্লগা মাগী শঙ্গোইদা পুং, ঈশৈ, জগোই তমহনবা অসিনি । অঙাংশিংবু কোনুংদা, বামোন মান্দোপ্তা অমদি উমং লাই হরাউবুংদা পুবিরগা মীমাং থোকপা তমহনবা অসিনি । রিতাসনাগী মমা রাধেসনাস্থ ময়ুম পান্ত্রিঙৈদা জগোই ঈশৈ-গীদমক মীয়াম্না থাগৎনখিবনি । শাত্রী ওইরবা মতমদস্থ স্কুলদগী জগোই ঈশৈগী মনা য়াম্না লৌখি । রিতাসনা লাকপা কুইন্ত্রিঙৈ

মমান্নবী মন্নামগা শকথংনব্রিদৈ ইকাই হায়হনা য়াও হান্নবা য়ান্নমদে।
মাগী মতৌত্থু উবদা মবোকসিনা —

— হৈ অচাওবী, নংবু য়াওশিল্লুনে। অচাং ওইন্নিদেদা তমচৌব, নহৈ নশিং কয়ানা তুংগী পুল্লিদা অশেংবা নরল ওইরকদোরিবনি। জগোই ঈশৈ হৈবা হায়বসি নমান্নবা মীরক তিল্লকপা মতমদা নংবু হান্না শক থংবীগদবনি। চৎলু চৎলুবা মক্কমদা নংগী ফমফম অদুম ফংলগদবনি।

মশুবু পুক্লিং থৌগৎপীরগা জগোই ঈশৈ তম্বা য়াওহল্লি। মমা পোকম্নুংদগী লোইনরকপা মশুন লোৎপা য়াদে। থক্তিক্রুং লমজ্রিং পিবদা লেংমান্নবা ময়ামদগী মীথোই মীচেনবা অরুবা শিন্থা নচে। রিতাসনাগী জগোই থৌংলেক, তান, মমান্নবী মন্নাম্না কল্লক্লে। থর থর চাউথংলকপগা লোইননা নোঙ্গাংখোং প্রাইমারিদা লাইরিক তম্বন্থ চৌইল্লে।

ফাইরেল * পঞ্চমী

নোংমা নোংমা ক্লৌখিবনা রিতাসনা লৈশাবী পুংকক ফারক্লে। Chaoyaima Higher Secondary School দা ক্লাস নাইন কাঞ্জে। ফাইরেন থা, চহি অমগী মনুংদা তাংনা ফংজবা বসন্ত ঋতু চৌবা থানি। হৈপাল লৈপাল পুম্নমক চরাউ মীনোক তমহনবা থানি। হৈপাল লৈপাল পুমম্নক চরাউ মীনোক তমহনবা থানি। মশা মশাগী ম্নুংশিবা হৈনম লৈনম থ'দোক্তুনা তাইবং পুক্লিং ইনৌতা নৌহনবা থানি। নহা অহল থাইদনা অউ অউবা পোৎ পুম্নমকপু ইফদ ফজহনবা, ইম্নুংদ ম্নুংশিহনবা থানি। মাই পাক্লবা মথংগী ক্লাস্তা ফমফম ফংলবা শাত্র-শাত্রী অপিকপদগীনা যৌবনগী থোঙ্গাল ময়াদা লেপ্লবী শাত্র-শাত্রী পুম্নমকপু অমুক্তা চেন্না হর'উ মথোই কাহনবা থানি। ঙসি ফাইরেন পঞ্চমী (মচানি পানবা) ম্নুনিংনি। শাত্র শত্রী

পুম্নমক্না মহৈশী লাইরেম্বী সরস্বতীবু পুজা কচ্চবা মুমিংনি। মথং চহিগীদমক বর নিজবা মুমিংনি।

অহিংগী অমম্বনা মাইথিরে হায়হুনা মমাই নোংচুপ ওন্দুনা চেল্লকপা অঙানবনা অমমম্ববু ক্লাগদোৱগী কন্না তানশিল্লকপা পুংকম্নি। অমম-অঙান অনিবু পুন্না উবা কংজবদা হৈরাং লৈরাং কয়ানা লৈজবা হৈনম লৈনম কচ্চত্থনা অনিমকপু পুন্না থুক্রমজরক্লে। পোম্বী-চেক্লা, হৈপাল লৈপ্পাল কয়ানা হরাউ মীনোক তমজবত্থ চীংথৈ লাইরেম্বীনা ভাংঙানবা কিজোল শেত্তুনা নোংপোক চীংদোন্দগী হরাউনা য়েংজরি। রিক্তাসন স্ত পুক্লিং মকা লাম্না ময়াম পুম্নমকপু য়েংজরি। চেংহি মনম মুংশিবা পুহুনা থোৱাল তুরেন্দা চেংাহ শন্বাল লাংবা লোইশিনরক্লে। মমান্নবী ময়াম লাক্লি হৈন্দা কে-মোৰা লোহাশন্নবা হোৎনরি। মশুনা কে-মৌরিংহু অরাৎপা য়েংনা য়েংনা হৈত্তোনসিজনা —

—নখোয় নহারোলগী হৌনবী লাইরিক ময়েক থর থংলগা রাথল থম্বদি তৌদনা অহল লম্মনগী রা তিনখেৎ-লাইখেৎ তৌবহু ইবোকসি য়াদেকো। লাইরিক তম্নবনি হায়হুনা মহৈগী লাইরেম্বীতবু লুনা থনগদবা নত্তে। লাইরেম্বী অহুম্মকপু চপ মান্ননা থম্মোইমুংদ পুজা তৌগদবনি।

—লাইরেম্বী অনিহুনা কনা কনানো ?

— তুর্গা অমম্মুং লক্ষ্মীনি।

—তুর্গাদি শা-লালগী লংইরেম্বীনি হায়হুনা সিফাই কাংবুনা পুজা তৌ-রিসিদি ? শা-লান্দবু মুপী ঐখোয়না কৈদোক্লদোরিনো ?

——নোংঅ-নিনিগী পুজা অহুদি মীয়ামগী কুম্মৈনি। লৈবাকী লাম্মীনা মায়োক্লরিবা লাল অসিদি অরাইবনি ; মতম থরদগীনি। লুরিবদি মমা ময়াম্মা মায়োক্লরিবা লাল অসিনি। ওসিগী সংসারদা হিংলিবা জীব প্রানবা পুম্নমক অসি মমা ওইবীশিংগী মিৎয়েং মথাদা চাউরক-খিবা ভাক্লনি। মমাগী মুংশি মিৎয়েং কংজখিক্রবা মচাদি কোংজেং কোকফাই মচাদনি। মত্তিকচাবী মমা অমা ওইবদা য়াম্না লাই, য়াম্না লুই।

—করিনো ইখোকসি ? য়াম্না লাই য়াম্না লুই হায়না অনিমক হায়রিবা অত্তুবো ?

—মমা ওইবী অত্তুনা মখোইবু নিয়ম চুম্না পাংপে ক্লবদি য়াম্না লাইবা খোদাংনি। ব্রখল খজিক্তং লানখিবদা অরুবা খোদাং হেক্তা ওইরকই।

—খোদাংতুবু করি করিনো ?

—সুপা খুদিংমক লাইরেম্বী অহুমগী শুন চেনগদবনি।

—কদাইদগী বানোর্দা ইবোকসি ? লাইরেম্বী অমকী শুনসকম্ব ফংবা ঙমদ্রিবা তাইবং মীওইপোক ঐখোয়নি। মতৌ করম্না লাইরেম্বী অহুমগী শুন চেনবা ঙমগদৌরিবনো ?

—পিক্লবা পোদোনতুগী মঙালম্ব মৈগী মঙানি। সুমিৎকী মঙানম্ব মৈগী মঙানি। সুনিংকুম ঙান্দে হায়তুনা পোদোন্দু শিজিন্নরবদি পিক্লবা নংগী কাতু করি শুগনি ?

—অত্তবুদি ঐস্ন খংইনা, কাত্ত মমগনি।

—অত্তানি, নশাদা লৈজরিবা শক্তি খরত্তুদংক নিয়ম চুম্না শিজিন্নগদবনি। অচৌবা অহেনবা শক্তি ফংদ্রে হায়তুনা নশাদা য়াওজরিবা শক্তি খরত্ত অরেপ্পদা মাংহনগদবা নত্তে। নচাবু অফবা, মক্তিক মঙল লৈবা মী অম ওইহনবা হায়বসি মমা ওইবগী মরু ওইবা পোদাংনি। মরম অসিনা পিবুক্কুংদা লৈরিবা অঙাং অত্তগী রগন্দা ভুরু ভরুবা মমি তাহন্নবা হোৎনগদবনি। হুরানপোৎ চারোইদবনি। হুরানপোৎ অত্তুনা ঈ ওইনা চেনগা অঙাংতুগী রাংন্দা হুরানবগী মমি ভরগনি হায়বসি কাওরোইদবনি। অতোপ্পা মীবু খোমইনবা ওইহল্লোইদবনি। তাইবং মী ঐখোয়দি লাইরতুনা ওনবদা ঙাইরিবা য়েন্নাওফাওবা সুমিৎ নিনি-হুমনি করিম্ন চাদনা মপীগী মথান্নুংদা কন্দুনা লৈবনি। হুরানপোৎ নচাদা পিজরোইদবনি। নচানা হুরানবা, ওক্তবা মী ওইরবদি মমা ওইবগী মুংঙাইবা ফংলরোইদবনি।

য়ুম পানমিন্নবদ সুপানা সুমিৎনি সুপীনা মালেম লৈমনি। সুমিৎকী

মৈশাদি লৈগদবা চাং অমদা লেংদনা লৈবনি । পৃথিবীগী লৈমাইদদি মথল মথলগী অইং অশা লৈবনি । মালেম ইমাগী শক্তি শিজিন্নরিবা মমা ওইবী থুদিংমক মথল-মথেনগী অবা সুংঙাই মায়োক্নবা ঙাবনি । মালেম লৈমগুম অথাং কনবী ওইগদবনি ।

ঐখোয়না উন্নিবা চীং, প্যাৎ তুরেল ময়ামসি কনানসু শেম্বীবা নত্তে । মলেম ইমা মথক্তনা মশাগী শক্তম শেমজবনি । তাইবং জীব ময়ামসিগী থবাক ওইরিবা ঈশিংবু মকম খুদিং য়েনবীবা ওম্নবা মশানা মশাগী চীং কয়া শেমজবনি । খুপী ওইবী ঐখোয়দা মালেম ইমাগী শক্তম মপুংফানা উংলক্লবদি মমা ওইবীগী গুন মপু ফারে থংজগদবনি । ইমাগী মীতম লোনা শেমই হায়বগী মী কৌরিবনি । সনামহি-লৈম্রেনগী সুংগী অর্থ য়েংলুরবদি তাইবং মী ঐখোয়সি খুপী অমথক্তমক হায়না শেম্লীরকপা ওইগনি । মমা ওইবীগী অসিগুম্বা বাথক্লোন থংবী খুপীসু সরস্বতীগী গুন চেনবী মমানি ।

—অতোপ্পা লাইরেম্বী অনিসুগী শক্তিনা করি কৌরনো ইবোকসি ?

—মীওইবনা হিংবদা লন-থুম য়াওদ্রবা য়াদে । ইমুংগী লৈজরিবা কৌগৈ-চেংগৈ, সনা-লুপা চেকশিন্না ঙাক শেনবা খুপীগী থৌদাংনি । হৈহেকপনা ফনা ফজুনসু হৈথুনবীনা যন্ত্রবাদ হে মাংই হায়বসি ইপা-ইপাগী পাওরৌনি । মথুক্তা শিন্নরবনি হায়দুনা মমাদুনা কৌগৈদগী কৌ হুনবা, লনগৈদগী লন হুরবা মচাশিংসু হুরানগনি । ইমুংদুদা মপা নত্তনা অতৈদি হুরানবা ঙাক্তা ওইরগনি । হুরানবনা য়ুম্লিংবা ঈমুংদু ঙাউথৎপা হৌনদে । নোংম-নোংমগী লৈথা তারকনি । মমাদুবু লক্ষ্মী চেজবী খুপীনি হায়নরকনি ।

করিসু লৈতবা বাকম অমগীসু য়ো য়ো ঙাংদুনা ঈশৌ লাংবী মমা ওইরোঈদবনি । মরমচাদনা অতোপ্পা মীনা নচা-নপুরোঈবদা মিংচৎ থিজনবা তৌরক্লবদি থবাইনা পোম্বা ওইদুনা মায়োক্নগদবনি । মীপাংদা ওইদুনা তুমিন্না লৈখোক্লবদি ইমুং মপুংগী ইজ্জৎ কনবা ঙম্লোই ।

মরমমুবু চুমবদি নচা অমদি নপুরোইবা মথৌ.াই থাবা পান্থুরক্লোই। ইমুং মমুংগী ইজ্জৎ কনবা ঙমগনি। ছুগা লাইরেম্বীগী শাথিবা শক্রম লৌগদবনি।

বাৰি শানা শানা মশুবু পাউত্তাক পিবিবগা লোইননা ক্ষিজেৎ লৈতেংসু শেম্বীরি। মী মশক থংগে হায়রবদি তিন্নবা শঙ্গ য়েংউ হায়বসি অচুম্বনি। পিক্রবা লংলাগা শঙ্গ ওইরুবদগী মচু মথল কয়াগী লৈরাংশিংনা নিংথিবা লৈয়াং পরেং ওইবা ঙমজে। থাওগা মরুপ ওইরুবদগী পিক্রবা দোসিনা মৈতাল পিবা ঙমজে। পিক্রবা লংলাগা মরুপ ওইরুবদগী তেলঙ্গানা অতিয়াদা বাংনা পাইবা ঙমজরি। মুংশিবনা মীওইবগী থম্মোই কয়াবু অসুম অসুম পরেং লেংলক্লি।

নোংপোক চীংদোন্দগী মোমোন মীনোক্না লোইননা কোয়োইহনবনা মালেম লৈমবু মুংশিনা য়েংবিরিকৈ; ওলাং মৈশা পিরক্লিকৈ মতমদা রিতাসনা ক্ষিজেৎ লৈতেং লোইখ্রে। মমান্নবীশিংসু অমা লাক, অনি লাক চৎমিন্নগদবা থোংবু শুজিল্লক্লে। মুংকুপ ময়ামগী মথক্তা অচৌবনা লৈবগুম; থবানমিচাক মরক্তা পুনিমা থাজগী মাইথোংগুম রিতাসনানা মমান্নবী মরক্তা তোমাখিন ভাল্লি। মমান্নবীশিংনা লৈগী পোলাং পাইহুনা চৎনবা শেমশাবা লোইরবদা মবোকসিবু য়েংলগা —

—ইবোকসি ঐখোয় চৎলুখিসে !

—চৎলো চৎলো

মশুনা লুচিংবী ওইহুনা লাই থুরুম্বা চৎখ্রিবী মশুশিংবু হৈতোনসিজনা মমিৎ কুপ্তনা য়েংজহৌর।

কাইনা গোবিন্দ

ফুল চৎপা মতমদদি মবোকসিনা য়াদবদগী রিতাসনানা মকে শেম্বগী থবক নোংমত্তসু তৌথিজ্রি। হয়া ও কুহৈ চৎলমদাইদদি মবোক-

সিনা হেক্সা থবাই য়াওজ। মতাংচাদনা মফি-মরোল অনানবা শেংপা, কেবা মৌবা হৈত্তোনসিজনা য়াদে। মতাং চান। চানা রিতাসনাবু কেইল্লি। ঙসি সরস্বতী পুজাসিগীদমক মগুণী কুচুগা চ'ম্নবা অহনবা ফিজোন হাল্লা থোরাং তৌদুনা থম্বীরবনি। কে-মৌবদা মচল শুন। থংলক্লবী, কোম্বুংগী লৈমরোল কয়াগা শঙ্গ তৌরক্লবী হৈত্তোনসিজগী পুক্লিনি। কোইদাননা রাসি লৈবী তনৌ ওনৌরিবী রিতাসনাগী মাইথোং থম্নাল মানবীদুদা শেন্না হৈবী হৈত্তোনসিজগী থুং চংবা অদুদদি করি অমুক হায়রুনি। লম্বী চংপা অতোপ্পা মীদি লাইর-দুনা, চংমিন্নরিবী মমাল্লবী কাংবু অদুনক্তাও রিতাসনাবু লোম্না লোম্না য়েংনরি। নগালমখৈ স্কুল অকা-অকুমদা ওগাক লৈতনা লেংনবা থোবাল কৈথেন্দদা লৈবা পাথং মচাশিং ঙসিদি রিতাসনাবু মশক থংখিরে। অউবা থুদিংনা ওনশিন ওনশিন কনানো? কনানো? হংলৈ। মশক থংনরকপা মতমদা অস! অস। হায়না তকাস শোন্নহৌই।

মমাল্লবী ময়ামগা রারি শানা শানা লাকপনা Chaoyaima **Higher Secondary School** য়ৌরে। সরস্বতীগী মুর্ত্তি থম্লিবা মফমদু য়ৌনা চংশিল্লগা মহৈগী লাইরেম্বীবু খুরুমজরে। সরস্বতী খুরু-ম্নবা মতুংদা অমুক চীংদগী কুমথমিন্নরক্লগা মমাই অরাং ওন্দুনা য়াইরিপোক লম্বীদা লাকমিন্নে। রিতাসনাগী তুংইনবদা পু'রুং, পাঙ্গল, অনিমক চোকথরবী মমাল্লবী অমনা -

—ইমাথোয়না কিজৈ ওাংনবা কোনমপাৎ হায়বদু কয়াম রাংলি ?

—অদু, আদা উরিব চ'ইকোন কোনপ্রিবা লম্বী অসিনি।

করিক্সীনো ?

—মী কক্তে হান্নৈ, কিজৈয়ে !

—অদুগুম্বা মিকিথিগী রাহু হৌদোক্লকমু। ঐথোয় শুক য়াম্লিবনু কনানা কৈদোদৌরিনো ? মুপানি হায়দুনা হেক্তা হাংপা য়াগজা ? অদুবু

ঐখোয়দগী পাঙ্গল হেন্না শেন্থীরক্লবা· ঋুপাশিংগা পাঙ্গল চাংয়েংদা শিংনগদবা নত্তে। মসিগী মরমদা ইবোকসিনা লিবিখিবা বারি অমা লৌগী তেন্নবা লিরক্কে। ঐনা অডাং ওইরিবৈদা লিবিখিবা বারিনি। য়ুমদা ?লরি?ভ ব রিনি। নোংমা ঋুমিদাংবাইরম ইম'ন্নবী থমগা উন্নাওবী শান্নরিবৈদা ইবোকসিনা মাঙ্গোল দাক্নি মপান্দা.ফন্নগা :—

—রিতা রিতা, ও রিতাসনা।

—করিনো হন্নবী ?

—নপা য়ানি মচাশা ঋুমিৎ তারে নয়ুম নয়ুমদা হন্নব্রে'নে।

হৌজিক্কফাওবা উন্নাওবী শান্নহুনা লৈরিবহুবু বরিগীনো ?

রিতা ! রিতা ! লাক্কিবরো ?

—করিনো হন্নবী পংকোদা কৌরিবহুবো ? মমত্রিক্কাও শান্নখিনি।

—য়ানি মচা নংবু বারি লিবা নতম য়ৌরে লাকওনে নংবো।

বারি লিবা মতম য়ৌরে হায়রবহুদা রিতা শান্নবা লেপ্পী। মবোক সগী মনাক্তা চেনশিন্দুনা ফন্নগা :—

—করি বারিনো ? লিসিরো তারগে ?

—নয়ুম পানগ্রবদি ইবোক্কী বারি তাবা ফংলরোইদৌরনিনে নং.বা।

—হুং হন্নবী নংগী বারেম ভাংবা হৌরক্লব্রা ?

—পংগন্নবৈ অভাওবী। মপান্না য়োমশিন্দুনা তন্নকপুদা ভাইরিবা চম্পা অ.শংবা অসিদগু মশাগী য়াওফম থে।কপা মহুং, মশিং শুনা য়াওরিবনি। অডাং ওইরিবা নখোয়দা মমা-মপা, মপু মবেন ওইবা ঐখোয়না ঋুংভাইবা বারি ওইনা লিবিরগা জ্ঞান হাপ্পীহৌবা তৌদবা য়াত্রবা ইথৌনিনে।

—তল্লি তল্লি হন্নবী নংগী বারেমহু তানিংব্রে ঐ চৎলনি।

—লিরগে তারোকো।

—অং তারগে লিরো।

—নহাল ঐনা বারি লিখিবদা ফংফালগী শাদা বরি শানা ইচাউ চাউই হায়খি ?

—শামুনি হায়খি ।

—খ্বাইদগী চাউবা, মপাঙ্গল কনবা শামুছ মউংনা লাক্সরিবা অছু করিনা গুম্লিবনো খংনিংব্রো ?

—খংনিংই ।

—ঐখোয় তাইবং মীবু শা ময়াম্না কিনরিবসি করি পোং শিজিন্নবা হৈবদগীনো ?

—নোংমৈ ।

—নখোয়গী নোংমৈ, বোম, তোপকাই হায়রিবা অছুদি তারাং নহাক্তগী রানিদা ।

—অছুদি করি পোং শিজিন্নবা হৈবদগীনো ?

—মৈ ।

—শামুগী রারি লিবিনি হায়রগা মৈগী রারিদা তারব্রো ?

—মথং মথং লিরক্কে তাখোনে নংবো । তাইবং মীগা পুন্না লৈমিন্নরম্বদগী য়োং অমসুং শামু মৈ কিছুনা জঙ্গল্দা চেনখিবনি । মৈ কিছুনা চেনগ্রবা শামুবু তাইবং মীনা লৌশিং শিজিন্নছুনা অমুক খাক্লবনি । মপাঙ্গল কনবা শামুনি । মউং নত্তনা কনাবুম্ব কিদে, রা লৌদে । মউং অমদি মাগী মচা মগুশিংগী রাতমক লৌই । মখোয়না হায়বা থবক্তমক তৌই । মসিগী মরমদি খুৎলাই পুম্নমক্তগী অথোইবা 'মুংশিবা' হাক্লবছুনা পুনখিবদগীনি । লৌশিং চাউবা মউক্তনা ইঙাউ ঙাউরম্ব শামুবু মুংশিবা তম্বীখি । মুংশি মশক খংলবা শামুনা মউক্তগী মফমদা মপুন্সি কংখি । মউংনা মত্তৌ করম্না শামুবু মুংশিবা তম্বীখি ?

মীওইবনা লৌশিং শিজিন্নছুনা মপাঙ্গল কনবা শামুছ জঙ্গলদগী কাক্লরে । কাক্লবা শামু অছু উঙাউ অমদা পুনশিন্দুনা থমই । মুমিং নিনি হুম্নি করিমত্তা পিজপিথক তৌদে । অরাম খোৱাংবনা মশাদা অবাবা পোকহল্লি । থমগদবা মুমিং মশিং শুরগা মউং ওইগদোরিবা মুপা অছুনা ঈশিং পুছনা লাকনি । তাইবং মী উবদা

মুহূ শাউবনা কি কি কাম্বগনি। থৌরি থদংনবা হোৎনগনি। হুবু মাইকৈ খুদিং থৌরি কাংনা পুনখিবনা মপাঙ্গল থোক্কে। ঙ্গোইল্লংগী অকিবা পুম্নমক মউক্তুগী শাক্তং-লাকচৎ মিৎয়েং-নায়েংনা শামুদা খংহনগনি। ঈশিং পিথক্কে লাকপনি হায়বসু ইঙ্গিৎনা কোং-জ্ঞক্কনি। কিনা কিনা শামুগী মনাক্তা চংশিনগনি। মাবু কি য়বা মপুংফানা উৎনবা মনাক য়ৌরমদাইদা খুদি খিজিম্নগনি। ঈশিং পাত্র থাথরমহুনা কিনা চেল্লকনি। শামুগী মমাংদা ফনা শাংনা চেল্লকনি। লেপ্তুনা অস্তুম চেল্লকপনা খুনিংথেক শাবা লম্বীগী মতুং না চেনগনি। উ-ৱানা থনজিনখ্রবা শামুনা উয়রোইদবা মফমদা লেপ্তুনা পোত্থাগনি।

ঈশিং থৌরাংবনা ঙাওরবা শামুনা লৈবাক্তা ঁচদোকখ্রবা ঈশিংহু ক্কবা হোৎনগনি। মনাতোম্না লাম্বা ফংনিং ফংনিং তৌরগা লাম্বদি ফংদে। ষুপাহুনা চেনখ্রিবা অহু, উরিবা মখৈ মুন্ন য়েংগনি। মাবু কিবদগী চেনখ্রিবনি খন্দুনা মুন্না য়েংগনি।

নোংঙাল্লগা ঙরাংগী মতৌগুম ঈশিং পুহুনা অমুক লাক্কনি। ঈশিং পিথক্কে তৌগনি। য়ৌরমদাইদা অমুক পাথৎশিন্নহুনা ঙরাংগুম ঈশিং পাত্র থাথরম্লগা চেল্লকনি। ঙরাংগী মফম য়ৌনা চেল্লকনি। ঈশিং থৌরাংবগী মৈনা চাক্লবা শামুনা ঈশিং পিথক্কে লাকপা মউক্তু মিৎ কুপ্তুনা য়েংগনি। হাংকে থল্লবা ব থল অহূ থাদোক্লগা ফুংশিবা হৌরক্লগনি। মহাক লাক্লবা হায়না থৌরাংনা য়েংগ ন। মউক্তুদা অশাউবগী চৈনা পিররোই থল্লক্লগনি।

শামুগী বাখল হোংলক্লে খংলবা মউক্তুনা ঈশিং পিথকপা হৌগনি। মবুক থল্লদি পিথক্লোই। কিহুনা চেনশিন্নবদি তোকখিরোই। ঈশিং পিথকপা য়ারবা মতুংদা শামুনা পামজবা লফোই লউনচিংবা হুনা লাক্কনি। মমাংদা থাথহুনা থমগনি। শামুগী ঈঙ্গিৎ য়েংলগা রথর পিজবা হৌগনি। তমখিবা পুকচেল মাংত্রিফাওবা মবুক থল্লা

পিক্লরোই ।

অরাম খৌরাংবা কোকহনখিরিবা মউঙ্‌বু অস্তুম অস্তুম লুংশিবা হেনগৎলক্লনি । মউংকী মশক উদবদা শামু লৈকম থংলক্লরোই । থম্মোইগী অশোবা কোংদোকপা ঙমদবগী দমক মিংলুদগী পিরাং মতুম মতুম শিস্থরক্লনি । শামুগী মঙং মতৌ উরগা লুংশিগী চৈনা ফংলে খাংগনি । হন্না হন্না লুংশি চৈনা ফাওহনগনি । কুল্লু-লেপ্পু হায়বা মীরোল তস্নীগনি । মথক কাহুনা শান্নগনি । লুংশি লিপুন্না পুনশিনবীগবা শামুহু মউংনা হায়রিবা পুম্নমক থবক ওইনা পাংথোক্লনি । হন্না হন্না চাংয়েং কয়া তৌহুনা শামুগী পুকচেল য়েংগনি । অরেপ্পা মবুকচেল থংলবা মংতুদা মখোংদা পুল্লিবহু থাদোকপিগনি । মথক্তা তোংলগা ময়ুম তান্না লাকমিন্নগনি ।

রিতাসনানা বারি লিনা লিনা লাকমিন্নবদা ক্ষেত্রিলৈকাই খোংনাং মখোং য়েরক্লে । খোংনাং মখাগী তিংথৌ মথক্তা ফমহুনা পোথামিন্নে । রিতাসানানা উখোং ফম্নীদগী অচাপোৎ লৈরুরগা চামিন্নে । মখোয় ময়াম হরাউ হরাউ চামিন্নরিঙৈদা বারি মখা তারকই ।

ইবোকসিনা হায়রিবা ঃ— লুপী ঐখোয়না পাঙ্গনগী চাংয়েংদা লুপাবু মাইথিবা পিগে খল্লোইদবনি । লুপী ঐখোয়গী থুংলাইদি লুংশিহন্নবনি । লুংশিহনবনা লুপাবু থুংহুম চনগদবনি । লুপী সমাজনা অচুম্বা ফজবা অমসুং লুংশিবগী মপাল-মউ চাউনা হোংল্লবা মতমদতা মালেমগী শান্তি ওইগনি । ইবোকসিনা পাওরো ওইনা হায়খিবা বাহৈশিংদি ঃ—

লুপীনা মউংনি
লুপানা শামুনি ।
নিংথৌনা মউংনি
প্রজানা শামুনি ।

মচুংনা ফরগা
শামুনা ভাওরকই।
শামুনা শাউরক্লগা
মউংনা বাজৈ।
মচুংনা ফরগা
অনিমকী যাইকৈ।

মথোয় ময়াম বারি শানা শানা লাকপনা বাংখেম য়ৌরক্লে। রিতাসনাগী ময়ুমদা মথোয় ময়াম লাকই হায়বা মমাদা শক উংলল্লগা কাইনা য়োনবা লাকমিন্নে। থৌবাল তুরেল মথক্তা শারিবা লিতাল লাল্লগা পোইরো খোংজিন য়ৌরে। চীংমাইদা হৌরিবা উচান পাম্বী অমদি কিক্তেম পাম য়েংন য়েংনা লাকপনা কাইনা গোবিন্দগী খুডম য়োরক্লে। গোবিন্দ খুরুম্বা লাকপা মীয়াম্বা চীংমাইছু কিত্তৌ ফৌবগুম উই। লাক্লিবা মীয়াম অছু ভমক ভমক্তবা সনা লুপা দান তৌদুনা মথং মথং গোবিন্দ খুরুমজৈ। ভক্ত ময়াম অছু মথং মথং লাইপাল্ল-বনা গোবিন্দগী সিন্দুর, ভক্তশিংগী মরাইবক্তা নম্লি। রিতাসনানা গোবিন্দ খুরুম্বা লুকথরুরগা সিন্দুর নম্বীনবা লেপথংলকপদা লাইপাল্লবগা মায়োক্লখি। মিং মরি মিংচাল্লবদা লাইপাল্লবস্ত জ ন মাংছনা সিন্দুর নম্বা ভমখিদে। লাইপাল্লবগী মতৌ উবদা তুংদগী হুপা অমনা "করি বামোম্লো সিন্দুরছু শং শং নম্বা য়াত্রা ?

উমুং * মথক্তা

ব্রজমনি নন্দলালগা ক্লাস থ্রিদগী অজাদ চায় স্কুলদা তম্মিন্নরকপা মরুপ অমনি। অংথাদা নৈবা বামোন্নি। থৌবাল কলেজদা পি, ইউ, সি, তম্লি। নন্দলান্দি ক্লাস নাইন পাস তৌরগা লাইব্রিক তম্বা তোকপ্রে। মহাক্তা লাইরিক তম্বা তোকখিবগী মরুওইবা মরমদি স্কুলদগী হন্নকপা সুমিদাংবাইরম খুদিং মপানা ইরুক্তহনবা অসিনি।

হাও, পাওল মচাশিংগা কাল কপিম্নবহু। শোক্লৈ, শম্নৈ, মাংই, হায়দুনা ইরুজহনবনি। মানা শেৎলুবা ফুরিৎ-খোংগ্রাও ইমুংদা পুশিন-হন্দে, মপান্দা মান্দুনা থমহল্লি। চাক থোংবস্থু মাম্ন তোইন চৎমিরৈ। হৌজিক হৌজিকী শেল থোকপা খবাক্লনা নন্দলালদু হুরাউ হুরাউ চৎলি। তুংগী থোইনা খন্থুরুবা লৈতে। মবুগি মরৌশিং মাম্না কবা শাত্রনি। মাহক্না ওাংখোক শক্তোক্লকপা বাঙাং-শঙাং খুৎই মমাম্নবা শাত্রশিংদা নঙনা মাগী ওখাশিংনকাওবা কল্লকবনি লাইরিক তম্বা তোকখিবদগী ব্রজমনিগা তোইনা উনখিদ্রে।

ওসিদি ব্রজমান মাগী মরুপ নন্দলালবু উমনিংবগী ইহুল অমা কম্না লাকখি। মরম অসিদগী সরস্বতী পুজা লোইরগা কলেজদগী হল্লকপা মতমদা নন্দলালগী মযুমদা চংলুই। অদুবু মাগী মরুপ নন্দলালদি কাইনাদা লাইপাম্নবা চৎখিদুনা লৈরমদ্রে। কাইনা ওম্না অমুক লাকই।

ওন্থোকপনি ব্রজমনিনা কাইনা য়োৎরকপা মতমদদি কনাস্থু লৈরমদ্রে। লাই খুরুম্বা লাকপা খুদিংস্থু মযুম মযুমদা চন্নখিরম্লে। মথবাই সুংঙাইত—সুংঙাইতনা সাইকল মমাই ওল্লগা বাঙ্কল তৌনা তৌনা অমুক শোঁদোক্লকই। মহাক্না মরু লুকথদুনা অন্থুন চৎলম্বদগী চীংথক্লোমদা অমুক য়েংলকই। চীংথক্লোমদা য়েংখৎলকপা মতমদা মাগী মরুপ নন্দলাম্না তকিং তকিং চীং কাখিবহু উই। চীংদোন য়োৎরমদাইনি, কৌবস্থু তাররোই। মহাক্ন কুকথরক্কদবা চীংখোংদা ঙাইরুবগে হায়দুনা গাড়ি কম্না থোরক্লে। চীংয়াংদগী কুমথরক্লগা পোই-রৌখোংজিন খুল্লক চংখিগদবা চীংওমগী ভাইনকম লম্বী চীংখোংদা ঙাইদুনা লৈরে। কনা কুইনা ঙাইরকাওবা নন্দলাল কুম্নক্কে। কৈদো-প্রবনো হায়দুনা চীংথক্লোমদা অমুক য়েংখৎলি। নন্দলাম্না মমাই নোংপোক ওল্লগা, করিগুম্বা অমদা পুক্লিং চংনা য়েংলগা চীংদোন্দা কম্বহু উরে। অবাংবা চীংদোম্নিনা কৌনবদা তানবা মকমস্থু নত্তে;

মুনিৎসু তাশিল্লকদোৌরে। কুকথরক্কদবা মণ্ডংসু মান্মে। মণ্ডল মণ্ডল থল্লগা মতুংদা গুয়ড়ি শো লোনশিল্লমগা ব্রজমনিসু চীং কাপ্লে। ব্রজমনিনা মনাক.য়োৌরক্রকাওবদা নন্দলালগী মিৎয়েং হোংবা লৈখিদে। ব্রজমনিনা নাকল ওইরপ মনাক্তা লেপ্লগা —

— করিনো অহুক মুন্না য়েংলিবা অহুবো !

— হায় ! কদাইদগীনো ?

— চীংথোংদা ভাইহুনা লৈজবা ফনা কুইররবনি। মমশিল্লকপনা থান-থ্রবদি হেল্লোইনা ভমক্রনি থন্দুনা, মরুপ্তু কনবা লাকচরিবনি। হেল্লোইহু কদোমদা চৎখে ?

— কদোম চৎখ্রবনো থংহৌজ্রে। মানা চৎলমগদবা মাইকৈ য়েংলম্লিবনি।

— করিনোনে হায়রিসিবো ? ঐদি চুমদা ফাগি তৌবনি অহুগা চান্নবা হেল্লোই চৎখিকম থংহৌজ্রে হায়রিসিবু করিনো ?

— অশেংবনি মরুপ হেল্লোইহু কদোমদা চৎখ্রবনো থংহৌজ্রে।

-- ভাইথো ভাইথো মরুপ, রা অমা থম্নসি। হেল্লোইহু কদাইদা ওক্রবনো ?

— গোবিন্দগী লাইমাংদা ওক্রবনি। ঐনা মরাইবক্তা অঙাংবা সিন্দুরসু নপ্লীখ্রবনি।

— হা .... হা .... হা .... হেল্লোইগী মরাইবক্তা অঙাংবা সিন্দুর হা .... হা .... হা ....

মথন্বাই তানা নোকই।

— অশেংবনি মরুপ।

— হেরা ! মরাইবক্তা মার্ক্ব্যা য়ৈপ্রবা হেল্লোইনবু মাংবা হৌনজ্রো ? মহাক শোইদনা লৈরমগনি। ভাইবং মীগী থুৎ চৎখ্রবনিনা মপা সোরারেনগী মনাক চংবসু য়ারবোই। থল্লক-ইবক্তা নাখৈহুনা শোইদনা লৈরমগনি। শেরা, হৌজিক ঐ য়াওনা থিরবদবু মহাক্তা লোৎকদবা কুদাইদনো ? কদোমদা চৎলমগদবা মাল্লি ?

— চৎলবদি থোৌবক্লোমদা চৎলমগনি। গোবিন্দ থুরম্বা লাক্লগী মম্লাম্না

বাংখেম কাওত্না মরী-মরী চৎলিবা অসিদা য়াওরা য়েংলিবনি ।
—ঐদি মী চৎলি হায়বকাওবা মমেক শেংনা উবা ঙমদে । ককচেং শঙ্ শঙ্ চৎপগুম্না শিশক পিশক শিক্না উই । অদুগা মশক খংনবা য়েংলিবা নংগী মিত্তু্বু টেলিস্কোপ য়াওরিব্রো ?
—উরোই, মরূপকী মিৎনা উবা ফংলোই । মহাভারতকী গুরু দ্রোণা মচিন মনাও চাম্মা-মঙাদা খুৎলাই চাংয়েং তৌখি । য়ুধিষ্টীরদা ইহান হান্না উচেক্কা তেন কাপ্পবা য়াথং পিখি । তেন কাপ্পবা শেম শাবা লোইহল্লগা গুরুনা উচেক্কু উরব্রা হংখি । করি করি উবগে হংখি । হৌরিবা উপাল বাপাল, অতিয়াগী পুরুং হুরবা দৎশ ময়াম্বুদি উজরে হায়খি । হিংসা প্যামজদবা য়ুধিষ্টিরগী মমিৎনাদ হাৎকদৌরিবা উচেক অদুবু উবা ফংখিদে ।
—বা বা। বাহৈ বাতাকাওবদি হেল্লোই তশেংনা থেংনরবা মী মাল্লেকো ।
—অশেংবনি মরূপ, মী অমগী মিৎয়েংগা অতোপ্পা মী অমগী মিৎয়েংগা কৈদৌঙুংদা মান্নবা য়ারোই । মিৎ মরিত্তু চপ মান্নবা পোশক অমদা য়েংমিন্নরবস্তু পুক্নিং অনিত্তুগী মিৎয়েংদি মান্নবা হোনদ । .... মান্নি মান্নি! আদগী খোংবু অসিনি । চৎগ্রে চৎগ্রে ! থোবাল্লোমদা চৎগ্রে / চৎখে চৎখে !

মচিন্দা ঙাংনা ঙাংনা ফুক হৌগত্তুনা চেনখে । খর বুং-শৎপা মকম অমদা অমুক লেপ্লগা মুন্না য়েংত্তুনা লৈখে । চীংথক্তা লেপ্পা লেপ্পা অমুক থুনিং কাংশৎখে । মাগী মওংত্তু উবদা ব্রজমনি ইঙক ঙকখে । মখোয় অনিনা কপ্পিন্নরম্বা মকম অদুদগী তম্পাক্কী লম পুম্নমক উরিবনি । ব্রজমনি জ্ঞান অমা তাখিগ্রে । হায়কম তৌকম খংদনা ঙহাক য়েংলগা শশক্তা অমুক চংশিল্লগা —
—করিনো মরূপ নংনা তৌরিসবো ? ঐবু জ্ঞান অমা তাগ্রেবানি । চীংদোম্দা লেপ্পা লেপ্পা থুনিং অমুকস্তু কাংখংলে । নত্তে নংনী তৌরিসিবু করিনো ?

—মরুপ নংনা খংপেংৎ নত্তে। থ.ম্মায়ইকী মরিসিদি থাল্লগী থাপ্ল নকশিন্নবা হেল্লি। উর উরগা য়েংনিংবা হেল্লি।

ব্রজমনিনী বা মথা তানা তানিংখিদ্রে। খর বাংখৎপা মকমদা অমুক চেনখৎখে। অপুম য়েংলহুদগী মনাক্তা হৌরম্বা উয়ুং পাম্বী অমদা অমুক কাখৎখে। খ্বাইদগী বাংবা উশা অমদা লেপ্লগা য়েংহুনা লৈখে। হুনদকমুক্তি ব্রজমনি তংশংনা পুক্লিংদা অকিবা পোল্লক্লে। মণ্ডল মণ্ডল খল্লক্লে। করিগুম্বা নন্দলালগী রাখল ভাওশিংহুনা উপক্তগী তাহুনা শিরবদি মহাক্তা হাংপনি শোহইদনা হায়রগনি। ভংপাক্তা কুমথহুনা মী কৌরু'গদবস্থু মুনিং তাশিল্লক্লে মত্তোমতা অদুম হনম্লবস্থু অহিংচুপ্পা উথক্তা লৈহৌবা যাই। নোংভাল্লকপদ উথক্তগী তাহুনা শিরম্লবস্থু মহ কপ্পু মীহাৎপনি হায়নংনি। নন্দলাল শিবু শিরবদি ব্রজমনি মীহাৎ-ফমদগী লাম্থোকপা ম্রঘোইদৌরি ব্রজমনি তৌফম খংকক্লে। চীংথক্তা মী লৈব্রা হায়হুনা কোইনা কোক্টনা য়েংব হৌরক্লে। তেংবাংবিনবা কনাক্তা উবা ফংদে। করিমুংগী চীং কাভরকশনো; করিগীদমক পাগা চুনদবা য়দে খল্লুরিবনো? মশাবু মশানা হল্লা হল্লা নিন্দা তৌজরক্লে। খনবনৈথ খল্লবা মতুংদা মাপ্ল খোংউপ লৌশোক্লগা উয়ুংহুগী মথক্তা কাখংব্রে অত্তোম্বা উশা অমদা চেপ্লগা—

—নংগু নংনা য়েংলিবহুবু কনাইনো? ব্রজেন্দ্রা শেংনা অমুক্তা তাকউ। নংগী পুক্লিংগী বাহু ব্রজেন্দস্থু খর তাকল্লু, কৈ.দাবগে?

—ব্রনা ভসাই লাইপাম্নবা ওইহুনা মীযামগী শেবা তৌই। ইখং খংহৌদনা মংনা ইমাংদা চেপ্লরবদা ব্রথোয় অনি নিংচাক্লখি। মংবু উবদা জ্ঞান অমা ভাওশিহুনা সিন্দুর নম্বা কাওখি। ব্রথোয় অনিগী মত্তৌহু উবদা মীয়াম মরক্তগী অমনা "করি বামোল্লো সিন্দুরহু শৎ শৎ নম্বা য়াব্রা" হায়না চৈরকখি। জ্ঞাম তাদ তদনা অওাংবা সিন্দু মরাইবক্তা নম্বীথি। মতম কুইনা কাইনথুবী মরুপ অমনি। তু! তু! আদা খ্বাইদগী ইকোন কোম্না চৎলিবা খোংবু অসিনি।

—চুমই চুমদে মশাদনি হংহৌরা ?
—মীয়ামগী শেবাদা মাই লৈথোকপা শংত্রবা ঐগা মাগা বা হংনবা করম নংগদৌরিবনো ?
—অদুগা চুমে হায়বদি করম থংলিবা ?
—মহাক বাংখেমসিদা পোকপীনি। পিশক পিক্লিডৈদগী থৌবান্দা লাইরিক তমদুনা লৈখিবনি। মথোয়না থোক্লকপা থোঙ্গাল য়েংলগা থংবনি। য়েংউ, মানা তুং ইপা থানা চংলগা ঐডোন্দা হন্না হন্না য়েংলক্লি। অদুবু মানা ঐবু উবীরমগত্রা উবীরম্লোইত্রা থংজে মরুপ।

বা ওাংলম্বদগী তুমিন্না অমুক লৈথোকখ্রে। য়াইরিপোক লম্বীদা য়েংনা য়েংনা মিৎলু মাপোম অনিদগী মপী চহুম চহুম শিন্থরবপা উবদা ব্রজমনি ওক্না --
—করিনো ? কপলিবা অদুনা করিগীনো ?
—ওল্লোই ! ওল্লোই ! ঐ ইপাগী মচা ওইবা ও য়াই। মহাক্না পোকপীরবস্থ মাগী মচা ওইরোই। ঐ ইপাগী মচা ওইরোই। মানা ঐবু লাইরিক তম্বা তোকহনবনি। মরুপ মপাং তিন্নবদা মাতনা অথিংবা পিবনি। ওঈরোঈ ! ওইরোঈ ! ঐ ওইরোই ? মীসুংশি থংদবা মাগী মচা ওঈরোঈ !

মমিতো পিরাংথক শিন্থরম্বা অদুদগী মথোল থোক্না অমুক কপথোক্লক্লে। ব্রজমনি বা ওাংকম থংখিদ্রে। বা ডাংনদুনা মতম মাহংহনবস্থ পাম্লক্লে। য়ুমদবু য়োরবদি হায়না থল্লক্লে। য়ুমদা চৎলিংনবা থেম্বা হৌরক্লে। য়ুম য়োরগা থমবা য়াবা থমরুসি হায়না থেম্লে। সুমিংকী মডাল অস্থম অস্থম লোৎখিবগা লোইননা উযুং মথক্তগী তপ্পা তপ্পা কুমথমিন্নরকলে।

অঙাংবা সিন্দুর

রিতাসনা স্কুল চৎলু বদগী য়ুমদা হল্লক্লগা পোত্থারি । মফি-মরোক হোংদোক্লগা নিংঙোল কাগী ফমুংদা মখোং য়'স্থহনা ফম্লি । পাঙ্গনগী থবক শুবা হেক লেপ্লগা মনিং তম্বা চেন চোংহনা শান্নজবা মীওইবশী বাথন্নি । স্কুল চৎলুবগী ওহাক্তুং পোত্থাবা অদুদা রিত'সনাগী বাথক লিলা শান্নবা হৌরকই । হৌথিবা কয়া মগং মথং নিং'শংবা হৌরকই । পঞ্চমী মুমিত্তা অঙাংবা সিন্দুর মরাইবক্তা নম্বীথিবা ব'মোন্দু মমিক্তা উরকই । নন্দলাল শোইদনা ওইগনি হায়বসি মাগী অচেৎপা থ'জবনি । মতমকুইনা উনরুক্রবস্তু ওহাক লৈতনা শান মিন্থখিবা, চ'কলুক অমম্ভদ চাক চামিন্নখিবা মরুপ অমগী মিৎয়েং নায়েং করম্ন কাওগনি ? শকফ অতৈ অতৈদি হোংখিবা য়াই । মী অমগী মিৎয়েং-নায়েংদি কৈদৌহুংদা হোংলোঈ । মীওইমগী মিত্তি থম্মোইগী মমি ত ফম্লি । মীগী মিৎয়েং উরগা মাগী থম্মোই মশক খংবা ঙমই ।

নন্দলাল রিত্তাসনা প্রিশক পিক্লিকৈ মরুপ্নি । থম্মোই অনিগী মরক্তা ইচম চম্বা মুংশি মরি অমা হান্নদগী লৈরক্লবনি । অতুবু ঙসি'দ রিত্তাসনাগী থম্মোইদা লৈরম্বা মুংশি মুক্তি শক্তম তোংঙকপগুম তৌই নহালমথৈ থল্লমদবা বাকম কয়া মঙল মঙল থল্লি । মুংশিংনা মাবু ওৎ-নৈবা হৌরকপা মতমদা মবোকসিনা লিবি'থবা বারি কয়ানা য়ারোহ হায়না থিংবগুম উরি । "মুপীনা মউৎনি, মুপানা শামুনি" হায়বা মবোকসিগী বাহৈহনা মুত্তি ওইনা লেপ্লগ রিতাসনাদা লউরকই । "মুমিদাংবাইরমদা তহা তহা লৈশাৎ তম্লগা অচিং মমৈদা লৈমন চনথিবী লৈকং থরো ওইগে খনগন্নু । লফু থরোগী পুক্সিগুম নপুক্সি লো'ম্লগে খনগন্নু। তম্মত চেনবা লফোই লউ ওইগে হল্লু" ।

মচ মশুশিংনা হৈশাবী পাখং ফারক্কগা থেংনরক্কদবা বারি-বাখোং কয়া পিক্লিরৈঙদা তৌরিপি ত হৌগদবনি হায়বসি হৈতোনসিজগী মচা মশু লেম্বগী অচৌবা থুংলাইরিনি। মচাক্না ফাগি ওইনা, বারি ওইনা, হায়খিবাময়ামচুনা ঙসিদি রিতাসনগী রাখন্দা লমজিং মৈরা ওইনা ঙাল্লরে। ম.বাকসিগী ফাগি ঙসিদি অর্ধ থংলক্রে। মবোকসিগী য়াথং ঙাক্কনি B. A. পাস তৌগদৌরিফওবা থম্মোই কনবী ওইগনি হায়না রিতাসনা মশাগী ৱাংৱেপ লৌখ্রে রিতাসনানা অসুম রাখল তৌরিরৈঙদা মংঙোন্দা মোইথাপ্ নাহুরিবী মবোকসিনা :—

—রিতাসনা ননম্মা লৈদাক্রেদি নদাম্দা লৈরৈরে ?

—ইচা রাখামনিগী মনাক্তা চংথি।

—ইশু রাখরামনি কৈকেদৌরবা ? মপান্দা লৌরুবউ নংবু হায়গৌরিবগে ?

—করিসু তৌদে ইবোকসি নচাল নাইনাদগী হল্লক্লগা মশা ঙমদে হায়রুনা লৈবনি। মশা শংঙা লাইতৌ লৌত হায়হুনা কমুংদা ভিপাখিবদগী হেংগতুবনি। খুংঙল অদনবদগী ডাক্তরনা পুথিবনি। পওসি তাবদা ইনম্মা লৈবাক্কে ডাক্তরদা সংগুখিনা হরহুনা লৈহৌবনি।

—নখায়না চংপদা লপদা মাবু কৈ লাখবা য়াওবগে ?

—লোংনা অসুম লাকপদা তোমজিং চীংখেংগী ভেরা মখোং মপাদা থৃদি শিহুনা ঈ থজিক্লুংদ খোংগি।

—ইহে ঐনা নহাক্নমইদ বারি লিরিবদা নম্মা ঙাকখোকনবা বারিদি কওহৌরেদনা। ইবোক্নী ইবেম্মা ন ঙান্দা দশা ভাবোইরে ?

—ইবোকসি ইশা ঙ কথেকচন বারিসু লৈরিব্র ?

—নগা য়ানি এচা বরি লৈতনি। মালেমসিদা লৈরিবা মীয়ামসিবু ডাক্তর অমমম্মা শেন্নহুনা লৈবা ঙমগদ্রা ?

—অতুবুদি কনানা ঙম্মুনেগে।

—হোজিক্কী নহারোক অদিগুনন অদবগী ঈ চেনদ্রসু ডাক্তর ; লমচং নাইদবগী মকোক ঙাংবা ডাক্তর, লোক থুংবগীসু ডাক্তর ; চাবা

তুমদবগীসু ডাক্তর ; মপুন্সিচুপ্পা ডাক্তরনা শেন্নহন্নবা হেৎনরিনে ।
—অহুবুদি ইচে কুণ্ডয়েহু চাবা তুমক্রে, ডাক্তর চৎলুনি হায়রুনা চৎজি ।
—চাবা তুমত্রগা তুম্বা ওমগদবা থরদা চারগা লোইরবা থবক্তু বু ডাক্তরদা চৎব্রিবা । মথিবোং থাওবগী নারিবনি হায়তুনা ডাক্তর ওাকপা চৎলিবহু নোকপু নোক্লিংঙিনে । মমাইহু ইকাইবু ইকাইদেনে ।
—সরকারগী ডাক্তর থন্নিবসি মহুগুম্বা য়েংনবা থন্নিবনিনে ইবোকসি ।
—চয়ো্হে ! অরুবা লাইনাগীদমক ডাক্তর ডান্নরুবদি ভান্নফম থোকই । মথিবোং করাম্বগী চাবা তুমক্রেগাইনা লাকপসিদি ঐনা ডাক্তর ওইরবদি হু পিজহুনা হাৎকনি ।
—করিগীনো ?
—মশানা মশাবু চেকশিন্দবগী ! মশা মশাগী শাক্তেল থওইদবা কাংবুনা ডাক্তরশিংদা অরাবা পিবা অমসুং ডাক্তর শং রাই চিলহনবগী হাওৌরিবা ।
—অহুদি অনাবা মী নঙোন্দা লায়েংবা লাকপীরনি ।
—ইনাক্ত লাকপা ভনবদগী মশা মশানা চেকশিজরবদি ক.রদনা ।
—ইশা ওাকথোকচনবা রারিদি করি করিনো ইবোক.স ?
—রারিহু কোন্না তাকে । ইবোকসি নঙোন্দা বা অমা হংথিগে । মহুগী পাউখুম হান্না পিরকশে ।
—করি রানো ইবোকসি ?
—নংনা খংওকতৈদগী ওসিকাওবদা নকোক ভাওবা থেংনপ্রব্রা ?
—থেংনখিজ্রি ।
—মহু করি শাজেন্দগী কংথিবা কান্নবনো ?
—খংদে ।
—মংনা অঙাং ওইরিতৈ, ঐনই পাঙ্গল করিতৈ করি করি মন তৌবিখি ?
—থুং অনি প্যাইরগা রাংনা রাংনা চোংখৎহনবা, থে'ং অনিদা পাইরগা মথক মথা ওহোকপা য়াম্না তোইনা শান্নবিখি । ঐনা চাউরক্লগমু ইতোমতা মন য়ুংবি শান্নহনখি ।

—তো মহুগী মহৈনি তসিকাওবা নতোন্দা কোক তাওবগী লাইনা চংথ্রিবদো।

—ডাক্তরশিংনদি লাইনা খুদিংমক মহিক্না থোকতল্লিবনি, হিদাক মতম্চানা কাপকদবনি, চাগদবনি হায়রিসিদি ?

—মখোয় ডাক্তর হায়বা তাৎসি মরিন্দি য়াওথিত্রপোৎনি। ঐখোয়নকা করই ইরানা পিক শনবা খোংবান্দকা ইশিংনা তা ফারিবসি মখোয়না তমপোৎ নত্তে। মখোয়না কুম্বাওইরদি লাইনাম্নু পোকনি।

—অহদি করিগীনো ইবোকসি ?

—ঐখোয়দি কিবিদবা! কিমল্লবসু মীসে মপাঙ্গল শোনবনি। লাইনা কয়াগী লিলা শান্নকম ওইবনি। মপানগী মথিক চংশক্লবসু মখোয়বু তাকথোক্লবা লাম্মী তেঙ্গোল মতিকচানা লৈ হ'য়ৎনা পুরুংবু মপাঙ্গল হাপ্পীগদবনি। তাকথোক্লবা লাম্মী তেঙ্গোল মপাঙ্গল ফহনগদবনি। নংনা খংবদগী ইবোকসিবু করি করি হিদাক চাগ্রবগে ?

—চাথিত্রি।

—ঐদোনা নখোয়সু য়ারিবমথৈ হিদাক চাদনবা হোৎনবদা কনানা য়াদে হায়রক্লনি ?

—অহুবুদি কনানা করি হায়দোৌরিবা ?

—নখোয় নহারোলনা লৈথিত্রবা অহল লম্মন ময়ামবু পংই হায়হুনা তাংজবা শারিনে। চুমই, মতমহুদা হৌজিক্কালগী পাক্লক্লনা লাইরিক তম্ফম শং লৈরিবা অসি লৈরমদে। অহুবু নখোয়না নিংশিংগদবা অমদি, হাল্লা ময়েক থংলমদবা অহলশিংনা পুথোকপিরম্না ময়েক্লি হায়বসিনি। লৈতবা পোৎ নোৌনা পুথোক্লবা থল্লম্বা মীগী রাথলগা; পুথোক্লম্বা পোত্থু থর ফগৎনবা হোৎনবা মীগী রাথলগা কনানা হেনফম থোকই।

—অহুবুদি ঐসু য় নিংই। মীওই থরনা মথল মথলগী পোৎ পুথোক-পিহনা মীয়ান্না শিজিন্নবা তম্লি। অহুগা মশাগী চানবা চাক ফাওবা

থেংবা হৈজদবা মীওইশিংমা অহনশিংবু হুম হুন্দুনা ঙাংবা য়াওরি। অশিংবগী মরুম থুম্লগা ঐখোয় শিংলবনি, চাউখৎলবনি হায়রুনা মখোইফাওবা শুদনা বারেম ঙাংলি।

—লফু থবো অমদি অমুত চেনবা লফোই লউগী মরমদা নহাল থম্বদি হায়রে। অহুবু ঙসি অমুক্তা থম্লসি। য়েংউ ইখোল মতোন্দা চৌরিবা লফু ময়াম অসিগী মফুংদা করম্বনা হায়না লফু থবো শাৎকনি। নংনা ঙহাক নৈতনা ঙাংখি," সাইক্ল তম্বা মীনা থংদবা নৈতে হায়না। নংমু সাইক্ল তমই হায়বদাই। হায়রু তাসি।

—অসিবুদি থংইনা। আদগী খ্বাইদগী বং-চাউবা লফু অসিনা হান্না থবো শাৎকনি।

—করম্না ?

—খ্বাইদগী চাউবনা খ্বাইদগী অহন্নি। হান্না অহল ওইবনা হান্না শিফম থোকই।

—অমুনবা হৈনো নৈতৌরগা অশংবা ময়াম কেল্লবা অসিদি করিগীনো ?

—পানফম মথোক নন্দবা নত্রগা তিন্না চিকপদগী ওইরম্বা মাই।

—তুল্লশিবোংদা নেম্না পাল্লিবা হৈনো ময়ম অসি মুগা য়েংউ। তিন্না চিকপা নত্রগা মথাক কন্দবা মুম্না য়েংউ। অহুগা কবম্বনা হান্না কেল্লকনি হায়রু ?

—অহুবুদি কনানা হায়বা ঙমগনি।

—অহুনি লাইরিক ময়েক খর থংলে হায়রগা ঈশ্বরগী থুংশেঙ্গু শিংনগদবা নত্তে। লাইরিক মথেক থংবা ঙাক্লনা অশিংবা নত্তে। হৈরে শিংলে হায়রিবা মীওইবনা থরাই হাপ্পা ঙমদবনি। মিংনা উরিবা খুংশেমগী পোৎ ময়াম অসি মীওইবনা পুথোকপনি। মথৌ পাংথোকপা ঙম্মিবা মীওইবগী বাপল-শক্তিদ ঈশ্বরনা শেপীবনি। জীব ময়ামদা লৈরিবা শক্তি ময়ামগী চুপ্পি পাইরিবা ঈশ্বরবু মশক উবা ফংদে হায়রুনা নৈত্তে হায়গদবা নত্তে।

—অহিংবা থরাইবুদি কনানা শেন্না ওমগদগে ? অতৈ লমকৈদা অমুক চংথিদোরে । থরো হান্না শংকদবা লফু পাম্বীহু করম্বনো ?

—মুক্ত, অাদগী মন্নাই থংবা থর নেমথবা অসিনি । মশা চাউব ভাজনা অংগন্নি থনগনু ।

—ইবোকসিদি করম্না থংলিবা ?

—হান্না থরো শাংব্রবা পাম্বী কয়ানা তন্নীরম্বা পাম্নানি ।

—অদুবু করম হায়না থংলিবনো ? লফু অসিগী মশাদা করি থুদম য়াওরকপগে ?

—মথং মথং খিনগংলকপা লা মরাম অসি মুম্না য়েংগদবনি । লফুদা নক্কে কৌ পাম্বীন্নু অমুমছাই, মনা তেনখিনবা হৌরক্লবদি থরো লাক্ল-গদবনি । ঐনা হায়খ্রিবা লফু পাম্বী অসি হন্দক থাগী মমুংদা থরো ঊরগদবনি । সাইন্স তম্বা নংনা মসি থংত্রিবা করিগীনো ?

—ঐখোয় পারাদদি য়াওদনা কদাইদগী থংগদগে ?

—লাইব্রিক্তা য়াওবা থরন্থু থংলগা শিংলে থনগনু । মহুদগী হেন্না থংনিংঙাই লৈত্রে থল্লবদি নপুক্তিন্থু মীথা পোল্লবনি । অইবশিংনা পুথোকক্লম্বা থরন্থু থংলবা মতুংদা নশাগী ওইবা অনৌবা রাথল্লোন ফংলবা তোংনৌ । পৃথিবী অসিনা থ্বাইদগী চাউবা লাইব্রিক্রি । মী অমম্তুং ঈশ্বরগী রাথল্লোন পুল্লবা লাইব্রিক্রি ।

—ওসাই ইবোকসিনা ইশা ঙাকথোকচনবা রারি লিবিগে হায়রগা লিবিথিত্রে ।

—মহাল ঐনা থর হায়খিবতুগা ওসিগী থরসিগা লফু থরো অমম্তুং লক্কোইগী পান্না থংলনিকো ?

—থংলনি ।

—হৌজিক রাথল মুম্না থম্বহৌগদবা মতম চপ চাম্নবনি । নংনা চেক-শিনবা থনগদবা অমদি :- লফু থরো হেক্কে লাকপনা কনানো ? থরোদগী অমুক চেনবা লক্কোই ওইত্রিকাও শন্নল ওইগনি থনবনা

কনানো । মশক মুম্না খংগদবনি, খংলব্রা ?

—খংজদে ইদোকসি ।

—নহাক য়াথাম্মনিগী মখোংদা ঈ খর থোকখি হায়বহ্ খুদক্তা কয়ি হিদাক হাপখি ?

—কুদক্ত্‌দা কদাইদগী হিদাক্লো ?

—ঐখোয়গী ইশাদা য়াওরিবা হিদাকসিদি ।

—করি হিদাক ?

—ইশাগী তিন অমত্তুং হকী ঈশিং ঈশয়না পিবিবা হিদাক্নি । কুদক্তুদা তিন নত্রগা হকী ঈশিং হাপ্লরবদি করিস্থু তোয়োইদবনি । হৌজিক্তি ঈশুগী মরাইবক করি ওইগনি খংদ্রে ।

—অদুদি নংনা তাকপিবা য়াদ্রে৷ ?

ঐনা খংলম্লবদি হায়োইদ্‌দো ।

—মহুগীদমক ইবোকসিস্থু খুংতাইত্রবনি । মতুংদদি নংনা খংনিংবা বাহংস্থু খর খর হংলকউ । খংনিংবা মীনা হৌদোক্ত্রবদি খংহন্নিংবা মীনা কয়ি থাংলিবগে খংদবনি ।

—হোইদে ঐস্থু অপংবী হায়বহুনি । তাকপিনবা ইবোকসি লৈনা লৈনা কবিশুদ্বা অমত্তা চংদে ।

—ঐখোয়গী লৈবাকসে লাইনা থাবা লৈবাক্তি হায়বসে অচুম্বনি । মরমদি মনিপুরগী মফম কুদিংদা হিদাক পাম্বীনা য়েন্নাং ওইনা হৌহনবীরি ।

—হিদাক পাম্বীদি কয়িনো ?

—ঐখোয়না য়েন্নাং ওইনা পিজিরিবা পেরুক, মুকথ্‌রুবী, খুংশিহিদাক, নোংমাংখা', উচিনা, চেংগুম, কংলায়েন, তুল্লশি, মোইনম্বী, পাপা শয়ি; অশ হায়হনা লোইবা নাত্তে । মীগী লমদদি য়াম্না থানা থানা থিমরবা পাম্বীনি । ঐখোয় 'সিদদি ইখোল খ্‌দিংগী কংলিবা অসিনি ।

—হিদাকীপুদি অশেম্বা মরাম অমা হুকাম্না কংলিবা অসিদি ?

—হৈ অতাওবী নংনা কংই চায়রিবা হিদাকশিং অহুদি চাকরগা তুংদা

কৈনিংচিং লাকপনি। য়েক্লাংঙ্গ হৈনা শিজিন্নরিবা অসিদি কৈনিংচিং লৈতবনি। তাইবং মীনা য়ুমদা য়োক্লিবা শা-উচেক ময়ামসিগী মমুংদা লাইচিং লৈতবা মরম্বা জীবনো ?

— থংদেবো। করি শানে ?

— হায়েং। হায়েংদা লাইচং লাক্লুনা পাক্লনা শিবগী থোদোক থোকত্রিবা করিগীনো থংলব্রা ?

— থংদে।

— হায়েংদি মনা মশিং মথল য়ায়া চাই। মরম অসিনা লাইচক্তগী চাকথোকপা শক্তি য়ায়া লৈ।

মত্তু মবেন্না য়ারি শারিদুনা পাখং মচা অনি সাইকল থৌজিল্লক্লুনা মমাং শঙোই ময়াদা চপ লেপ্পী। মখোয় অনিবু উবদা রিতাসনানা —

— হায়। নন্দলাল কদাই চংলুরিনো ?

রিতাসনানা অহুম্না কৌককনি হায়বা থাজরমদে। য়ায়া ইকাই হজোইনা য়ুম হংলগা চংলকপনি। অতুবু রিতাসনাগী অচন্বা মীকোহুনা মখোয় অনিগী চিংনবা কোকথি। ব্রজমনিনা —

— উনদবা কুইরে য়ুম্ন থংগে হায়হুনা লাকইবনি।

— নন্দলাল ঐখোয় চংউব্রা ?

— চংউদে।

রিতাসনানা মওং উবদা হৈত্তোনসিজনা হাল্লকই।

— হায় অচাওবী মখোয় অনিসিবু নংনা হনব্রো ?

— হনবা হন্দবা নন্দলালদি পিশক পিক্লিদৈ মক্লপ্নি। মিং অহুম কৌনৈ।

— থিদা অচাওবিসিদে অচাং ওইরিদুনা ননপ নত্তিন হুরিং-থিরোন্না লাংদৈ তৈশিনি হায়হুনা লৈশাবী কাম্বকাও তৈশিনবা হৌনব্রো ?

— অহুদি বামোন্নিনা অঙ্গা কৌ' তারেনে ? অঙ্গানচা হেক্কা কৌরম্লেকো

— অঙ্গা কোগে কৌ, তামা কৌগে কৌ নংনা, কৌনিংবত্র কৌ থাইনা ঐখোয়গী মমাংদগী চংশরকপা মিংগোন্দ্রি ইতৈ হান্নবা কৌনরুগী

লৈশাবীদা পাখংশিংগা কৌনবা থ,াইদগী শুংশিবা অমম্বুং অর্থ চপ চাবা নিংগৌনি। ইহে! নংগী নত্তোসিদা মী লাকই হায়বগাই কাওরম্রে। ইমুংদগী কক অহনবন্থু পুথোক্লকউরে।

রিতাসনা ইমুং চংলুরগা ফক থু ই।

—কম্‌, কম্‌, হজোইরম্‌। নচন.স মঙ ও থিব্রপে'ংনি। মিংগো লাকৌ মথোং খংদে হায়দুনা ইবোক'সনা তাংলিবহুনি। নখোয়নিদি কদাই কদাইদগী, কনা কনাগী মচাশিংনো?

য়ুমদা পাখং মচাশিং কোইরক্লবদি লৈশাবীদুগী মমা-মবেনশিংনা মরি মথোং য়ুম্যাক শাগে কান্না ফংবা তৌদবা য়াত্রবা চংনবীনি। অচেৎপা মরি লৈনত্রিইদা লৌনবা য়াই য়াদে অফ ফত্ত মচা মশুশিংদা মাং-জোননা তাকপিহৌবা ওয়বা থুংলাইনি। মমা মবেনশিংগী থৌদং তৌদবদগী মচা নিংত্তোনশিংনা ইতাও তাওবনি। মপা নত্তগা মপুগী থৌদাং নত্তে।

—ত্রৈনা অংথাদা লৈবা বামোন বোরজাউগী মচানি। ব্রজৰি কৌজে। মহাক্কা পোইয়ো খোংজিন্দা লৈবা অজ্ঞা ব্রজকেশোরগী চানি। মশিংবা নন্দলাল হায়না রিতাসনানা কৌথিবহুনি।

—নপা য়ানি মচাশা! নখে'মনা হায়রিবা অজ্ঞাশিং অহুদি ইবোক-সিগা কোম্মুংদ ওহাক লৈত্তনা থেংনথিবা তাক্লনি। মত্তিক মগুন লবনিদা অজ্ঞা ব্রজকেশোরদো! শক্ক শক্ক ফজবনে, মীওই মীত্তোনা রুবনে, শেৎত্তোক-চাথোক্লকপা ইপক্ত পকচবনি। মাদি অনা অয়েক াওদেকো?

—য়াওরে ইবোকসি।

—পাজন্না অসুব অশুম শোত্তিল্লকপা অসিদা কোমুং কাবা ওমত্রে। য়াম্রবা ইমায়বী মথাম উনবা ফংত্রে। নপু লৈত্তদৈদগী য়ুম শংবীনবসু লত্রে। থন্নুরগা কম্‌ কপনিংই ইত্তশা,।

হৈত্তোনসিজা বা তাংদনা তুমিন লৈথোকম্রে। কিজিনা মিংলু

নাপোম্ব অনি তৈথোকই । মরিক্তগী মপি তৈথোক তৈথোক্লা হৌরবা পুন্সি বারি নিংশিংলকই । মপুরোইবনা মপান করিতৈদা শল লমচা কজ কজবা থাক্লমই । মরক মরক্তা থাদোক্লগ' মনিং তম্মা চেলহল্লি । হৈতোনসিজনা করিগী.না হংলুবদা :- মপাঙ্গল ইনথংলকপা শল লমচাসিদি থদংতনবা থৌরি কন্না পুনশিনববুদি চেন্নিংবা চেলহন্নুরগা মুংশিনা ফাজিনবীবনা হেন্না জ্ঞান তাই । মচানুপী রাধেসনাবু অপং অশিং তাকপিবগা লোইননা পাথং কোইরকপদা য়াম্মা চেকশিন্না শেন্নখি । বারি শানবা মতম ফ'ওবা ইপি পিখিদে । চেকশিন চেকশিন্না মচানুপী রাধেসনা অহুম চেনখি । ঙসিদি অনৌবা বাখল অমা লাক্কুনা :-

—ইহে রিতা !

—করি হায়গে ইবোকসি ?

—ঙসাই মখৈ ইকাওবু কাওই । থোংজিন মনাক্তগী চৈগুহু অমুক্তা পুথোক্লকউ । নংবোক ঙাংবিনা অমুক্তা লাকপিদবা য়াদে হায়রমই । ঙহাক্তা য়োক্লগে । অজ্ঞ'মচা নথোয় অনি ইবোকসি লাক্লিফাও নচনগা য়ুম শংমিন্নরম্মুকো ।

—হোই হোই ইবোকসি ।

চহি মরিফুতরা হেল্লবী চনুবিনি । চৈগু পাইজ্রবম্ম মখাং কোন্দনা চংপা অহুম ওম্লি । অহল ওইশিল্লকপগী মপাঙ্গল খোঙ্গরকপা অহুদা চৈগুবু মতেং পাংতনবতনি । চৈগু পাইরগা থোঙ্গাল্লোমদা ইরা বাদনা অহুম চংখি ।

—রিতাহোংগী ইবে'কি নিদি ওন্থেক্লা কল্লেদা ।

—ঐনা লাইরিক তমজৈ হায়বতনি । বুধি লৌশিং জ্ঞান্দি ইবোকসিগী মনাক নব্রুবা য়াবা নত্তে ।

—সনানা য়োমচুনা চাউরকপী রিতাদি তশেংনা সনাগী মথক্তা ঙাম্লোইবী তম্ফা ওইশ্রনি ।

—কদাইদগী বানে দা অজ্ঞা ব্রজমনিনা পংথাদা থাগৎপিরিবা অহুবো ?

—রিতা হায়স্থ হায়রি ! ঙসিদি রা অমত্তা হংগেবা ?
—ক'র রানো হেক্কা তাকপিয়ু কৈদৌবগে ?
—নন্দলাল মখোয় অনিদি পিশক পিক্লৈঙ মরুপনি হায়বসি কাওবীরব্রা ?
—করিগী কাওরুনি ? নহালস্থ কাইনা গোবিন্দ খুরুম্বা লাকপদা মানা সিন্দুর পাইথুনা লৈরম্বহু উবদা ঐদি শ্বাই লাওরুররবনি । অঙাং ওইরিঙৈদা চন্দম্মা মমাইদা পাকখোক পাক্লা থিল্লগা ; উরৈ রাম শংবা খুদৈ অমনা মরুক কংথৎপমখৈ কল্লা লাকশিনবহু খংনিং নিংশিংলকই । খুৎলোকপী শাম্নবদা ঐখোয় অনি মুং মুন্নবা নিংশিংলকই । অহুদস্থ নত্তে ঐখোয়দা চাক চামিন্নবদা ঙা থোংদে হায়দুনা মচিন পেথোক্লগা কপ্পহু শংশং উরকই ।

মতোমতা থিক থিক নোকখোকই । মখোয় অনিস্থ নোকই । নোক্লা নোক্লা —

—পাবুংনা পুং 'য়ংগা' মারু ক,ষ্ণ শাহল্লি । ঙগোই শারিবনি হায়দুনা মরুক ইকং কংথোক্লগা পংচোংপ চোংবহু ঙসিস্থ শংশং উরি । শুমাংগী উৃকুল মরক্কুদা পংঙন্দা ওনবগাইহু নিংশিংলি । অশ ! খল্লুরগা ঐদি পংনোঙা নোক্লিংই ।

মখোয় অহুম য়েংন য়েংনরগা পংনোক্কা নোকমিন্নৈ । নোকপদা মমিৎ মমিত্তুগী মপী তানৈ । নোক্লা নোক্লা ব্রজমনিনা অমুক —
— নহাল পঞ্চমী শুমিত্তা নংগা উনরুদবগী ঙাওরবনি হায়দুনা লিশমলোক্কী চীংথক্তা তৌরম্বা ময়ামহু নং উংগৌদদুনা খংব্রবনি । বাংব্রবা চীংন্দোন্দুগী মথক্তা অমুকস্থ উয়ুং মথক্তা কারগ। খুদৈকাই হায়রিপোংনি ।
—অশ ! তোকওবা নংসিদি ?
—তৌরু তৌদ্রনে ? য়াইরি:পাক লম্মীদা চৎলিবী রিতানা উনবা ছাইরিবনি হায়বদাইনে ?

নন্দলালদি নোক্লবস্থ ইকাইখোই করিবোই মরু লুকথদুনা নোকই । ব্রজমনি অমসুং রিতাসনা মিৎচানরগা নন্দলালদা ইঙ্গিৎ তৌর-তৌরগা

থিক থিক নোকমিন্নৈ। নোকপমথৈ নোকমিন্নরগা ব্রজমনিনা —
—বারি পুন্নমক অসি হৌজিক্তি লৈশাবী পাথং কারে কাউথোক্করসি অসিরা ?
—মুংশিববু হেক্তা কাউথোক্কবা য়াব্রনে অজ্ঞা ?
—হায়সু হায়মি, রিতা ঐগী মরূপসি তশেংনা নংগী বাথন্দা চাও-রবনি। অহুনা তসিদি অরেপ্পা অমা থংলুরসি হায়হুনা ননাক্তা লাকচরিবসিনি।
—ঐনা মৈতৈ নিঙোম্নি মানা বামোন্নি। অঙং ওইরিতৈ বারিগা তসিগী পুনসিগা শমজিন্নবা বাহংদুমদি অজ্ঞানা তাকপিগনি।
—নগুংলাংগী কনাগুম্বা মীশক অমনা লম্মখাংদা মাংখিগত্রা হায়বহুসু খর খন্নবিবা কৈদা রিতা।
—য়েঙ্গাং চরা অমগীদমক লকু থরোবু হেক্তংনিরগে খনবীগনু। অমৃত চেনবা লকোই লউ ওইহনগে খনবীয়ু।
—মুপী নখোয়গী থম্মোইসি ওস্থোক্লা কনব্রেদা।
—মুপীগী থম্মোইদি মুপাগী থম্মোইগুম লৌনম লাং ... । হৈজ্ঞন-বীনী। মীনা বারগা মুংতাইজবা মুপাগী থম্মোই মুপীদা পান্দে।

ব্রজমনি কলেজ তম্নবা কনা হৈ-শিংবা শাত্র অমনি। বাহৈগী লাল শোক্নরগা রিতাসনাগী অরেপ্পা থংলুরসি হায়হুনা লাকমিন্নবনি। রিতাসনাগী বাতাংদা ব্রজমনি মথা তাকম থংখিদে।

মুপীবু ঈশ্বরনা শেম্বীরকপা মতমদা মবুথি মরৌশিং বাংনা শেম্বী-রকই হায়নরিবা অসিবু করিদনীনো ? হকচাংগী পাঙ্গল অমসুং তমথিবা লিচৎ বাৎনা শেম্বীরকই হায়বদি মাই। মসিগী মহুৎ মুপী কাংবুদা অথাং কনবগী অহেনবা শক্তি পিরি। তসিনী সংসারদা মুপীবু মবুথি মরৌশিং বাংলি হায়নরিবা অসিদি মমা-মবেনশিংনা তাকপি তম্বীকম থোকপা মুপীগী বাখল্লোন তম্বীদবদনী পংশিনবনি। ঈশ্বরনা বাৎনা শেম্বীরকপা নত্তে। মুপামচাশিংদি মপা-মপু অমদি লৈকাইনী অহনশিংনা

সুপা ওইবগী লৈকম থোকপ' লিংজেল থোনাগী বারি বাখে'ং তজুনা লিবিরি। সুপীগী অরোন-অথু্প পু'ক্কুংগী ইহুল পুম্ন'ক সুপী ওইবী-শিংতনা খংগদবনি। সুপী ওইবীশিংতনা খংগদবনি। মমা-মবেনশিংতনা তাকপি তম্বীবগা সুপীমচাশিংনা খংজগদবনি।

বারি মথা শমথক্কম খংদহুনা তুমিন তুমিন লৈনরিবঁ মত্তমত্তুদা হৈতে নসিজা চথোক্লকবদগী হুজিল্লকই। ম'খোয় অহুমগী বারিদা অযেৎপা পিরম্বা তৌদনা ইমু'দা অহুম চংখি। ওহাক লৈরগা লৈ-বাক্লৈ মম'ই মমিং ইপোম-পোম কপনা কপনা চংলকই। লৈবাক্লৈ রিনাসনাগী মাম্মা অহল বোকুলগী মচাসুপী শাত্রীনি। লৈবাক্লৈগী মতৌদা চিংনবা পোক্লবী রিতাসনানা ইকিং ফিংনা হৌগংলগ' মনম্মী মতুংইন্নখি। খোংজিন ময়াদা কুরি তেইরে ইনম্মা? ইতা রাধামনি কমদোহৌরি? লৈবাক্লৈ বা খুম্বা ওমদনা হিক হিক কপ্পী। মখোয় অ নগী মওংদা চিংনরবী হৈতোনসিজনা —

—লৈব ক্লৈ, নখোয়না ক'প্লবত্তু করিগীনো? ইশু রাধামনি কমদোরে?

—মহাক লৈত্রে ইবোকসি!

—করি হায়রবা লৈবাক্লৈ? ইশু রাধামনিবু শিরে হায়বা! ও! ইবে'ক্কী-ইবেম্মা রাধামনি, ইবোকসি বারি লিবিরগে ইবোক্কী নাক্ত ফম্লরো রাধামনি। বারি অমত্তুং বাংহৌবদা ইশুগী থরাই মাংখিবনি। রাধামনি! রাধামনি! ইবে'ক্কী ইবেম্মা রাধামনি।

—ইবোকসি, রাধামনিগী মরাইবক্তা নহাল গোবিন্দনা নম্বীবকপা অঙাংবা সিন্দুর ওসিন্থু ময়েক লানা লৈহৌরি। রাধা! রাধামনি নংনা ঐখোয়বু থাদোক্লম্লগা চৎলিবত্তু কদাইদনা?

—ইবোকসি, ইতা রাধামনিগী মরাইবক্তা অঙাংবা সিন্দুর নম্বীবকপা বামোন্দু, মপান্দা ফম্লিবা অজ্জা নন্দলাল হায়বসিননি। ইতা নহাক্না নগাল পাইশিন্নু হায়না শিন্নরম্বা লুপা কুন অসিবু কনাদা পিয়ু হান্নরবনো? ইতা! ইতা রাধামনি।

ঙসাইমথৈ ইঙক ঙক্না ফম্মিন্নরম্বা ব্রজমনি অমসুং নন্দলাল জ্ঞান থর তারক্লে। নহাল ফাইরেন পঞ্চমী মুমিত্তা লাইথুরম্বা লাক্লম্বী ৱিতাসনাগী মতা ৱাধামনি লৈক্লে। অঙাংবা সিন্দুর পল্লকপদা নন্দলাল থম্মোই কাঞ্জিনবা ঙম্লক্লে। ৱিতাসনানা হৈতা ইত্তা হায়না কোবা খোম্থাং অতুনা অমুকা হেন্না থম্মোই শোকহনখ্রে। নিংলুদগী পিরাং মতুম মতুম শিন্থরগা —

—অশেংবনি মরুপ, মখোয়না হায়রিবা অঙাংবা সিন্দুর অসি, ঐনা নহাল নম্বীখিবা সিন্দুরনি। সিন্দুরতুনি অঙাংবা সিন্দুরতুনি।

মখোয় ময়ামগী মতৌ উরগা ব্রজমনিসু থম্মোই ফাজিনবা ঙমখিদে। মিংনা উবা খোদোক্কীদমক থম্মোইদা হরাউবা, মুংহাইবা, অৱাবা, শাউনিংবা ফাওবদি শা পুম্নমক্কী থম্মোইদসু ফাওই। হৌখ্রবা, খোদোক্কী বারি তারগা, থংলগা হরাউবা, মুংহাইবা, অৱাবা, শাউ নংবা ফাওবা ঙম্বদি মীওইবগী থম্মোইথক্তনি। অহেনবা থম্মোই অনিমক্না মীওইবনা শা অতৈদগী শাথিবা অমসুং মীয়ামগী চানবা হেল্লিবনি।

— —

লবলগী মৈনা চুবা

অঙ্গাহন ব্রজকেশোর লৈবাক্না শকথংনবা অমসুং ব্যবহার তৌনরিবা মীশক অমনি। অজা-পুজা তৌবদা মহাক্না লাই থৌরম্বীরবদি অৱা অনা কেক্ত-কোক্লদবোই নিংই। মহাক্না ৱাহৈ তামক্তুং হায়খিংদা মাগী তুংইন্নরিবা মীপুম খুদিংনা অয়েংপা তৌদে থবক শুইনা পাংথোক্লবা হোংনৈ। মাগী থবক থোক্লকপা মক্তমদা মাগী মী ৱাক্তে। করি অমুক হায়রুনি মাগী লৌউ-শিংউবগী থবক ফাওবা ময়াম চংহুনা শুবী। মাগী হায়ববু ফোদি, হার, অমদি হৈথা-পোথাৱাক্তনবা হোংনবা অসিনি খুত্তুমনসু ময়াম্না লৌ হায়বা য়াদে।

ইমুং মপুংগী মমা-মপা ওইবশিংগী থবক মচাশিংজনা ময়েক শেংনা থংই। মথোয় মথোয়না তৌবা থবক্কী অক- কন্ত মীয়াম্মা উরিবদি মপা-নেংগী মিংনা উবা থরদনি। মচুং হুজিনবা থম্মোইগী বাকমদি লৈমিন্নরিবা মচা-মপু, ইমুংমনুংতনা থংই। নাকল অমরোমদা করবমু, নাকল অমদা হোরিবা ব্রজকেশোরগী বাথল মচানুপা অতোম্বা নন্দলাম্না ময়েক শেংনা থংই। মরম অসিনা মপা-মচা মোং কয়া মান্নদে। করিসু লৈতবা বাকম অমগীসু মপা মচা শাপিনা য়েংনরকপা য়াওই।

নোংমা থৌরানি চাওবীনা মাঙ্গোন্দা য়েঙ্গাং মন্দুনা। লৈরিবৈদা থৌবাল নিংত্তোম্বমদগী বামোন অহল গৌরচন্দ্র লাকই। থৌরানি চাওবীনা ফিদা পুথোক্কুনা থারবা মতুংদা :—

—শুসি অজ্ঞ হন্না ইথা থাজদনা লেংবীরকপবু ...?

—করিগুম্বা বাকম অমগী ইবুংঙো ব্রজকেশোরগা উননিংজুনা লাকপনি। মহাক্পু লৈরব্রা চথোকখিব্রা ?

—অংথ'দা য়ুম শেংবা চংখি।

—ইবুংঙো নন্দলান্দি লৈব্রা ?

—মহাকপু য়াইরিপোক্কা থবক অমা চংলুগনি হায়দুনা মথাংথংবসিদা লৈবা মৈতৈ মমান্নবা অমগা চংখি। করিগী ওইবীরবনো ?

—বারিসি ইবেম্মদা হেক্তা হায়রম্লগে। হোরেল, ইবুংঙো লাক্লগা তুনিম্না বা তাম্নৌ। চিন-য়া য়ৌ য়ৌ তৌবা য়াবা বাকমদি নত্তে। অসুম খুকউ শেলহৌসি হায়বগী বাকম্নি।

—অজ্ঞানা তাকপিরিবসিবু কয়স্বা বাকমগীনো ? ইচাবু কৈদৌনবা য়াওরবগে ?

—শুমদোবনি ইবেম্মা, ঐনা শুম পাওলৌবদা ইবেম্মগী ইচ'মুপা অতোম্বনুনি হায়।

—মানা কৈদৌরবা ?

—মৈতৈ লৈশাবী অমা কোইরে। মতমচানা বারক বাতেম তৌহৌব্রবদি থামোন ঐথোয় পুম্বা নরক তাবা তারে।

—মুপীছুবু কনাগী মচানো ?
—বাংখেম সিদগীনি হায়রা.... ? হৈতোনসিজগী মগুমুপীনি। মমিংনা রিতাসনা কৌই। মরি মখোংদি মুম্না হংলক্তে, ।
—এ ! খংকে ! খংকে ! ভাব তারে ।
—অহু অদা খংদে ঐখোয় ময়াম চেম্নুদনবা হোৎন হৌদবা য়াদে ; ঐ চৎলগে ।
—ফনি অজ্ঞা ?
গৌরচন্দ্রনা চৎপ্রবা মতুংদা চাওবী থোরান্নি খোইদৌ শাউগৎপা অসুম হেল্লকই। মচন্দা চবেং চবেং ঙাংবা হৌরকই ।
কৈ ঙসিদি লাকখিসনু। মপাসু মচাসু চপ মান্নে। ঐগী ইরা লৌবিদবনি। কুলধজনা ইচা নন্দলালবু পুর পুরগা চাক পিজবসি তৌহনবিগনু হায়জবনি। শেরা, মতমদুদা মাই প্যাবুংনা অঙাংদি দোশ লৈতে হায়দুনা ইকোম কোম্না পাদোকপনি ! কৈ ঙসিদি লাকখিসনু ।
কালেনগী মুমিৎনা কোকতোন য়োরক্লে। থোরান্নি চাওবী ফি ফি কামদুনা লৈরি। মতম আসদা ব্রজকেশোর লাই বালহৌবা নংলয়োই হায়দুনা তহা তহা লাকই। হেন্দন্নি, কে,মনি, রিমনি থংগ্রবা মচু চপ মান্নগ্রবা মাগী সাইকল হমুবা অহু ইচুম তাকমফাওবা কিদ্রিক কিদ্রিক থৌঙিল্লক্লগা কন চোংথৈ ।
—থর ঙম্না হোৎনসিকো হায়রগা শঙ্গোমফাওবা থোরাং তৌরমদবনি । কয়া থেংপ্রবনোসে। শে শে ফিরোলগাইসি লৌশিল্লুসে। কোবি মশোইছু নত্তবা অতৈ লৈত্ররো ?
—লৈজদ্রে লৈজদ্রে অতৈ লৈজদ্রে। কোবি মশোইসিফাও মনিং মরাদগী হেক্লকপা ওইরমাল্লে। লাই কৎপা য়ারয়োইদবা অসিবু করি কান্নগবনো থুই ...।
থোরান্নি চাওবীনা ফুক হৌগৎলগা য়েঙ্গাং পোলাংদুদা মতিন

শিংচিল্লগা মখাথংবা য়েন্নখাদা শং হৈদোকখি। মহু উবদা ব্রজকেশোরনা চক্লা —

—মুপী নংনা ত্তোরিহু করিনো ? ঙসি থেংগ থেংঙে হৌন্নকো।

—ও ইবুংঙো শকহেনবা ফরে ফরে হৌজিক্কি ফরে।

—করিনো ? নংনা ঙাংলিবহুব কনানো ?

—বামোন্দা ! বামোন্দা ! মৈতৈ থাজবা বামোন্দা !

—করিনোনে মসিনা ঙাংলিবসিবো ?

—অহল ওইব ওইরগা ফজরনি ! লেম্মনি ! মৈতৈ চকু উয়ান চাদোরে ! নহা ওইরিবৈঙদা ওইরাদ মুংশিদোবা।

—হৈ ! করিনো ? কনাদনো ? নং ঙাংলিদো ?

—হৌজিক্কি থংলবস্তু থংলরোই, তারবস্তু তাররোই ! মপানবু য়ারবদি মচা কনানা মমাগী বা লৌদোরিনো ? শিজপ্রগে, শিজপ্রগে, ঐদা শিজপ্রগে।

—মুংশা মরকসিদা রানগ' লাকপসিদা ঙসি চৈ চানিকো ? মথোং মরম শুকখং খংদনা মানা ঙসি তৌরিসিবু করিনো ?

—খংঙরোই খংঙরোই। মৈতৈ মুপী নমো ওইনিংবদগী কুল্লধজগী মথোং কোল্লিবহু খংঙরোই।

—মসি মুপীসি মচিন থিমন-লাকমনথ্রে। ইসোইদগী তাগে হায়হুনা তাবনি। থিয়ু, থিয়ু, নচিন্দু থিয়ু !

চেনশিন্দুনা ডুপ ডুপ মনঙন্দা অহুম মরিরক থুক্কুম্না শুরগা —

—হায়য়ু কনাদগী তাবা পাওনো ?

—ফু, হাংলু ! তাবা তাদবা হায়রিসিনি।

মমাগা মপাগা ফুনরিবৈঙদা নন্দলাল মাগী মরুপ লিলমনিগা সাইকল থৌজিল্লরগা ইঙক ঙক্লা শুম্মাংদা চপ লেপপ্লি। শাউবনা লুতোন কাপ্রবা ব্রজকেশোরনা মচাবু হেক উবদা —

—হৈ গধা! শাগৈগী মৈতাল অশিবা। মৈতৈ মুপী কোইরিবা

করিগীনো? নহাকথক্লা বামোন পুম্নমক নরক তাদৌরি। মকু মনেম মপুরোইবনা ঙম্মক্লগা ঈশিং থুয়া অমা ইলহনবা য়াত্রবী মৈতৈ হুপী লোগে থোরাংলিবা করিগীনো? করিগীনো থুম্মনহে নচিন্দো?

মপাগী বাঙাংদা নন্দলাল, লিলমনিগী মমাংদা ইকাইথিবনা চংশিল্লে। থকসি, খাসি, লমচৎ ব্যবহারগী বাখল পুম্নমক মাংখ্রে। হায়নি হায়রোই থংদনা —

—বামোন ঐখোয়সিবু মনিপুরদা কমদৌনা লাকথিবগে? বামোন হুপী অনা হাঙৎকথিবগে?

—তৈ অঙাং চিম্মিবা। নংনসু চিম্মক্লা থম্বা শাই!

—ইচাসিদি অহুনি ইমা য়াই। হুপামচা হায়বহুদি অহুনি। হুপা খোক্লা খুমগদবনি।

—বদমাস! মপা-নপু মশক থংদবা নংদা হাংগা লোইরে।

অশাওবনা লুতোন কাপ্লবা ব্রজকেশোরনা বালোক শংদগী শিংগাইপাক অমা পাইরগা ফুগদবগী চেনশিল্লকই। মপাগী মরিংজেল থলবা নন্দলাল্না মশা কল্লনবা মথৎনা শিংগাইপাক থকচে। ব্রজকেশোরসু মচানা ফাপ্লবা শিংগাইপাক শাম্নোক্লবা হোৎনে। মতৈ মতৈ শিংগাইপাক মুখ্রে। লিলমনি থংনবা থামদোক্লবা চেনশিল্লি। ঙসাইমথে মাগী মাগী য়েম্নখাদা মন্য থাঙজগনা থংনবা, লাউনবা, তাবদা লৈকাইগী মৈতৈ হুপী, অঙং অমদি অহল পম্নমক চেনশিন্নরক্লে। মপা মচাদগী শিংগাইপাক মুন্দুনা থামদোকই। মীয়াম্না করিগীনো? করিগীনো? হংনরক্লে। মীয়ামগী বাহংদা ব্রজকেশোর চিনবান কাংবা ঙমখিদ্রে। মচাহুপাদা মথা চিক্কুনা য়েংলম্নগা ইমুং চংখ্রে।

—

হৈতোনসিজগী অরোইবা

হৈতোনসিজা কমজাওগী কম্মাংদা অরোইবা পুন্সি খোংচৎকীদমক থাজাহনা লৈরে। মহাক্না মপাল্লদ কপ্লিদুনা মতমদা নহা অহল চাই লোংগা খুদিংগী চান-চানবা ধারি কত্না লিবিরমই। কামবা মীওইতাক কত্না পিবিরমই। মাগী মী মাচে মহাক ওমত্রে তাবদা মাবু ঙুংশিজবা মীওই কন্নানা অনাবা হংবা লাক্কমমই। নহা, অহল, শুপী, অঙাং অনাবা হংবা লাকপা মীওই কন্নানা ইমুং মাঙোল কংক কংক ইন্নরে। মীয়াম মরক অদুদা মচাশুপী রাধেসনা অমমুং মতশুপী রিতাসনাবু থিরকই। মমা মচা চংশিন্দুনা হৈতোনসিজগী নাক-য়েত্তা কম্লগা মখোং মথং নানবীহনা সেবা তৌজে। হৈতোনসিজনা মমা মচাবু য়েংলগা—

—রাধেসনা?

—ইমাসি।

—রিতাসনা?

—ইবোকসি।

—ইমাগী ইবেম্মা, নং জ্ঞান তাংকো। নংনা লৈশারিদুদনা ইমানা হায়বা রা নংনা লৌখিদে। হৌজাক নংসু ইমাবু মশক খংলরিগনি।

—ইমা নচানা লানথিবা তাকনি, নচাবু তাকপিয়ু।

—লাইরবা পিদং পাদংপা মচাশু ওইসমু, জাতি তোঙানবা মচাশু ওইসমু, নংগী শুংশি লম্বীদদি ইমা থিংলোই হায়খিরা?

—ইমানা তাকপিখি।

—লৈকোনগী রানী অতর গুলাপনা শিলঙ্কা হৌবদগী লৈরাং নাতো-নজাবি ওনখিবগী রারি কনানসু থিবিদবনি। করুই ইরাদগী হৌরকপা খথালগী হৌকম শাংকমদি থংনবা থিনবনি হায়খিরা?

—হায়খি।

—লিক্লিদা য়াওবা খোহিসী হৌরকফম মীয়ামা থংবীবনি। মীওইবনা মপা-মপুগী হৌরকফম থিনরিবসি ফজবা শক্তা নত্তে গুন্দনি হায়খিব্রা ?

—হায়খি।

—নশাদা মস্তিকচাবী, গুন চেনবী, মুপী ওইবা ওম্নবদা হোৎনখো। নংনবু অকবা মুপী ওইববদি নপুন্সিচুপ্পা লৈশাবী ওইবা য়ারোই। নংগীসু মস্তিকচাবা বর অমা শোইদনা লৈরমগনি হায়খিব্রা ?

—ইমানা ক্লাকপিখি।

—নহৈ নশিং তম্বা লোইরগা মতমচানা লৈরাং থম্বাল ওইগেরা; নাত্তোনজাবী ওইগেরা; নংনা ওইনিংবদা ওইজৌ। হয়িংখোয় মপী রানীগুম নচা-নগু নাওকোন্দুনা মুংঙাইবা লৈগেরা; মমা-মচা ওইংগী মুংশিনবা মশক থংদনা, কোংজেং কোকফাই অমোমগুম নপুন্সি লেনগেরা; নংনা ওইনিংবদা ওইজৌ। নংনা পামজবা মমা ওইখিবদা ফংলকপা অরা-মুংঙাই মহৈছদি মমা-মপা ওইবা ঐখোয়গী দ'য়স্থ নত্রে হায়খিব্রা ?

—হায়খি।

—মীয়াম মমাংদা লুহোংবা য়াবা ওইরগা হোংবীনি য়াব্রগা হোংবীরোই হায়খিব্রা ?

—হায়খি।

—মুপা সমাজদা মপা-মপুপী হৌরকফম থিনরিবা অসিগুম, মুপী ঐখোয়সু মুপী মরি থিনহনসি হায়খিব্রা ?

—হায়খি।

—ইমানা হায়খিবা পুম্নমক কাওখোক্লগা থংলি থংলি চেনখিবা নব্রা ? অমুত চেনবা লফোই লউ ওইবন্থ ঙাকওমদন্থনা নশাবু নশানা মুমিদাং-বাইরমদা পোমশাংনরগা অহিং মমৈদা লৈমন চনখিবী লৈকং থরো ওইহল্লখিবা নব্রা ?

—মাগ্নি ইমা, নচানা বাৰ্থল থেনবী ওইখিবদগী ইশানা ইশাবু যৌবনগী মুংঙাইরবা পুন্সি তহা তহা লোইনহনখিবনি।

— "মুপীনা মউৎনি, মুপা শামুনি" হায়বা বারিহু মুন্না খল্লুদবদগী কুম্লখৎরু মাইথিরবা শামু ওইহনখিবা নত্রা !

— পুম্নমক নচাগী ইয়ান ঙাক্কনি ইমা ! ঐনা মাবু যৌবনগী মরাই কাবা নিশা হন্না হন্না পিজহুনা ঐখোয় অনি পুন্না মেট্রিক ফেল ওইমিন্নখিবনি ।

— নং চেনখিবগী হায়দোকপা লাকপা মুমিত্তা মখোয়গী অরৈ-লৈত খংদনা নপাবুংনা লুহোংগনি হায়দোকখি ।

— ননেম লাইরবী লুখ্রাবী অহুনা নং অমদি মচাগী ইজ্জৎ কন্নবগীদমক লৈজরম্বা লৌ শঙমহু য়োংম্বোকখি ।

— পংলবী বাখল খেনবী নচানসু অউনপ্রোৎ হায়মই য়ামদে হায়হুনা ইমা-পাবুংবু অরাবা পিখি । নিংথেম নিংঙোন্নি শামু কোংগনি হায়নসু কপখি । ইমোগী মনিং থহনগনি হায়না ইনেম লাইরবীহুনা পাম্বোম তিংবীখি । ঐবু লুহোংবা মুমিত্তা শামু তে'ংহনখি ।

— নিংথেম নিংঙোন্নি সনা ক্বাগোক, লুপা ক্বাগোক হাংদবা য়ারোই হায়হুনা ননেম লাইরবীদা ননশিনবি'খ ।

— ইমা হৌখ্রবা বারি কয়াহু নিংশিংলুরগা নগাগী খম্মোই পুবা য়ারক্কে । ইনেম লাইরবীহুনা পুরম্বা ইমুং মপুংগী শোংলুম ময় মহু, লুহোংলবা মতুংদা নচাগী মিংনা উবা ফংজখি ।

— পাক্করন স্কুল লিংখৎপগী ইহৌদা নপুরোইবনা রাংখেম এল, পি' স্কুলগী ওঝা ওইবা ফংজখি । মহাক্না ইহান হান্না তলব ফংবা মুনিত্তগী নখোয় অনিগী অনৌবা অশা ময়োল চোংলকখি ।

হৌখ্রবা খোদোক কয়া নিংশিলুরগা রাধেসনা খম্মোই পুবা ঙম্লক্কে । কাইনগদৌরবী মমা অমদি কাইনখ্রবী মনেমগী বাখল খল্লুবদা নিংলুগী পিরাং খাম্বা ঙমশিল্লক্কে । মমাসিগী বারি শানবদা খোজেল চুন্না ঙাংবা ঙমজখিদ্রে । কপনা কপনা —

— ইমা ! মুংঙাইয়ু তস্বীরক্কবা নচাগী পুক্নিনি তলব ফংলে হাধবগী

হরাত্ত মীনোক্তো মতম কুইনা নোকপা ফংজখিদে। খা অহুমগী মতুংদা ইমুং মন্নুংগী পোৎলুম পুম্নমক পংলবী মমৌ ঐগী ইকোকথক্তা থোন-গৎপিরমই। মাকচিংগী উলেন কয়া থাংজরক্রবী; কানেনগী শারবা কোয়ো মৈশা কয়া নংগ্রবী ইনেম লাইরবীগী মুংশি চেংলৌ উবা ফং-জখিদ্রেনে ইমা।

অয়োইবা য়াকিপ ত'নগদোরবী হৈতোনসিজগা মচাম্বুপী মাথেসনাগা কপনা কপনা পুকমেন পাওমেন্নবহু উবগা লৈরিবা মীয়ামহু খিৎকী শিরাং থাম্বা জম্নখিত্রে। মবোকসিজ কাইনরগনি খল্লবদা রিতাসনা থম্মোই কাইনা মবোকসিবু কৌ কৌহুনা কপ্লক্লে। অনাবম্বু অকন্নবম্বু মহৈ মহৈ পংকপ্তা কপমিল্লক্লে। কপ্পমথৈ কপমিন্নরুরগা—

—ইমাগী ইবেম্মা, অমুক ফরকখিনি হায়বা থাজরুরম্বু। ইমাগী পুন্সি চেংজেল জসি মতানিদা তাইরবনি।

—হায়হৈদেনে ইমা।

—ইমাগা পোকমিন্নবা মামতোন তোম্বীমা তাকপিরম্বগী মতুংইন্না ইমানা খংজরবনি। কুমসি চৈরাওবা থুমিত্তা, নোং তানবদগী মথংগী নোং তানবক্তাওবা অহিং নিংশেল থাংহুনা য়েংবদা খংগ্রবনি। চৈরা-ওবা থুমিত্তুদা ইমাগী খয় পুংকম ওইদগী য়েত্তা ল্যানখিগ্রবনি। কুমশি শিরনি হায়বা ইশানা খংজখি। পানংলকপা হুমনি পানবা থুদিংগী য়েংজবদা চম্মক থানা লোইরে খংজখি। ইশাগী মিহুল মতুংইন্না জসি মতানিদা তাইরক্লে।

—ইমাসি, নচা ঐথোয়বু মুংশিবীজরা? মতম জরদগা নাওকোন-বিখোনে ইমা।

—মুংশিবা ইচা-ইতু, শাগৈ-নাতৈ, মরুপ-মপাং পুম্নমক মাগী মাগী পুন্সি চেংজেল লোইরগা কাইনগদবা তাকনি বারুম্বু। হিংলিঙৈ মতমদা ইশা ইশাগী ইথৌ পাংথোক্লম্বা জম্নবা হোৎনরকউ।

—ঈবোকসি নগুবু মুংশিজিত্রবরা? নগুবু থাদোক্লগা কদাই চৎপীদৌরিনো?

—ইবোক্তি অশেংবা য়ুমদা থর হান্না চংলক্লগে । নখোয় ময়ামদি লে-
ত্তৌশো ।

—ইবোকাস ।

—ইশুনা বি, এ, পাস তৌরগা হর উ মোমোন নোকপন্থু ইমিংসিনা
পেম্না য়েংখিগে থল্লখনি । অছুবু তাইবংসিদদি উহনবীরোইদৌরে ।
রিতাসনা ইবোকসিনা তাকপিরম্বা ময়ামন্থু কাউগন্থু । নংনা নয়ুম
পাল্লগা নকু-ননেমগী শেবা ফজনা তৌ । নচা নশুবু অচুম্বা লম্বীদা
ফজনা লমজিংউ । নগা শেম্বনা থু,ইদগী চাউবা থৌদাংনি । শেল
তানবা মুপাগী থৌদাংনি । মগা ময়ামগী ফিদম্নকম মমা ওইরকউকো
রিতাসনা। ইবোকসিনা সর্দগী লৈরাং কুজোক কুজোক চাইথরক্কে ।
ইবোকসিবু নরক্কা চিংথনবা থবক তৌরক্কম্নকো রিতাসনা ।

—ইবোকসি নযাথং ভাকপা ভমজনবা বর পিবিরম্মু ।

—কদাই নংকাক্কু নোম্নরকউ । (রিতাসনা নোইস্থ, মকোক্তা অছুম্নক
লান্থবীবরগা) ইবোকসিগী য়াথং ভাকপা ভমজরোকো রিতাসনা ।

—ইবোকসি ।

—লাইরিক হৈরগা সরকারগী থবক্তবু মিকানন্থনা নশানা নশাবু
কাংথথাং ওইহনগনু ।

—ইবোকসি।

—ইমাগী ইবেম্মা রাধেসনা ?

—ইমাসি ।

—সে সে নচাগী থুং অনিসি পাইয়ুসে ।

—পাইজগে ইমা ।

—ইমানা ভসিদগী নচাসে নভোন্দা অমুক শিন্নরবনি । নহালমথৈ
ইমানা নহুং শিন্দুনা মাবু শেম্নীবনি । পিবা য়াবা রারি কয়াম্থু
লিবিপ্রবনি । ইমাগী কর্ম হেক লোইবগা নয়ুমদা পুবীখো। ইম
ইচা ঐখোয় ময়াম উনগদবসি ভসি মতাংনিদা ভাইয়বনি। ইমাবু

থাদোকপু থংলত্রা ?

—ইমানা থংবিরিবা পুন্সিরোল অহু নচাদা তাকপিরম্বা য়াইরোত্রা ?

—য়াই, অহুবু তাক্লম্মরোই ইমাবু বারৌগনু ।

—করিগীনো ইমা ?

—হৌজিককালগী নহারোল নশানা নশাবু বারকচবা ওমদবা শোঙ্নবা মথোয়গী পুকচেল্লা পুন্সিরোল অসিগী মথৌ তাকপা ঙম্মরোই । শিবগী মুমিৎ পাবদা নথৌ ওকম থংলরোই । নপুন্সি তেনশিন্নবা লম্বী ওইগনি । থংদবগী থংদবা অহুম থংলুরগনু ।

—ইমা !

—য়েংঙোই মথা থংবগী ইংখোল লৌথাই তোঙানবা অসিনা নংগী ওইজরো । পাশংখোং লৈরক মপাদা লৈবা লৌ শঙমহুগা ওইজরো । অতৈদি নবুং বোকুলগী ওইহল্লো । মচা যামইকো । নবুংদমু ইমানা বারি তৌবম্নবনি । মতাংচাদনা বিতাসনাদা অয়েৎপা পিক্ররগনু । বি, এ, পাস তৌরগা থম্মাল ওইগেরা নাতোনজাবী ওইগেম্না মশানা পাম্বদা ওইহল্লু থংঙত্রা ?

হৈতোনসিজা মশাগী অরোইবা মিকুপ ফাওবদা বাখল চোইখিদে । মমিৎ মনা শিংনা জ্ঞান তানা মচা মঙশিংগী পুকমেন পাওমেন্নখি । মশাগী চহি মরিক্তুরামঙা ওরকপদা অরোইবা য়াহিপ তানখি । মচা মঙশিং শেম্নবা হোৎনবদা মিৎকুপ পুংজা অমত্তমু খাখল পোথখিদবী হৈতোনসিজনি । মচা মঙশিংবু মতমপুম্বদা মুংশি মিৎয়েংতনা নাও-কোঞ্জবী হৈতোনসিজনি ।

ইমা ইমা-ও মুংশিবী
মমোমও মৈতৈ লৈমগী
মমা কনানা নংগুম্বী
পারি-মমোম নাওকোনবী ?

পুন্সিগী চেংজেল লোয়শ্রবী
পুন্সিগী খোয়রেল থংশ্রবী,
মীওইগী পোক পলেম মুংশিবী,
মমোন ও ভারত লৈমম্নী,
কয়া লৈরগা নংগুন্বী
অপুনবা মালেম লৈমগী
ফংগনি কৈদোউৈ শান্তি ?
শাত্রগী পুনসি কংখিস্ত্রে,
মতমগী ময়েক থংখিস্ত্রে,
পংই করম হায়রাসগে ?

লোল অমদগী অমদা কোংদোক হোংজিন য়াদবা মশাগী পোক্লকমতদা শেংনা লৈজবা সাহিত্য লৈচন্দি উচল শেরেং থক্কনি। লোল অমদগী অমদা অর্ধচন্দ্রকপা মতমদা মান্নবৈ অমত্তুং খোস্তোক মশিং কাইরকই-

—

থম্মোয় অনিগী লাল

সিনামওম্মা কুল্লথজ অঙাং ওইরিবৈদা মবুধি মমৌশিং য়াম্না ফনা হৌরকখি। মাগী মওং মতৌ উরগা সিনাম শাগৈ লেমজনিংঙাই ওইরনি হায়না সপাবুং কুল্লবীনা অশা চাউনা খল্লরম্নি। মরাইবক খিবনা মপাবুং নৌনা কাইনখি। মপাবুং লখিদবা মুমিত্তগী লৌ-ইখোল কোইবা, য়ুমগী থবক পুম্নমক কুল্লথজনা পুবা তখি। অহিং মমৈদগী লৌবুক্তা শনপোং খোইবা চংলি। কংলনগী মুংশা মরক্তা লৈওংগাত মথক্তা থুয়াথাং করিশু য়াওদনা শনপোং খোইজ্রে। লৌবুক্তগীর না কারক্লগা চাবোই চাদবোই তৌরগা স্কুল য়ৌনবা চেনচং চংচৈ। হবা-গাড়ি, সাইকল, মরাংকাইনা লৈনস্ত্রিবৈ মতমনি। লাইরিক তম্মিংবা শাত্র-শাত্রীশিং ময়ুম ওয়ুমদগী স্কুল কাওবা হজং হুন্দা চংনবা তাক্তনি।

কুল্লধজ বাংথেমদগী থৌবাল্ ফাওবা চঙ্গং হন্দা মুমিং খুদিংগী মথোংনা চৎলি ।

বাবনা মশা চোকথরবা কুল্লধজ শাত্র ওইনা পারাদা পুক্লিং চংবা ঙম্লক্লে । ওঝানা তাকপিরিবা পারাদু খংনবা পুক্লিং চংনা তাবগী মহুত্তা উইদুনা পুং তাবা ঙাইহৈজে । যৌবনগী লাইরেম্বীনা অমুকন্থু মথদাং পাইদুনা ঋাজিনবীত্রে । লশ্মী লমফাংলবা কুম্লধজবু তুংগী লশ্মী অচুম্বা তাকপিনবা কনাস্থু লৈখিত্রে । পূনসিগী মাইথিরবা লাম্মী ওইত্রে ।

রাধেসনাংগা লুপোংলবা মতুং চহি অনিরোমদি বানা খাংজখি । পাক্করুনা স্কুল লিংখৎপগী পৌরাংদা ওঝা ওইবা ফংজখি । বাংথেম এল, পি, স্কুলগী ওঝা মকোক (হেড পণ্ডিত) ওইবা ফংজখি । মহাক্না লাইরিক তম্লকপদা মনিং থুংলক্কবা ময়মতু মচাশিংদা থোক্কনবা য়াম্না কম্না হোৎনজে । মচামুপী রিতাসনানা মবোকাসগী মনাক্তা লৈজত্রবস্থ অবাং-অপা করি লৈবগে খেংশিনবাদ লোকখিত্রে । মহাক্না অমুন চথোক চশিন তৌবদা মাবু মুংশিবীবা কনাগুম্বনা “ নন্দলাল অমস্থ রিতাসনাগী বাখললোন চিংনথিংডাই ওই ” হায়না নাকোংনন খংহল্লক্রবনি । মাগী মুপী রাধেসনামক্তা রাজম অসি মুমিদাং কনা তাহন্দনা হৌদোকত্রবনি । মতমহুদা ওঝা কুল্লধজনা রাধেসনাদ হায়খি :—

—ইনেমসিবু ঐনা খাজে । ইনেমসিনা শেম্বদা থোক্কুবা মীতু ঐখোয়ন শেম্ররুবা ঙম্লোই । যৌবনগী ইথক ইরাংদা তাওথখিদোরে হায়দুনা ঐখোয়না য়ো য়ো তৌগদবা নত্তে । ঈশ্বরনা মতমচানা পিবিরকপা মুংশি ইফুৎপু শিংনগদবা নত্তে । অঙাংশিংনা লোম্না থুপনা কিন থমজরিবা মরাল খর মথৈদি ঙাকপিগদবনি । অমুক লাল্লুবগীদমক অহনশিংনা খংলক্লগা করি হায়রক্কদগে ; করি তৌরক্কদগে হায়না খংহন্দনব হেকশিন্না থমজরিবা ফিজং খংহাঙ্গ হাঙ্গদে কপিবা হৌনদে । ফিজ

অছু হাইদোকপ্রবদি অহনাশিংনা শংলপোংসিবু হাম্লহনা মথাই কাবা হেল্লকান ।

ঙস্বা কুল্লধক্ত কম্বিসু লৈতবা যাকম অমসীড় য়ৌ য়ৌ তৌগনবা মীতা নত্তে । মাশী ঙুপীনা নক্রগা মচানা অরানবা থবক অমা তৌ-বগীদমক থদক্তা ফুদে চেদে । অচুম অরান অকক্তবাখল মুন্না তৌরগা মী উদবা মতমদা ফুই, চৈ । মরম অসনা ঙসি লাম্লবগীদমক কৈনৌডৈ কুরক্কদৌরবনো খল্লবমক্তুনা বাধেসনা য়াম্না বজরশী । লৈশারিঙ্গা মনিং য়ামই, লম হেল্লি ভাংনরম্ণী বাধেসনা মৌ ওইরবা মতুংদগী মথিং পাংথৎপা ঙমক্তংদে ।

অইয়াম্না শিংথানবীপ্রবা এল, পি, স্কুলগী ওস্ব ওটজরম্লু বাখল্লি য়াম্না বাংই । মইরবাক মচাতিগী বাখল থুনবগা লোইননা মালেম পুম্বগী বাখল থম্ল । খোঙান তোঙানবা কাংলুপকী চংন-লোনচং পুম্বগী বাখল থল্ল । ধম্মলিপি, পাক্তলিপি, অথ নিতি পন্নাগী মরম্দ অক-কন্ত থল্লি । তোঙান তোঙানবা ধর্মশিংগী লাইরিক পাই । ধর্মগী পাঙ্ডিত্ত ক ময়মগী মচি ওইবা পাঙ্ডিত্তাক শং মুন্না থইজ্ঞ । মখানা চংচরিবা ধর্ম অহুতনা অফবনি, অচুম্বনি, পন্দুনতা লৈবা মীতাম্ল মক্তে । মখানা পামজরিবা ধর্মতুগী চংন লোনচং তাক্না চংচবগা লোইননা অতোপ্প ধর্মশিংবুস্ব ব্যবহার তৌজবা মীতানি ।

মতাক্র, ঙুমিৎ থুাদংগী লোইনরিবা পিক্র পিক্রবা কবিসু থংজ্রিবা অঙাং-শিংবু উরগা মখল মথেল বাখল কয়া থল্লি । লাইরিক ময়েক কবিনো থংজ্রিবা অঙাংশিংবু ময়েক থংনবা হোৎনরিবা ওঝাশিংবু মীয়াম্না ঙস্থনা থম্নরিবা অসিবু কবিগনো ?

ওঝা অমা ওইবগী গুনসিবু পাইহনা তাম্বীগদৌরিবা লাইরিক অছু য়েংলগা লেপ্পা ? কবিসু থংজ্রিবা অঙাংশিংবু মতৌ করম্না হৈহনগদগে, থংহনগদগে থল্লিবা ওঝাশিংগী বাখল্লোন য়েংলগা লেপ্পা মীয়ামগী ব্যবহার ফংনবা হায় স্কুল, কলেজগী লাইরিকশিং অঙাং মচা-

শিংদা শিজিন্নবা য়াগদ্রা ? অপিকপা অভাংশিংগীদমক ওঝা খনবদা অস্থুক কোমথোক্লরিবা অসিবু করি মরমদগীনো ?

মহাক্না মুমিৎ খুদিংগী লোইনরিবা হাও, পাঙল, মৈতৈ মচা শাস্ত্র শাস্ত্রী পুম্নমকপু চপ মান্নবা মিৎয়েংদা য়েংবা ওঝা কুল্লধজনি। তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী অভাংশিং অতুনা লোথুপ লোকোই লৈনদনা পুল্লপ কম্মিন্নবা, চামিন্নবা, শান্নমিন্নবা ময়ামদু উরগা হরাউজৈ। মালে-মাসদা লৈরিবা অভাং ময়াম অসিসু স্কুল অমত্তদা লাইরিক তম্মিন্নবা এইরবদি অমগা অমগা মুংশিনবা ঙমগনি। পিক্লিভৈদা মুংশিনখিবা লৈবাক্কী লুচিংবশিং অমগা অমগা মুংশিনগনি। লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা লাল তৌনরিবা অসি মশিং হস্থগনি।

তোঙান তোঙানবা ধর্ম্মশিংগী চৎন-পথাপশিং অসি মাগী মাগী কাংলুপ্পুগী ওইবা লৈঙাক্লোন্নি। কাংলুপ অমত্তগী ওইবা অথুবা মিৎয়েং য়াওদবা লৈঙাক্লোন অতুনা অপুনবা লৈবাক্কীনি। লৈঙাক্লোন পুম্নমক মগী মাগী সাহিত্যদা মমি তাই। সাহিত্য হায়বসিবু সমাজতুগী মিংশেল্লা ? নত্তে ! মিংশেল নত্তে য়াংলেন শরুনি। অতোপ্পদা মিংশেল ওইজরবসু কাংলুপ্পুগীদি য়াংলেন শরুনি।

সাহিত্যগী মতাং যৌরকপদা ওঝা কুল্লধজ মৈতৈ মচা অমা ওইনা মথঙ্মোইদা কপচৈ। মৈতৈ লৈবাক্তা থোকখিবা থৌদোক কয়া মথং মথং নিংশিংলকই।

খৃষ্টাব্দ ১৫৭৮ মুংয়াম্বগী হাক্তক্তা চীনাদগী হিংচাবা ময়দনা মনিপুরদা লানশিংনবা লাকখি। মচাইবুংঙো অহলনা মালেম ইমানা পিবিবা থাং খোবোম্বা, তা থাংগুনহাগী মতেংনা মাইথিবা পিখি। খাগীদগী (চীনাদগী) লাকপা ময়দনা ঙমই হায়তুনা খগেম্বা হায়না খংনখি। কংলাদা হিংচাবগী অরোইবা য়াহিপ তানখি। মখোয়না হাৎপা ঙমদ্রবা হিংচাবা হংপীবগীদমক চীনানা মৈতৈ নিংথৌদা খুদোনপোৎ কয়া পিরকখি; লৈহাও চার পুরক্লুনা কংলাদা থাখি। খাগী

কৈহাও হায়না মনিপুরগী মক্কম খুদিংদা ওসিফাওবা হৌরি।

খৃষ্টাব্দ ১৭২০ গী ইঙেন থাদা মৈখু-মনিল, থোক্লে হায়দুনা কং-লাগী শিল্লানপুং শুরুং তৌথোকখি। করিস্তু কৈতে হায়দুনা অমুক ফুনজিনখি। ফুনজিনবা মতমদা মৈতৈ কনাস্তু খংহন্দনা থমাইরোল নোংশা মরৈনা শুরুং মেনখি। থমাইরোল শিজিন্নখিবা অসি থবান থাদা ওইগনি। থবান থা অসি থবাই খুদিংমক মপাঙ্গল শোম্বা, চুইশ য়েনশি থানি।

খৃষ্টাব্দ ১৭২৪ মৈতৈ থাজংকী লমতাগী ২০নি পানবা নোংমাইজিং ঘুমিত্তা মীহৌরোল, মৈহৌরোল অমদি নিংথৌরোল কয়াগী বারি লাইরিক (পুয়া) পুন্নমক মৈ থাখি। লাইরিকশিং অদু অয়াম্বনা আগরপাক্তা (আকমন মপ্রম্মা শেম্বা) ইবা ঙাক্কনি। পুন্না খুই লাইরিক ১২০ লোমনি। লাইরিকী উৎ অদু গরিবনিবাজ নিংথৌনা পুরগা নিংশি তুরেন্দা হৈথখি। থবাই খুদিংমক্কী যেক্লিং থা, লমতা থাদা মৈতৈগী য়াংলেন শরু থুদেকপিখি। লৈবাক অমগী জাতি অমগী য়াংলেন শরু শুইরিবা সাহিত্যবু ঙাকপি শেনবিগদবা নিংথৌ মশামক্কা। মুংশিহৈত্তরা মিৎয়েংগা লোইননা মাং তাকহনখি।

জর্মনগী ভাইমারদা প্যানখিবা ডিউক্কদি (নিংথৌ) মজাতিগী য়াং-লেন শরু সাহিত্যবু য়োকখৎনবা অকনবা থৌদাং লৌবিখি। ফাওগৎ-লুক্লিবা কবি গোয়েটেবু ভাইমারদা পুরকখি। ফজরবা য়ুম অমসুং অপাম্বা শেল বাক্তনা পিখি। করি অমুক হায়কন ডিউকী লোইনবী রনী ফোনস্তিনানা কবিগী থম্মোই নোংথোকহনবা হোৎনখিবা ইরাং পুন্নমক উশিন্নখিদে। মহারানীবুদি কবিগী ফজবা থম্মোই ইফুত্তনা মমল য়ামই থনখি। অতোপ্পা মীনা উত্তমদ্রবা কবিগী মিৎয়েং নংহনা ভাইমার সহর শেমগৎখি। কবি সিলারবুসু ভাইমারদা থনখি। গোয়েটে অমসুং সিলারগী খুৎশম্নবা মুক্তি ওসিফাওবা লেপ্লনা লৈরি।

রুসকী কবি পুস্কিনগী মুখ্তিস্থ শাখি। ঙসি জর্মনবু মীপুম খুদিংনা ইকাই খুম্নরি।

মৈতৈ লৈবাক্তা (মনিপুর) পানখিবা করম্থা নিংথৌ করম্থা মখ্রিনা কবি কনাবু ইকাই খুম্নখিবা য়াওরবগে? ইরৈবাক ইজাতিগী য়াংলেন শরু ওইরিবা সাহিত্যবু য়োকথংনবা করম্থা থৌরাং তৌখৎপিরবগে অরবশিংগী ইজ্জৎ কনাদা কদায়দা থম্লিরবগে?

অ! শান্তিদাসকী থৌশিল মীওইবা জাতিগী লাইবক খিবনি। মহাক্কি হিন্দু সাহিত্য অমসুং মৈতৈ সাহিত্য আনমকী মগুন খংবনি। কংলৈপাক্ত (কংলাদা হায়েন চুপনি ওইবা লম) তোইনা লাকপনি। মৈতৈ সাহিত্য মীওইবা জাতিগী হৌরকফম তাকপা সাহিত্যনি হায়বা খংলিবনি। মৈতৈগী সাহিত্যদবু নমথবা তম্লবদি থনখিবা শান্তিদাসকী রাখল, তমিগী জগত্তা হিংলিবা মীওইবা জাতিগী লাইবক খিবনি। মৈতৈগী রথবু থমাইবা ওইরমদ্রে। মুপী-মুপা অনিমকপু চপ মান্নে খল্লা মীওইবগী রাখলবু থমাইবা ওইরম্লে। থমাইরোল আসগী চৈনা কংলৈপাক্তদা ফংজবা নত্তে। ভারত পুম্নমক থমাইরোলগী চৈনা ফংখি। অপুনবা ভারতকী য়াংলেন শরু সংস্কৃত সাহিত্যবু ভারত মচাশিংনা মীরাইবীখি। মুপাতনা অথোইবনি, খনবা কাংলুপকী মীথা পোনখি। মীওইবা জাতিনা খুংনিংবা মীওইবগী হৌরকফম রারি থিবা ফংলরোই। উং ওনপ্রে সমুদ্রগী ইরোম্নুংদা লুপপ্রে।

নোংপোক (ব্রহ্মা) নোংচুপ অমসুং অরাং (চীনা) গী নিংথৌশিংগা চান্ন-চিন্নবা লৈমিন্নরম্বা কংলৈপাক্কি। অকোইবদা লৈরিবা পুম্নমক্কী খুদোনপোৎ করা ফংহনা সর্গগুম মুংঙাইনা লৈজরম্বা লৈবাক্কি। নোংচুপলোমগী ইথিল্লা অসুম অসুম কনশিনল্লক্লনা অরাং অমসুং নোংপোকী মুংশি মরি অসুম অসুম লাপথোক্লখি।

য়াংলেন শরু মৈ থাদোকপিরবা মশিং য়ামজত্রবা মৈতৈ জাতিবু ভারত লৈমগী মচাশিংগা খুৎশম্নহনা বিলাত রানীগী পান্জনবা মচাশিংনা

খুৎশমন্নহুনা বিলাত রামীগী পাঙ্গনবা মচাশিংনা অমুক নৈহৎপিখি ।
খৃষ্টাব্দ ১৮৯১ ইংদা নিংতম্বা মুনবীখি । মৈ-ঈশিংনা মাংহনক্ষত্রব। সনা
কোন্নংগী সনা পুম্বা সনাগী কাংগুগা লোইননা বিলাত রানীনা লোৎ-
শিন্দুনা থম্বীখ্রে ।

অম্সুক কমবা শাকুশিংসিবু করম্বা নৈবাক্তা করম্বা জাতিনা মায়োক্কবা
য়াওরিবগে ? য়াওপ্রবগে ? ময়াম চংহুনা হন্না হন্না মৈহৎপিরবা মৈতৈ জা-
তিনা মুংলি মুংলি তৌরবা পোদোন মচা অমগুম খাংলি অমসুং খাংখিদৌরি

খৃষ্টাব্দ ১৯০০ চংলকপদগী লিনগী হুগুম কুপলম্বা বাঙ্গলা, সংস্কৃত
লোনগী মমি শাম্বা হোৎখ্রে। মমারোল মুংশিবা মৈতৈ মচা য়াওরক্লে।
মরৈবাক মজ্জাকিগী য়াংলেন শরু নৌহৌন। শেমগৎনিংবা রাখল পোক্লক্লে ।
চৌজিক্তি মখল কম্বাগী লৈশক লৈচুনা লৈশাৎ তম্নক্লবা মৈতৈ সাহিত্য
লৈকোল্শ অমা শাইবক্লে । অহুবু লাইবক থিবদি মীগী (বেঙ্গোলগী)
ময়েক রংইরুবনগী ময়েকী রংথোক শুইরক্লে । ইশাগী মৈতৈ ময়েক্লা
অমুক মপান ফগংলকপা মতমদা মৈতৈ সাহিত্য লৈকোলগী নাকেম্বা
শুইখিদৌরে ।

অম্সুক রানা খংলিদৈ চৈরকসিদা ইমারোনবু মীচোন্দগী পুরুবনি
হায়বী র। মীশক্তবা খুদিংনা খংদবা য়াত্রবা "ঈ" গী মরি মৈতৈলোন্দা
ময়েক শেংনা তাক্লি । "ঈ" পুম্নমক্কী মমাবু ইমা লৈবাক কৌই ।
"ঈ" গী হৌরকফম ঈশিংনি । "ঈ" মল্লি তৎনত্রি । ("ঈ""ই" মশা
অমত্তনি অনেম অরাং শিজিন্নবনি) ইমা, ইপা ইপু, ইবেন, ইচা, ইগু
ইশেন, ইবাই, ইতৈ (লৈশাখীনা পাখংদা, মৌনা মপুরোইবগী ময়াম্ব-
শিংদা কৌনবা মিংগৌ) ইচল, ইচে, ইনাও, ইকুবোক, ইনেমবোক,
ইপাম্বা, ইত্তা, ইতেন অসিনচিংবা খোম্লোকশিং অসিদা "ঈ" মরি তৎনত্রি

পৃথিবী পুম্নমক্কী অপুনবা লোল শুইরবা ইংরেজগী মতাংদা অমুক্কং
য়েংসি । মাদরলেণ্ড, রাটর, মাদর, ফাদর, গ্রানফাদর, গ্রামমাদর, সিষ্টর,
ব্রদর, দোটর, হজবেন্দ, গ্রানসন, ফাদরইনলো, অসিনচিংবা খোম্লো-

কশিং অসিদা "ঈ" বু থংনরিবা 'হ্রদ' হায়বা থোংন্থোক্তা মরি শন্নদে। ইংরাজি লোন্দি থোংদগী লৌখৎলগা শেংদোকপা য়াবা শেংদোক্লগা ইকোন কোন্না ফংবা সনাগুম্বনি।

থবাইপানবা পুন্নমক্কী শক্তি পিবিরিবা মুমিংকা মরি লৈনবা বাহৈ খর অমুক য়েংসি। মুমিং (অভিয়াদা থোক্লিবা) মুমিং (পুং ২৪ না শাবা মতম) মুংশিং, মুংশাম্বর, নোংপোক, নোংচুপ, মুমিংথোকপা, মুমিংমুংবা, মুংখিল, মুমিদাংবাইরম, নোংয়াই, নোংজাল্লমদাই, মুমিংতাবা অসিনচিংবা থোংন্থোকশিং অসিদা 'ন' গী থোংন্থোক শন্নরি। ঈশ্বরগী থৎশেমগা মরি তৎনগ্রিবা মৈতৈ লোন অসিবু কনাদগী পুরুগদৌরিবনো? মতমগী য়াওল মতুংইন্না ফজবা বাহৈ বা ং য়ানশিন্নবদি হৌনশানি; মুংশিনরকপগী থুদম্নি।

মৈতৈগী মৈত্তোরোলগী মরুওইবা ধর্মাদ উমংলাই হরাউবা, সনামহি লৈমে্ন লাৎপা অমসুং পাখংবা থুরুমজবা অসিতনি। ধর্মগা মরি লৈনবা অতৈ থোরমদি চহি অমগী মন্নংদা অহ অশা ঙনবা ঋতুশিংবু থ্রুমজবা ঙাকনি। ধর্মগী মিংদা ইপান.ৎ ইপুনাৎ অমদি হরাও কুম্মৈ য়োকথৎপনি।

উমংলাই হরাউবা :— "উমংলাই" হায়বসিগী মুংগী ওইবা অর্থ অনিনি। উমং লাইরেম্বীবু থ্রুমজবগা লোইননা মী মশিং য়ামথৎনবা হোৎনবান। য়ুম পাল্লবা অমসুং পানবা য়ারবা-য়ারবী কয়াগী থম্মোই ইহুন পিবনি। তুমহুনা লৈরিবা পুক্লিং ইহুনবু য়াকাইহনবনি। পুং ঈশৈ জগোইগী থুংথেক্তা লোইননা পাংথোকপা থোরমনি। নহা অচল মুপী-অঙাংদা চপ মান্নবা পিবা পুক্লিং ইহুন্নি। মমুং-মপান অনিগী পুল্লপ চেনমিন্নবা সাহিত্যগী ইচেন্নি। অতোপ্পা লোলগী সাহিত্যদা খিবা ফংলরে.ইদব. ইচেন্নি। উমংলাই হরাউবদা শক্লিবা ঈশৈ মখেক অমত্তং য়েংসি।

চেক্লা পাইথ্রবদা পোম্বী হঞ্জিল্লকপনা

চেক্লাগী কাইদোংফম খংদত্তুনা পোম্বী কণ্ডাওনহোৌরে ।
শাবী ইনেম মচা পাম্মুবা, চীংমুংগী সনা লোক্তুদগী
পাইবীরক্লো, ইনেম্মচা পাম্মুবা ।

ঈশৈ মতেক অসিদা য়াওরিবা 'চেক্লা' হায়বসি সুপানি । ঈশৈ অসি হৈরাউবুংদা মখইবী-মাইবা কেন বেনহুনা শকপা ঈশৈনি সুপীনা হান্না শক্তদবন । সুপানা খুম্বা মতমদা "পাম্মুবী' হায়না খুমগদবনি । অহানবগী "চেক্লা" হায়বসিনা তাক্লিবদি পোকপা কুইক্লিবা মচা সুপানি । অকানবগী "চেক্লা" না মপুরেইবনি । ইচানুপা ফংলবা মতুংদা হান্নগী পাঙ্গল অমসুং ইথৌ লাংবা মপুংফ না হঞ্জিল্লক্লে । ইচা অমা অমুক পাম্নে হায়বনি । মীশং হেনগংনবা তৌরম্লিবা চৎনবীসি করিগীনো খঙ্গানংডাইনি ।

সনামহি-লৈভ্রেন :- সংসারবসি অহং-অশা আননা য়োম্নগা ওইরিবান । শমম-অঙান খাইরিবনি । জুরা জরা লৈবা সংসারান । জীব পানবা পুন্নমক্তা মমা-মপা আনি শুই । ঐখোয় মীওইবস্তু ইমা-ইপানা মখং মখং পোকশিনকপনি । ইপা-ইপুগী পাওরো :—"ইমা-ইপাদি মিংনা উবা লাইনি" হায়বসি মৈতৈ কাংলুপগী বা নক্তে । ইমা-ইপাবুদি মীপুম খুদিংনা ইকায় খুম্নফম থোকহ মেতৈগী য়ুমথোং খুদিংদা সনামাহি-লৈ-ম্রেন লাৎপা মীওইবা জাতিবু পোকপীরম্ম। ইমা-ইপাবু খুরুমজবনি ।

পাখংবা :— পাখংবদি য়ুম-য়ুমদা তোঙাম্না লাৎপা য়াদে । লৈবাক্কী অপুনবা কংলাদতা লাংকদবনি । য়ুম য়ুমদগী মপাঙ্গল শারেপ ফারবা লৈবাক্কী সেবাদা মপুনসি কৎপা য়ারবা মীওইশিংঙনা খুরুমগদবনি । মেতৈদি সুপী-সুপা থৌদাং চপ মান্নবা পুমনৈ । সুপী-সুপাগী অনেম অরাং লৈতে । ব্রাহ্মন, ক্ষেত্রি, বৈশ্য, শুদ্র অচৌ পিশক খাইদোকপগী চৎনবী লৈতে । জাৎ কুচ খাইবগী চৎনবীসু লৈতে । মশা মশানা তৌবা ওম্বা শক্তিগী মতুংইন্না ইকায়খুম্নবা ঙাক্তনি । মৈতৈ সুপা খুদিংমক লাম্মী ঙাক্তনি । লাম্মী ওইরে হায়ত্তুনা তোঙাম্না লৈবস্তু চৎনরমদে

য়ুম য়ুমদা মথৌ শুবগা লোইননা থাং-তাগী মহৈ তম্নবা ঙাক্কনি। লাল পেংনবা ভারে হায়দুনা লানবাউ হেক লাকপগা মুপা খুদিংমক কংলা কাগদবনি। ইরৈবাক ইজাতিগীদমক ইপুনসি কখোকচরে হায়দুনা পাখংবা খুরুমজগদবা'ন।

অনিশুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাও হৌরে। বিলাত রানীগী মচাশিংগা জাপান মচাশিংগা নোংপোক-নোংচুপকী লাল হৌরে। নাকল অনিগী হৈ-শিংবা, মংরিজেন-মখোনা মৈতৈ তমপাক্তা থেংনহনরে। খৃষ্টাব্দ ১৯৪৫গী আগষ্ট তাং ৬ দা এতোম বোমগী মৈশা ফংখিদুনা জাপান মাইথীরে। অজাদ 'হিন্দ ফৌজগী লুচিংবা সুভাসচন্দ্র বসু মাংফম খংখিদে। খোনা ফরবা জাপান মচাশিং মথরাই চিংনবগীদমক যেক্রবগী মফমদা মংকোক নোনখিদে মশক উৎখিদে। মোইরাং, নম্বোলশোনা, নিংথৌখোং, কুবাল্লা, পোৎশংবম, ইরেংবম, লোৎপচীং, অবং লেকমাই, উখ্রুল, অন্দ্রোমচিংবগী উরক-ব'রক্তা চরা হেন্দুনা অদোবা থাংখি। এতোম বোমগী মৈশাদগী হেন্না শাথিবা মৈশা ফংগ্রবা অথৌবশিং-গা'দমক মৈতৈ জাতি নত্তনা অতোপ্পা করম্বা জাতিনা তেংথাবিখিদ্রবা য়াওরবগে ?

খৃষ্টাব্দ ১৯৪৭ মৈতৈ চাক্লৎকীবা থবানগী ২৮ নি পানবা শগোলশেল সুমিৎকী সুমিদাং পুং ১২ তাবা মতমদা বিলাত রানীনা বুধচন্দ্র নিংথৌদা মৈতৈ সনা লৈবাক (মনিপুর) শিন্নখি। থবানগী ২৯ নি পানবা ইরাই সুমিৎকী অরুক পুং ৭ মিঃ ১০ তাবা মতমদা কংলাদা পুজা তৌখি। পুং ৭ মিঃ ৪০ তাবা মতমদা পাফল ফিরাল চিংখৎখি। পুং ৮ তাবা মতমদা নিংতম্নবা লৈবাক্কী নিংথৌ ওইনা কংলা ফম্বাল কাখি। হন্না হন্না নৈহৎপিবদা গোকথরবা প্রজাশিংগী অপাম্বা মতুং-ইন্না ভারতগী টেরিটোরি ওইনা অমুক পুনশিনখি। অপুনবা শক্তি চাউবা লৈবাক অমা শেম্মিন্নবা থৌরাং তৌখি।

থমাইরোলগী চৈনা খাংবদা রাজরবী মৈতৈ লৈমনা মপারি পুয়াম

মুহোৌরদা খুস্মোক্লোন অমুক তাকপিখি । মৈতৈ ইপানাৎ-ইপুনাৎকী লাম-খোৌরম হৌদে'কখি । মচা মনাই খরগা লোইননা কংলা চংহনা পাকল ফিরাল য়ুংখি । ইমাগী থোৌদা মতুংইন্না নৌনা শুরুং হাংনখা হোৌনখি । থরানগী ২৯ নি পানবা মুমিগী হৌরগা মুমিং তরেৎমি চংনা শুরুং ভৌখি । শান্তিদাসকী অমাইরোল নে'ংশা মরৈ লৌথোকখি ।

(তাং ১/৯/১৯৭২ দগী তাং ৭/৯/৭২)

লৈবাক লৈবক্কী লুচিংবা শান্তি পাম্বশা কংলৈপাক্তা (মনিপুরদা) লাক্লো শান্তিগী অপুনবা ধর্ম লিংবা মতম য়োৌরে । অরিবা ধর্ম পুন্নমক্কী নাকেন্থা ওইরক্লে । ইভোৌরোক চীংখোৌংদা লৈরিবা মালেম চমাগী পাংফেং মুংদা হৈকৎ-লৈকৎ ওন্নসি । লৈবাক্কী মপী-মপা অইব-শিংনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্মিন্নরবত্ত ম'লেম ইমানা খোৌরাংনা ভাইরি । চিংসাগী পংুংদ মাবাবান ভাসনা ভাকপিরম্লগা শিঙমদনা শিপ্রবা অজাদ চম্দ হৌক্তবু নিংশিংলসি । চিত খুদিংগী আগষ্ট তাং ৫ দা হৈকৎ লৈকৎ ওম্লগা থাং ফেংবা ভৌক্পরো হায়রবা মতম য়োৌরে ।

হৌপ্রবা, ওইরিবা কংলৈপাক্কী তমা-মুংডাই খল্লুবদা ওঝা কুল্লধজগী থাবল পে'ল্লেপকম খংখিদ্রে । মিংলুদগী পিরাং চহুম চহুম শিঙ্করগা :—

অ ! বিগাত রানী মৈতৈ জাতিদি কনাদমু অরানবা তৌদবনি । হৌজিকফাওবা মৈতৈবু য়েরুবনি খল্লিব্রা ? নয়াথং ভাক্রবা হোৌনবদা য়াংলেন শরু য়াওব্রবা মৈতৈ জ থৌবশিংগী মথক্রা মপব'ক্ত থাব্রবা নপংরি অথোৌবশিংবু মুংশিব্রা ? নপারিশিংগী মোংফমদা ভক্তিফাওবা মীয়ুংশি উৎলক্লিবা করিগনো ? লাও "খোংজোম ডে' মুমিত্তা লৈয়াং খুজোক কৎমিন্নশি লাও । মচনফমদা হক্তনিংলবা ভারতকী ইজ্জৎ কোহিনুর পুবীরকউ । মৈতৈগী সনা পুয়া পুবীরকউ ।

ওঝা কুল্লধজ চৌকিদা ফম্না ফম্না রাখল থল্লম্বদগী ফুক হোৌগৎ-লকই । থংহোৌদনা খোপ্লেল পে'ক্লা লাওরকই :—

"ইমা ! নচাশিংবু নাওংকানবীররো । কংলা ফম্বান্দা ফম্নগা

মীওইবা জাতিগী শান্তি পাউজেল পিবিরবো ইমা। শান্তি, শান্তি, সনা পুয়ানা কংলা য়োৎরকপদা শান্তি'।

ওঝা কুল্লধজগী খোল্লাও তাবদা অতোপ্পা কাশিংদা লৈরম্বা ওঝাশিং অমসুং শাত্রশিং চেনশিন্নরকই। মচাক্কী মখং উবদা ময়াম পুম্নমক ইঙক ওকখি। ওঝাশিংনা "কেদৌরে কৈরৌরে' হায়না হংলকপদা ওঝা কুল্লধজ শ্বর শ্বর শ্বর হন্নরকই। চৌকিদা ফমথরগা রুমান লৌথোক্তুনা মপি ভৈথোকই। করিসু তোদে হায়রকপদা ওঝাশিং মথা তাকম থংদনা মাগী মাগী কাদা অমুক হন্নখি।

রাখম্মা লুল্লবা ওঝা কুল্লধজনা স্কুলদগী হল্লকপদা অভাহেন ব্রজলম্বীদা মায়োক্লখি। মহৌশাগুম "অজ্ঞাবু" হায়না থুরুমজে। ব্রজকেশোরগা কেশোরনা থুরুম্নহু ওক্তে; চপ লেপ্লগা:—

—হৈ! তাসদগী নং এরেতোন্দা অমুক হন্না থুরুমলক্কনু নংগুম্বা থকসি থাসি থংদবা; চংনবী পোৗগল্লোন মশক থংদবা, ধর্ম্ম মশক থংদবা; নংনা থুরুম্বদা ওকদবা মীশক্তু, নত্তে, থংলত্রা?

ব্রজকেশোরগী খাচেশিংহু তাবদা কুল্লধজ শ্বাই লাওই; কোকচাওবী কাই। করি মরমগী ওইরিগদবা ঙহাক থৌজে; য়াম্না ইংনা ঙম্না—

—অজ্ঞা ননাইনা লংজখিবা ইরানবু .... ?

—স্কুলগী ওঝা শুক্তরগা লৈবাক্কী চংনরোল থংনবা নংবু মীরো? নারো? নচামুপী লৈশাবী লৈরবদি মফমচানা কোক কোক থাজখিবা য়াজ্রো?

মচামুপী পল্লকপা অতুদাদি ব্রজকেশোরনা শাওরিবগী মরম থংজখি। অশাওবনা থুমহৎপ্রবা ব্রজকেশোরনা জর জর ডাংথরকই। চিদাকপু ফদা তিন্নবা য়াদবা, ফম্মিন্নবা য়াদবা নংগুম্বনসু, নচাবু ইমৌ ওইহনগেগাইনা থঞ্জবা শারি। মৈতৈ পাখং অসুক য়াম্বসিনা পাম্নীত্রবী নচামুপী: লাইরিক তৈরগা লাইশু থংদবী অতুবু ব্রংক্রিবা করিগীনোনহৈ? বামোনগী চাকথুমদা হুহ থাজিনবগুম, থাজিনগে থল্লিবা ননাইহু ইকাইত্রনহৈ?

মাগা মা:য়াক্রুরিবা মীশক অমনা অশাওবগী বাহৈ খর হায়রগা হেক্তা শাউগৎপা মীতাহু ওঝা কুল্লধজদি নত্তে। শাওরিবহুনা ভাংনিংবা ভাং-হল্লগা বাহৈ অমা অনিদনা পাওথুম াপগনবা মীতানি। মীনা ফুবা হৌরক্লবস্থু থুৎ পাক থাগন্দবা মীতানি। অতুবু ব্রজকেশোরনদি মানা অচুম্বা ভাংবদা থুমফম লৈতহুনা থুমত্রিবনি খল্লি। লেপ্তুনা মথং মথং ভাংথরকই। মানা ভাংলবহু মরক থৎহুনা —

—অজ্ঞা মৈতৈগা বামোনগাদ শৌ কম্ম থুদিংদা পুন্না পুন্না পাংথোক-মিন্নরি। মুন্না থন্থনববদি অজ্ঞানা তাকপিরিবহু খর খজিক হেনজিনগদ্রা খঞ্জে।

—ইয়া! নংনস্থু ঐভোন্দা মরৈকা অমুক য়েৎপা শারি। হৈ! মৈতৈ মুপীনা বামোন্দা ওংলবদি মাংই হায়হুনা চাক ঈশিং পাইহন্ত্রিবা অসি নংবু থংদ্রো?

—থংজৈ।

—অদুগা মরৈ অমুক য়েৎলিবা করিগীনো?

—অদুগা অমুক মৈতৈ মুপানা বামোন মুপী লৌরবদি মৈতৈ মুপাহু মাংই হায়হুনা মাগী শাগেনা তাস্থোকই। শাগে ইস্থোকপদা নত্তনা খুঙ্গং অদুদা লৈহন্দে। অসিগুম্বা চয়েংনবা চংনবী ময়ামসিগী মরক্তা কনানা চুল্লিবনো? কনানা লাল্লিবনো?

—মহুনা নংগী রাখল্লি। নচামুপীদো ইমৌ ওইনিংদে হায়রিবসিনি।

—ঐস্থু অজ্ঞাগী ইচামুপাহু ইমাক ওইনিংদে।

—কৈনে, মুপা হায়বহুদি অহুনিদনা।

—পামদে হায়হুনস্থু মশাগী অক-ফত্ত খন্থবা ভমজরবা ইচাশিংগী মফম-দদি মরমচাদনা অয়েৎপা পিরোই?

—ইয়া! কয়াদনোসে? হৈ! ঐগীদি হায়বীরিবা অসিনি। ইভ্মোন্দা মনা মশিং ফজনা থারবদি শম্বল চেৎনা থাজিনজৌ। নত্রবদি নপোং মাংহুনা তোকচনি।

—নশল ঙাওশিদৈ খুংলবদি থোরি কম্মা পুনাশনবিয়ু। মাঙ্গোকপ্রবদি নশল মাংজনি।

নগালমথৈ কুম্বখজ্যা পুকচেল খংলমদে। কুম্বখজদি মানা লুগুন প্যাংবিদিবনি, মানা হায়বত্তা হনবনি খল্লনই অহুবু ঙসিদি বা হেজিমবা য়াখিদ্রে। নুইৱ কুইরগা ব্রজকে শার বা খুমকম খংজল্লক্নে। মমাই মনিং শাখংলক্নে। পাঙ্গল শিজিন্নসিরা খনবস্তু কুম্বখজনা নহানি চিংনবা লেপকই। তৌবম খংলত্রুভুনা নথা চিক্না য়েংলম্লগা ময়ুম্লোমদা মনাই ডনয়ে।

নুংশি ঈচেল

মবোকসি লৈখিদবগী মথৌ কন্ম লোইদ্রে। বিতাসনা মতম থর লৈরম্লগা তুমিং তাকনা হেক্তুনা মমাগী অমুক মগমদা লাকমিন্নরে। মংমদা লৈরকপা চাহি অনিরোম ফারক্নে। নন্দলালগী উনখিদ্রবস্তু ব্রজমনি অমসুং বিদ্যাসমাজি কলেজ কাবদা ভহাক লৈতনা ট্রৈন। করিগুম্বদা ব্রাংলেমদগী লোবাল কলেজ ফাওবা চংমিন্নবা যাওই। মবোকসিগী য়ুমগা লৈলমইভদা বিতাসনাগী অরেঙ্গা খংনবা হায়তুনা ব্রজমনি অমসুং নন্দলাল মডা-তরারক লাক্রমই। বিতাসনাগী অরেঙ্গা পাউথুম ফংবা ভমশিদে। মসিগী থংদা তৌকম খুংদভুনা মর্থোয় অনস্ত লাকখিদ্রে। কলেজ চংমিন্নবা মতমদা ব্রজমনিনা থোক্তুনা হংবদসু বিতাসনানা অশেংবা তাকখিদে। বি, এ, পরিক্ষা লোইদ্রিফাওবদি কনামত্তগী মকমদা থম্মোইদুংগী বা ক্ষোংদোকচরোই হায়খিবা তুমিত্তগী ব্রজমনিসু মথা তাখিদ্রে।

ব্রজনন্দিদা নত্তে হৈত্তে পাথংশিংদসু অহুমত্তাই বিতাসনাগী পাউথুম

চোংদে। ফজনা রা.হ র'ত্তানা পাথংশিংবু মকুক নাদনবা পাউখুম পি। ব্যবহারগী লোইনা 'ইহৈ ইশিং মীওকচানা তম্নখিসি;। কাম্না থম্নবা যাবা ইরাই লাইবা রাহুবু অতুক রানা খঙ্গনা করিগীনো' হায়বনচিংবা বাকাংনা পাথংশিংবু বা মথা তাহনদে। অমন অহিং শিংনহুনা খুম্নকপা পাউখুম নহুবনিনা পাম্বংশিং মমা মশানা [illegible] ৷ রিতাসনাগী [illegible] তাবদা তাওচংনরবা শাত্র থরাং লা [illegible] কম্না কম্না পানখিবস্থ [illegible]। পাখং খুদিংমক্স। রিতাসনাগী [illegible] অপ্মোইবু উবদা [illegible] । [illegible] অনহু পুখবনা তুংদা লাক্কদবা ময়ামত্ত [illegible] রতাসনা মথম্মোইবু রারনবা [illegible]

[illegible] মৌনা [illegible] সুরেন্দ্র [illegible]। [illegible] তম্নবা [illegible] ঈশিংনা বগ্রং [illegible] পুতনা [illegible] মনাম্বা চংকনই।

—[illegible] সি [illegible] [illegible] তাওরকপানি।

—[illegible] হায়রহুবো ?

—থাজগা [illegible] ঈশিদা [illegible] অতুম সুনিং খুদিংগী [illegible]।

—বদাওনো [illegible] ?

ঈশিংদা মওম [illegible] তাওখক্রবা বগ্রং বগ্রং লাক্লবা চেনি। চেহু [illegible] পাইরা মও' তানা [illegible]। চেহুদা ইবম্নিবা [illegible] :—

রাশক চে

গোবর্দ্দন পুজাগী শল

লৈত্তান্না শাবা ঐগী শল

নেৎখাইবীখি সুংশিকৈতনা।

নম্বীখি ঐনা মরাইবক্তা,

গোবিন্দগী অঙাংবা সিন্দুর,
য়েংলম্মী ঐঙোন্দা মুংশিনা।
লকু থরোনা চাউদ্রিফাও
লকোই লউনা মুন্দ্রিফাও
ঙাইথিনি পুন্সিচুপ্পা ঐনা।
চংনবী চেকপন্না থাগ্রস্থ
স্তারক্রস্থ ইকোকথক্ত ব্রজনা;
ইরৈ অনি লোংগ্ররোই
ইমিং অনি ফাংগ্ররোই
ঙাইথিনি পুন্সিচুপ্পা ঐনা।
থেক্লা খোইনা চেল্লিবী
থোবাল তুরেল অঙাওবী
শেংলবা থম্মোইগী রাশক চে
থেক্লা খোইনা পুবীখো
পুবীখো, তোর্বান য়োনা সমুদ্রগী

রিতাসনানা পাবা লোইরগা চেহ্ শুপাই পাইশিন্দুনা মতুম তাংশিংল্লগা থোংনাঙদা লংথোকখি। মহু উবদা সুন্দর ইঙক ঙক্লা —

—কারিগীনো ইচে ?

—শৈরেং অসিনা তক্লিবা শৈরেং ময়ামদগী থম্মোই শোকপা ইহেলহেল্লি। মসি লৈরদি লাইরিকী শৈরেং লোইনা কাওদোরি।

রিতাসনা পুগদবা লাইরিক পাইরগা কাদগী থোকখি। সুন্দরনা মচেবু য়েংলগা ইঙক ঙক্লা লৈহোই।

শাগল তেক্লবা চেক্লা

মাগী মরুপ লিলমনিগী মমাংদা মপাবুংনা মীনাং পোমাং থংদনা তাংখিবা অমদি মৈতৈ খুঞ্জাময়াম চেনাশল্লক্লুনা মপা মচাগী লাল থামদোকখিবা: মুমিৎ অচুদগী নন্দলাল মপান থোকখ্রে। মপুক্লিংদা অচেৎপা রাশক অমগা লোইননা যৌবনগী রাখল মীয়াম মমাংদা উহনখিদ্রে। নোংমা নত্রগা নোংমদি মপাবুংগা মাগা অকনবা লাঞ্জাও অমা থেংনবা শোইদ্রে হায়বসিমদি কাউবা লৈতে। লাল অসি শোক্লবা তাৱবদি করি থুংলাই শিজিন্নগনি? তৌগদৌরিবা লাল অসিনা করিগীদমক্তনো: কনাগীদমক কল্লম্বা মতমদা শোক্লগদৌরবা লানো? মপুক্লিংদা মঙল মঙল থল্লি। অদুগা অমুক লালগীদমক শেম শারুরগা লালগী মৈনা চুবীগদবা; লালগী লাল্লাও লাংঙবীগদবা, মহাক্লুনা মমাই লৈঞ্জবদি কমদোৱা? মথল মথেল কয়াথল্লবা মতুংদা মশানা বারেপ লৌজখি। চেল্লিংবা চেন থসন্নু, মাইথিবন্নু ঙৈসন্নু, শোক্লগনি ঐনা লাল; হুংশিবগীদমক।

হুংশিববু জাং-বিজাং থাইব্রা? নত্তা অতল নাইব্রা? পোকফম শাংফম থিব্রা? শাগা মীগন্নু হুংশিনৈ। শাগা শাগন্নু হুংশিনৈ। নিংনা উরিবা হকচাং পোল্লাংনা মাংঙ্গবন্নু হুংশিবদি মাংদে। শিঞ্জবা শাগীদমক তেংথানরি চিংচৌরবা পবাইনা। শারব মরুভুমিগী লৈজোক মথক্তা লইফ (কোয়না) চংপা কনাগুম্বনা মশাগী শাদোং উটপু চাক্তোক্লগা উটকী মবুক মনুংদা য়াওবা ঈশিং থক্লুনা মথৱাই কল্লরি। হিংলবা থরাইদুনা উট অদুবুদি কাউবা লৈতে; মপুন্সিচুপ্পা হুংশিখি।

হুংশিবা অমনা হুংশিবা অমগী অপাম্বা, অনিংবদা অয়েংপা পিবা মনিংতম্বা মাংহনবা অশেংবা হুংশিবা নত্তে। ঙৈজবা থিবা হুংশিবনি।

ওট্টংবা মিবা মুংশিবদি ওইজবা ফংদ্রগা য়েরুবা ওইরকই। মাগী অপাম্বা অনিংবনা মপুং ফাম্ভিফাওবা ভাইখিনি পুম্বিচুম্বা ঐনা। মতুং লেন্নগা কাউবা মীওইনগী লম্মোইনি। অতুন, মতম কুইনা অকনবা রাশক্না লোইননা ভাইক্ররম্বনি হায়না মীপুম পুদিংনা অংনবীরকপা, শোম্ববীরকপা, অহুংনা মুংশিক্তরুবগী মইহৌনি। মুংশি মইহৌ ভাইখিনি পুম্বিচুম্বা ঐনা। থংনবা ভাকুনা মুংশিবগী পন্থুং নত্তে।

থলনা মখৈ পল্লগা নম্ফাম্বা রাশক চে ইখিবনি। রাশক চে অতু মথক মগী অনিমক চপ মান্ননা ইবনি। মশাগী রাশক অতু মুদিং থানা লৈরিবমখৈ মীযাম্না নিংশিংবীবা ওইসনু হায়না পোৎবাল ভুরেলগী ঈচেন্দা তপ্নি ওইনা কচ্ছখি। মুদিং খুদিংগী চেনা কুম্বা কুম্বা ইরগা ভাইবং কনা থংথ্রিঙ্কে, চৌংথৌনা ফিদুপ জল্লকপা মতমদা কচ্ছবা তপ্নি। পোৎবাল ভুরেলগী ঈচেন্দা হংখাংবা ইরোম্বুংদা থম্মগা চেনা অমমমতা ওইনা কচ্ছবা তপ্নি।

তপ্নি কংজবা মতুংদা ইংখোলগী থবক নগা কম্বা শুই। দুগী শাগৎলক্লবা পাক্সল রাংবা মতমদা কাদা ফরগা নৌংমগী রাশক চে মশিং শুনবা ইক্কে। পোক্কিকমু ইবি নম্ফাম্বা মশাগী রাশক চে। মাগী মরুপ ব্রজমনি ইথং থংহোদনা চংশিল্লকই। নচালমখৈ কনা থংহনা-উহনদনা ইরম্বা রাশক চে ভনিদি ব্রজমনিস্থু থংখ্রে। রাশক অদু পারগা ব্রজমনিস্থু মরুপকী মতেং পাংখ্রে। নম্ফাল ব্রজমনি মশা অমত্তনি থৈম্রে। অমগী অরা মুংভাই শিং শিংনা ভেমপোক্নে। অরাবা কন্নাদা নিংহম্নবা তৌদনা মাইয়োং য়ামৈন্নে। মরুপ অমগী অরাবা উরগা মিংলু পিরাংগা লোইননা তেংবাংবা ওম্লিবা মরুপ্তু অশেংবা মরুপনি।

চেনাশিং অহুনা ইকংথাগী তম্পবা ঈচেনদা তপনা তপনা তাওথরি। অহানবদদি কনাস্থু করিস্থু খন্নরমদে। চেনাশিংনা চেল্লিবা ঈচেনগী ইন্থিং মতুংইন্না তাওথৈ। ঈচেল্লা কম্লা চংলু হায়না ইল্লক্লগা কল্লা চংলি। তপা চংলু হায়রগা তপনা চংলি। রাশক চে অমস্থুং ঈচেল

মুংশিনগা মরুপনি। অমনা অমগী মনিংথংনবা হোৎনৈ। ঈশিং ইচেন্না রাশক চেগী থনুং চংহুনা ৬ৎ-নৈবা কয়া; মরুপকী মনিং থংনবনি খন্দুনা মতৎ মতৎ তৎনা থাংজৈ। থম্মোই শোনবা রাশব চে কয়াদি ঈচেনগী ৬ৎ-নৈবা থাংওমদহুনা পন্থুং য়োদনা লম্মথাংদা প্পক্সি লোইখিবা কয়ানি। অথাং কনবা রাশক চে কয়ানা লেপ্তুনা ভাগুথরি। মকপ নন্দলালগী রাশব মীপুম থদিংদা থংহল্লমখিনি নভাগুম লেপ্তুনা ভাগুথরি।

থোবাল তুরেলগী ঈচেন্না অম্তুম অম্তুম প্যাগহুনা লোক্তাক ভারৈমদা পাউদমৃগ্গা চাংগুংহুৎ লানখি। নিংখি তুরেনগী ঈচেনদা অমুক পাউদমকৈ লম্মোচ শোক্কবী নিংখি ভরেল্লা অমুক সমুদ্র খোংবান শিনথংনা নন্দলাল লগী [illegible] রাশক পাউদমজ খ।

অ[illegible]নবদাদি [illegible] [illegible] [illegible] মীশিংনা [illegible]রিনো [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অদুদাদ করিনো হায়না [illegible] [illegible] শরে [illegible] [illegible] [illegible] হায়না রা রা ভাংনরক্লে [illegible] [illegible] [illegible] মীপুম [illegible] রাশক চেগী মরমদা রারি [illegible]। [illegible] [illegible] অদু [illegible]। [illegible] কুঞ্জধ্বজ তুরেনগী [illegible] [illegible]। চেনা অম [illegible] য়েংজ। [illegible] [illegible] [illegible] মকোক্কী [illegible] অমা [illegible] নন্দলালগী রাশরি [illegible] [illegible] [illegible] চেনা অমা মসমদা পুরগা মুংশাদা [illegible]। [illegible] হায়দে ক্কে, লৈথোক্কে। [illegible] চেনা অদু ফাইল অমগী মনুংদা চেক শল্লা থমজিনক্লে। চেহুগী মপু কনানো থংলিবসি [illegible], কুঞ্জধ্বজ অমসুং রিতাসনা মখোয় অহুমদা'ন!

লৈবং, থঙ্গালগী মুংশিবা লেনম ফংবদা কন্তাওনরবা খোইম্‌ লিশি লিশিংনা লৈরাং শাংফম লিজবগুম; রাশক চেগী মপু কনানো হায়না থিনরক্লে। চিনমখৈ হংনহুনা থিবা ফংলক্তবদা থবর, রেডিওনচিংবদা রাশক চেগী মপু চোংথোকপিরক্লো হায়না লাউনরক্লে। অইবা মীগী

মিংগা কেন্নবা সাহিত্য লৈকোন্দা লৈশাং তমহনবীরো হায়না লাউ-নরক্লে। অদুবু রাশক চেগী মপু কনাম্ব চোংথোকপিরক্লে।

নন্দলাম্না হরাউ কুম্মে যাওদনা য়ুমদা থবক কম্মা কম্মা শুরগা পোত্থ বা মতমদা চে হৈবদু ব্রজকেশোর মপানদগী ভুই। মদু উরগা মানা খল্লিবা রাথনদি :— রিতাসনাগা মথোয় অনিগী মুংশি মরি মানা মাইকৈ মরি লঙ্গোই চন্দুনা থদংলে। মরম অসিদগী মথৎই মুংভাইতদুনা লাইরিক তম্মগে খল্লিবা। হোশিকপু মানা লাইরিক তম্মগা কৈদোন-দোরিনো ? কে.ক চেক লুহোংবীরগা লোইরে। ভুম্লিবা নোংশাবু শিরবনি খল্লিবা; মবুকচেল চুমদনা চান্নবা হোরকপা য়েক্রুববু চাংম্মেং তৌদনা থাজবা, মৈরিথোক্লিবা রাম্মেবু কৈমু তৌরোই খল্লিবা; উপা-স্বীগী মরুওইবা শক্লেদি লৈরোন্নদা লৈ থনদবা; ব্রজকেশোরগী লিং-জেন, থৌনা, রাখল মিংনা টুবা নোংলৈ-মুশিংকুম্বন।

নোংমদি কাদা নন্দলালগা লৈমন্নরিবা ব্রজমনিবু কৌপোক্লকই। ব্রজমনিবু মানদোপ মনাক য়েনা পুরগা ফম্মিন্নরবা মতুংদা —

—ইবুংঙো ব্রজমনি, ঙসিদি ইপানা নঙোনদা পবক অমা শিন্নগে। মসি ইবুংঙোনা ঙম্বা পাংথোকপিদবা য়াত্রবনি।

—তাকপিয়ু পাবুং ?

— নং মরুপকীদমক মুপী অমা হায়ন-শিংনবা লোইরে। অচল মশেল মমুংদা রা লোইশিন্নরে। মাগী মেত্রিক পরিক্ষা চেক লোইবগা লু-হোংনবা তৌসিরা থন্নরগনি। অদুবু মতম থর ঙাইদবা য়াত্রে। কংলেন মুমিত্তা মপুবোকী ফিরোই থোক্লি। মসি লোইড্রিফাওবদি ঙাইদবা য়াত্রে।

—মুপীবু কনানো পাবুং ?

কনানণা হাইদোকহেনু। য়াইরিপোক্তা লৈবা বামোন রিশিকান্তগী মচামুপীনি। মমিংনা প্রভাপতি কৌই। অশ ! মশক্লাই ফজত্র-অাংনি। নং মরুপ নন্দলালগী মুপীনি হায়বদা নথোয়গী মায় চোপ-

কদবা নত্তে। অতুনা মীওোন্দদি য়া য়া তৌদনা নং মরুপকা অমুক্তা য়েংমিন্নরুচো। নং মরুপপুস্থ অহল-লম্মনগী য়াথং ঙাক্তবা য়াদে হায়য়ু। ইপা অশ্বাইফাওবা চৎলুখিনে।

মানা হায়গদবা হায়রম্নগা ব্রজকেশোরদি চৌগৎলগা থোঙ্গাল্লোমদা থোকখ্রে। নাওরি মরুনা মশা শাগন য়ৈথেকপিরবা চেক্রাগুম ব্রজ-মনিদি ফমহুনা লৈহৌরি।

কনাস্ত খংহন উহন্দনা প্রভাপতি অমস্তং এক্রমনি মংল'লগী তাজমহল শামিন্নপ্রবনি। পুক্রিংগী অপাম্বা মতুংইন্না অমত্ত চেনবা লফোই লট্ট ওইবা ঙাইজরিবনি। ব্রজকেশোর অমস্তং রিশিকাম্বা অহল অনিগী থোরাংবু লিনদা তৌরক্লে। পুক্রিংদা মওল মওল থল্লি। শবিরাইনা শবিরাইগী; য়াইরোংনা য়াইরোংগী হায়বা খেংফম য়োশিক্লে। ব্রজ-মনিগী তৌবা ঙম্বা শক্তি লোইনা মাংখ্রে। মকোক উরুরু ঙাল্লা চৌগৎলক্লে। নন্দলালগী কাদা মমাই অমুক শনশিল্লমখ্রে। শুমাংদা খিল্লিবা সাইকল তোংখৎলগা থোঙ্গাল্লোমদা অহুম পোকখে।

ইতেনগী নিনি পানবা

ইভেনগী নিনিপানবা ম্নমিৎ অসি হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা কংলুপনা কাং চিংহুনা হরাউ তয়াম্বা ফেংলোকপা ঙ্গমিৎনি। ৱিভাসনাস্থ থোবালদা কাং য়েংলুনি হায়হুনা অগুক্তগী মমান্নবী খরগা চৎপ্রবনি। মাগী মাম্মান বোকুলগী য়ুমদা চাক চাহুনা লৈপ্রবনি। মহাক্না অগুক্তগী চৎথিবগী মরমদি মহৌশাগুম নন্দলাল্লা মাবু খিবিরকত্রা থন্দুনা চৎথিননি। হৌক্তি-ক্তি মানা নিংবা বি, এ, পরিক্ষা লোইপ্রবনিনা মশা রাই শংলনগুম থল্লে। মরম অহুনা নন্দলালগী অপাম্বা কন্বিনো খংনিংলক্লে।

অঙাং অতৈসু কাং য়েংবা চৎনপ্রে। কুল্লধজ অমসুং মাগী সুপী রাধেসনা মঙোনদা ফাই। কুল্লধজনা কম্মেনগী ফক্তা ফম্নগা লম্বীদা কাং য়েংবা চৎনরিবা মীয়াম্না য়েংলি। মতৌশাগুম ওইরবদি ব্রজকেশোরগী কাং চিংবগী কাংবদা থবক য়াম্না চিনগদবনি। রাধেসনানা থোংজিন মপানদা মোংরা অমদা ফম্নগা কা খেংলি। ফজনা শেম্লবা কা মতুপ অমা কুল্লধজনা পিরগা। —

—কুঞ্জংশিংগী মরমদা নই পাবুংগা, অজ্ঞাহনগা রাতৈ মঙা তরা ঙাংনথি হায়না হৌবসিবু অচুম্বা ?

নহাক মথৈ কুল্লধজনা মাগী সুপীদা রাকম অসি থংহনদে। সুপা মথেক ভাংনবা রাধে ওনা অঙাং থংলগা য়োঁ য়োঁ তৌরকনি থন্দনা কনাদসু হায়দোক্লনা লৈরকপানি। লপীদা ঙহৌবা মীনা অসুম অসুম রারনরক লপী রাধেসনানা তারকপনি। রাধি অসি হেক তারকপগা রাধেসনাসু কুল্লধজনা হংদে। মরমদি কুল্লধজনা মা ঙানদা তমাদ্রবসি নরিংনৈ মুম্না থং ফ মংক্তা রাধেসনাসু অঙাংলি লৈতে হায়নচুনা হেংদোক্লকপনি ইংলক্লবা অচুম্বদি লোংপা য়ামদ্রুনা —

—নং হেৎজিনমল্লক্লবা অচুম্বা পুমনবা যাদচুনা ঐসু রাতৈ থর থুমদোক্প্রে

—অচু হৌজিকপু কবর তৌগদ হায়রিবনো ?

—নম হৌনি হায়রগে ? মকপী রাধি, মসিবু ঐখোয়গী ইথোরো ? হে ভাগিঙ মানা নিংবা পরিক্ষাসু লোইরে। ইখোয়দগী হেন্না জ্ঞান তারবনি। মংনা য়েংকপা থঞ্জ সুন।

—মংনা লৈহৌরিদবা হমুংচুনা অসুম লৈহনথিবা তারব্রো ?

—মশানা লৈজরিংদবা ইমুংদা মু ভাইনা লৈহল্লুদৈ শরুকপুদি, লৈহন্নিংদবা ইমুংচুদা রানা থাংজরসিন্নু। নহাক ঐনা নঙোন্দা পাইহনথিবা চেহুগী নপু থংলব্রো ?

—হংদে, কনা ওইরমবগে ?

— মতাংসনাগীদমক নন্দলালগী রাধক চেনি। নহাকমথৈ ঐনা নঙোন্দা

তাক্লবনি ।

— নন্দলালগীনি হায়বদি মাই পাবুংনা করম খংবিরিবা ?

– নোংমা রিতাসনানা নন্দলালগী লৈতানগী শল নেৎখাইখি । মতুনি অহানবদা য়া৺রিবদো হৌক্সিক্সি মতম চারে; নমা নচা ৱারি শানতুনা অফ-ফক্ত খন্নরো । তুংলমচৎকী ঐনা নঙোনদা হায়খিবা ময়ামতুসু মশাদা খংহল্লো ।

ব্রজংকেশোরনা লুংহোং-বা শিল্লিবা পুন্নমক খংই । অতুবু মাগী মুপীদা হায়দোক্কে । কাং য়েংলুখিগে হ য়তুনা খোঙ্গাল্লোমদা খোকল্লে ।

রিতাসনা মুংখিল য়োৱক্লবদা মপুক্লিং খোইরাংবা হেনগৎলকই । মমান্নবী ময়াম্ম চৎলসি, চৎলসি, হ'য়রফাওবদা; ভাইখো ভল্লি হায়তুনা খাংলকপনি । অতুবু খাংবা য়ারক্লতুনা মাই মাক্সগী য়ুমদগী খোরক্লে । খোবালদ কং ভহাক য়েংমিল্লবে । ৱাংখেম য়োৗগদবা লৈশাবী কাং-বুগা য়ুমদা হনমিন্নরক্লে । লম্পীদা অসুম লাকমিন্নবদা লৈশাবী কাংবুতুনা মাগী চানবশিংগ। ৱারি শানতুনা চৎপত্ উরগা রিতাসনাগী থম্মোই অমুক্তা হেন্না খোইরাংহনল্লে । নহালমখৈ মচাও তংজরোই হায়না মশক য়েংলুমদবা তু অতু ভসিদি মবুক পোম্না থক্লিংলক্লে ।

মপাম চাকসু চাদা মবা ময়ুম চাকসু চাদা হায়নবগুম রিতাসনাগী চংজক্কম লৈখেল্লে । মমান্নবী মরক্তা চংশিনসি হায়রবসু অয়েৎপা পিবগুম খোকদোরি । হন্নবীশিং অতুগা নক্লনা চংসি হায়রবসু করুরক্কদোরি । হন্নবী কাংবুসু মখোয়না খোকপা মুংঙাই মুংঙইবা ৱারি হৌদোক্লতুনা ৱা ৱা নোকমিন্নরি । লৈশাবী-পাখংশিংসু মুংঙাইবা মংলানদা তাউদুনা চংলি । ৱাখল্লা লুম্নবী বিতাসন না ময়াইদা মরু লুকখতুনা পোলি পোলি চংলি । মহাক্লা মখোং থাংবা থজিক্তুং শোঙ্গরকপগা তুংদগী হন্নবীশিং অতুনা —

—চৎলু চৎলু নমান্নবী ময়াম আ য়োৗখে । মুমিংনাংৱাইরমগী নোংহৌনা নোংচুপ চীংয়াদগী মমশিল্লক্লে । মুমিং তারকপসিদা নোংগা অমুক

নংলবদি খুদোং চারোই । চংলু চংলু .... ।

মসুম য়োরক্লে, মাগী কাদা চংঞ্রে । রিতাসনা মফি-মরোলকা অমত্তা হোংদোক্লে । ফমুংদা মথোং য়াম্থতুনা তুমিম্না ফমঞ্রে । মচা-মুপীগী মঙং য়েংলগা রাধেসনা কাদা চংলকই ।

—কৈদোরে নফি-নরোলকা অমত্তা হোংদোক্কনা ফমুংদা ফমজিল্লবদি ? নকোক চিক্লরা ? কৈদোরবগে হায়রবা ?

রাহৌদোক ওইনা খংশিন্নদবা শাতুনা হংজবনি । ইরাং খংদবী রাধেসনা নত্তে । মমানা মচামুপীগী ইঙ্গিৎ ইরাং খংদবা হৌনদে। মচামুপীদগী মমা মমাশিংনা পুক্নি' চাংয়েং কয়া থেংনব ক্লংনি । খঙ্গদবা মুপীশিংতনা মচামুপীশিংগী মথুক্তা মাংথিবা ফজবনি । রাধেসনা মচামুপীগা ফমুংদা পুম্না ফম্মিন্নঞ্রে ।

—ঙসিদি ইমা বা অমা হংগে শেংনা খুম্মু: বা লোংকমু । নহালমথৈ ইমানা নত্তোন্দা হায়নিংবা বা কয়া' নবোকসি অমদি নং পাবুংগী বাখল মতুংইন্না হায়দবনি । নংমা কলেজ চংখিরৈ নোংমসু, ন পাবুংগী অজ্ঞাহনগা নশুংলাংগী রাহৈ মঙা-তরা লাওনখ্রবান। নখোয় নখো-য়গী মরি মথেংদি ইমানা অমুক হায়রক্লরবসু নংনা হেন্না খংসবনি । বংসবা চংনবী চেকপল লাম্না চোংবা ঙম্লগত্রা ? বামোন ইমুংদা লুই হৌদোংগুম তুক্কক তুফাই চন্ন' নপুক্নি লেল্লুবতু ঙম্লগদ্রো ?

অসুক কুইনা লৈমিন্নরকপা অাস মমা রাধেসনানা রিতাসন'বু রারকপদা যৌবনগী পুংসগা মরি লৈনবা রাহৈ অনফাও হায়খিত্রি । ঙসি ইথা থাজদনা মমাগী মচিন্দগী থোক্লকপা রাহৈশিংতু তাবদা রিতাসনা জান মাখ্রে । খুমকম বংঙিত্রে । মচাগী মায়থোং য়ংনা য়েংন-রাধেসনাগী মিংলু নাপোম হতৌরক্লে । ইন্নফি মচিনা মপী তৈথোক তৈথোক্লা —

—শেংনা হায়রু, ইমাদা বা লোংকমু । নবোকসিনা ইমা-ইচাবু কৌ-শিল্লগা তাকলীরম্ব' মযামতু কাওদ্রি । নং নপানা লেপংরা ?

মবোকসি পল্লকপদা রিতাসনা থম্মোই ফাজিনবা ভয়ক্নে। মিংলু নাপোম অনি ইহৌরক্নে। মমাগী চেংলৌ শক্তম য়েংকল্লগা অমুক লুকখৈক্নে। মপি তেথোক্লগা—

—ইমা! ঈশ্বরনা ইমাইবক্তা তম্বীরল্লবদি রাং রবস্তু ব না ম য়োক্লজরুবা তারেদনা।

—ইমা চংবা য়াদবা মতাং খোক্নুনা চংলক্তবদি ইমাবু বারৌদবা ভয়গদদ্র? বাবনা পন্ত্বেং য়োরক্লবা মতমদা পাংদবা মীগী মতোংগুম "ইমা এবু করিগীদমক্তা মী ওহনা পোকপীরিবনো" হায়না ইমাবু বারৌদবা ভয়গত্রা?

—পুম্মক ইরাইবকীনি। হমা-পাবুংনা নচাবু অহুক্কী ন তক লুনা-চাম্না থুংলনা মী ওইনবা লেখীরক্নে থম্মোইবু বারকপা ভমজদবদগী অবাবা মায়োক্করক্লগা হনা-পাবুংবু বারোফম খোকপ্রা? পুম্নচুম্না ইনা পাবুংবু বারোজরোহ; নচাবু ভাক পয়ু!

—খ লে। ভাসগী সংসারগীদমক্তি খম্ববা য়াবা থম্বরে হায়বা ইমা খংলে। অহুবু ভাসফাও লংলবদি হয়েংগীসু থল্লু। নচা-নতুশিংগী লম্বেল খরস্তু যেউ। নংনা পামজবা লংখল অহদা চংলা য়া.রাহ হায়না খংবা নত্তে। খংজল্ল, থম্বৌ, হায়বান।

—তাকপিয়ু ইমা?

—ভসিগী তাইবংদা হিংলবা মীওই থুদংমক্কী নিং হবা মতমদা হুপা হুপী খংনবা পোস্তগ অমমম য়াওনরি। অতে লাঙিগী অতোংবা লৈ-ত্রবস্তু মৈতৈগীদ অচৌবা অহো বা অনা লানথিনি। হুপা কাংলুপ খ,নবা "মৈতৈ" লত্রগা মশা মশাগী য়েক শলাই হাপ্পরক্লান। হুপী কাংলুপকীনা অনি খোক্লা ইনরক্লনি। মযুম পান্দ্রবী ওইরগা 'চন্দ্র' মযুম পাল্লবী ওইরগা 'লৈমা' হায়না শিজিন্নরকখিনি। ভাসিগী চংনবী নয়ামসি অচৌবা অংহাংবা অনা লাকখিনি। মতমতুদা নচাশিনা বাহ থল্লকপা য়াই; থম্বৌ!

—ইমা নংনা করম্না খোংকমদা লেপকদগে হৌজিক ফাওবা অরেম্পা খংদ্রি। থম্মোইথক্তুনা ঐবু রাহঞ্জবগী রানি। অতুবু লেপকে থঞ্জরিবা খোংকম অসি, ভসি উরিবা সংসারগীদমক্তদি ইমা-ইপাবু লৈখা তাহনগদবা থোংকম নত্রে।

—করিনো নংনা ভাংলিবহুবো ?

—মাগা নৈগা উনদবা চহি অহুম-মরি শুরে। থম্মোইগী অরেম্পা রা অমত্তম্ভু ফোংদোক্লখিদ্রে। মাগী পুকচেল করিনো খংদ্রি।

—মাগী অরেম্পা পুকচেলবুদি থৌবাল তু রলগী অভাওবী ঈচন্না মালেম থংনা পাজিদমদ্রেনা।

—মতুবু মাগীনি করম খংবীরিবা ?

—নপাবুংনা ভসিথক্তা তাক্লম্বনি। মপক্কী বাহৈ ষরহুনা শান্মিনি হায়রমই। নং পাবুংগী রাখন্দি .... ।

—ইমা !

মমাগী রাহৈ পরহুনা নতালম খংলমদদবা মপাবুংগী রাখল খংবা ভমজখি।

ইমা মশক খংদনা ইপা করম খংগনি ? ইমানা তাকপিরগা ইপা মশক খংগদবনি। যুগ কয়া কয়দগী মশাগী শিন্তা কায়দনা জিব লক্ষ কয়াবু পোকপিরিবা, থোকপিরিবা মালেম লৈমা ইমাবু নুংশিবা ভমজবা থম্মোইনা বনাবু, করিবু, নুংশিবা ভমগনি ? ককথংলবা থুজিনবু মথাই পাল্লে হায়হুনা থজিনগী হৌরকফম হকচাংবুস্থু শিরে লৌগম্রা ? চেক্তুম, নুংহুম, লৈতুম থরদা প্রাণ তৌরগা সুমিৎ থাং থরানমিচাক মালেম লৈমা ইমানচিংবা ময়ামসিবু থরাই পান্দবনি করম হায়রসিগে ? মিংনা উত্রগা লৈতবনি থল্লবদি থরাইবু মিংনা উবা পোংশক্লা ? য়াম্থংপিরবা চু পাম্বী অমগী মহুংদা য়াওরিবা থরাই কয়ানো ? হেক্তুংপিরবা চমপ্রা, নোবাব, কমলা, খোংহুম, মাইরেন্নচিংবগী মহুংদা য়াওরিবা থরাই কয়া কয়ানো ? থরাইনা থরাইবু য়োমহুনা

থম্লিবা বিজ্ঞানগী খুৎলইনা উবা ফংলোই। অথাবা, অথ্‌ম্বা অয়াকপা অশিনবা, অশাবনচিংবা, মহাশ্বৎক্রমক খংলগা লোইরবনি থল্লিবা করিগীনো ? নাপন কাব্রিবা ব্রাখন্দুবু য়োক্তুনা খম্বিরিবা থবাইহূনা ব্রারৌখিরোইদ্রা ? মথ্‌াই য়াওদবা পোত্তা মুংশিবা লৈত্রা ? ইমা লৈবাক্কীদমক মথ্‌াই কথেকপা পাম্মনিত্রিবা করিগীনো ? মালেম ইমানা পেখিবা নত্তনা মীওইবনা করম্না পোৎচাক পুথোকখিবা য়াওরবগে ?

ম্রাহং পাউথুম

এক্লা শাস্ত্রী ওইরিবৈদো তোঙান তোঙানবা পাখং কয়ানা রিতাসনাদা হংখিবা ব্রাহং পাউথুম কনামত্তগী মফমদা পিখিত্রি। পাউথুম অদু করাই ওরাই থমদোক্লগা মতুদগী লোংথোক্লক্কদবা ব্রাহং ময়ামহু মাংজোননা মবোকসিনা তাকপিখিবদগী; থম্মোই কনবী অমগী শক্তম লৌখিবনি। ওসিদি মাগী অনিংবা পরিক্ষাশু লোইরে। শামুগী অরেপ্পা পুমচেলশু পোৌবাল তুরেনগী ঈচেম্না মীয়ামদা খংহনখ্রে। অদুবু মাগী মপাওদি পুবিন্ন য়াদে হায়হূনা পোৌবাল তুরেলগী ঈচেন্দা সনাবুল মনিংনা হন্না হন্না নৈম্রি। মিংল্‌ পিরাংগা জোইননা থৌবাল তুরেলগী ঈচেন্দা :—

—মীমুংসি খংদবী থৌবাল তুরেলগী ঈচেল; করিগীমো নংনা ঐগী থম্মোইবু হন্না হন্না থ্‌গাইবী রবা ? ঐগী ঈপাও পুবিরোইদবা নংনা; করিগীদমক মপাও তম্রিবনো ?

রিতাসনাগী সনাবুল মনিংনা হন্না হন্না নৈরকপা অদুদা থাংবা ভমজ্রবী পোৌবাল তুরেলগী ঈচেল শমজি থাইনা চেম্নরক্লে। ঈচেম্না

ইথক ইপোম্বগা লোইননা লাউরকই ।

তাউ তাউ রিতাসনা তাউ :—
মতমগী ঈচেলগা ঐখোযনিদি
ঙমদে, ভুংহন্না পাউদপা ঙমদে
কল্লবা ঈচেল ঐপোয়নিগী
লৈতবনি নিংবিনবা কনা
থুগাইবা, য়েৎখাইবা, শেমগৎপা,
ইথোনি ইথো ঐখোয়নিগী ।
সুংগুম কল্লগা নথম্মোই,
থুগাইরে, য়েৎখাইরে, পেৎকল্লে ঙসিদি ।
শিংরক্লে নথম্মোইদৈ শিরাং,
তিল্লরে ঙসিদি ঈচেল্লক্লা ঐগী ।
ওইরে মুংশি ঈচেল নংগী,
কনানসু থিংঙম্রবা ঈচেল ।
লাও পুন্না চৎমন্নরুস ঐখোয়নি
শমজি খাইনা চেল্লুরসি,
মৈতৈ পুক্কি লোক্কাগী
অমনা নিংথ খোংবান তম,
মনা বরাক খোংবাল তম. চেল্লুরসি
নথম্মোই ইথম্মোই থুৎশম্ন,
কোইরুসি, শান্নরুসি, তোব্বান্দ সমুদ্রগী,
নথংলেন মাঞ্জ পামুবনা চংখিবা,
থিরুসি হংনুসি তোব্বান্দ সমুদ্রগী ।
লাক্লো চান্নবী কোইমিন্নরুসি,
মালেম থুংনা কোইমিন্নরুসি ।
য়েল্লুরসি শান্তি মালেমদা শান্তি,
জন কুচু শাইদবা মুংশিবনা শান্তি ।

ঙসাইদগী লিতাল থোং মথক্তা ব্রজমনিনা রিতাসনাবু ঙাইরকপনি। মানা ঈশিং শোক্কদবগী তৌরবপা অতুদা নংচৌররোই থন্দুনা ত্তহা ত্তহা সাইকল তোংহুনা থোরকপনি। রিতাসনানা লৈরিবা হিদেনতাফম মপাদা সাইকল থিল্লম্লগা কুমথরকই। মতুফা ঙবদা রিতসনা ঈশিং শোক্কে। সনাবুল ম'নংনা ঈশিংদা হাই হাইহুনা অতুম লৈ। মরক মরক্তা মমাই অরাং ওল্লগা মী যেংবগুম তৌরি। অমুকন্তু মথুং ঙইনা মমিত্তগী মপি তৈথোকই। মহাক্না তৌরিবহু ঙহাক য়েংলগা —

— রিতা !

থোঞ্জেন্দ্র তাবদা রিতাসনা শ্বাই লাওই। হুনকংনা যেংলকই। ইক্লাইরপ তৌনা মপি তৈথোক্লগা। —

— করম তৌরি অঙ্গা, উমথিদবা য়াম্না কুইরে ?

— রিতা রাকোই তুহুনা মতম মাংহল্লগুমসি। চে অসি য়েংউ।

রিতানা সনাবুল লৈকংদা থম্লগা চেহু পাহুনা য়েংই।

মরুপ ব্রজমনি —

মরুপ নং ঐবু রারোগনু। ঐনা রাশক চে ইরিজেদা প বুংনা হুরানবা ফাওরে। ঐগী বংদা চে অমত্তা থমত্রে। যুমদগী মপা'নসু থোকহন্দ্রে। লুহোংগদবা মুমিৎসু ঙসি মতানিদা শাইরে। নংনসু ঐখোয়দা লাকথিরবা অতুদা ই পাওসু অমত্তা ফংদ্রে। নহোন্দা চিঠী ইনবা চেফাও লৈতহুনা কেলেণ্ডর মচেংসিদা ইজথিবনি রারোবিসু মরুপ। মখোয় ময়াম্না শেন্নরিবা অসিদগী ঙম্নবা নাম্বোরক্কে হায়বনু মাগী থম্মোই পাউখুম ফংদবনা পাগল থোনা লোইনা মাংখ্রে। হৌজিক্কি মাগী বি, এ, পক্ষিাসু লোইরল্লগনি। মপাও অমত্তুদি তাহনবীরকউ মরুপ

নহাক্কী মরুপ —

চিঠী হ'রোল পাক্রবদা রিতাসনগী থম্মোই মচেং লিশিংথোক্লা কাইখ্রে। ইক ই ইকি রাংমা লানখ্রে। হিক হিক কপথোক্লক্রে কাইরবা থম্মোইদগী চেম্বরকপা মিংলু পিরাং থাম্বা ঙমজথিদ্রে হৈজ্রং

মপুংফারবা ঐতেনৌনা তঙাং তঙাং মমাই মমিৎ ইপোম পোম, তাকম লৈমাই য়েংহনা থাংজবগুম; তনিক তনিক থাংজরক্লে। মপুংফানা অমৃত চেল্লবা ৎকোই লউবু পুবদা রাজরবী লফু পাম্বীনা তপ্প তপ্পা কেংস্থবা চোরকপগুম; মশাগী থম্মোই হাকাইবুংনা লুল্লবী রিতংসনা তপ্পা তপ্পা লমাংদা ফমথক্রে। সনাবুন্দা চৈনা পিয়গা কপ্পুনা চৈংথোকক্রে। মাদা নংনা ব্রজগনিস্থু নিংকী পিয়াং থাম্বা ৎমশিল্লক্রে। ফুনগংলবা থম্মোইগী খোংস্থাংদা —

—রিতা! মহাক্না লুহোংথবা তারবদি নংদা নাত্তে, নৈস্থ পুক্নিংগী নিংবা কাইহৌরগদবনি।

—করম্না?

—বিশিকাস্থগী মচানুপী প্রভাপতি অমস্তা হাইরবী ঐগী অশানি। ঐখোয় অনিগী বারিসি নংস্থু মাস্থ (নন্দলাল) থংদে। নংনা নৈ চংহনা লুহোংবা থুগাইদবা য়াদে। মসিদা মাই ফন্দনা চেনবিগদ্রা? চেনবিরোইদ্রে? ভ সদি অশেংবা অমা তাকপিরো? মী চিশ্রগা ফজ্জবে কুইনা বারি শারগনসি।

—চোজিকপু করি তৌজো হায়রিবনো অজ্ঞা?

—মানা করিগুম্বা মনাক তৌরক্লবদি নখোয় অনি চংমিন্নখিবা ভয়গদ্রা?

—ৎমজরগনি।

—ফরে অতুদি পাও আস নাভোন্দা থংহনগ্রগে। করিগুম্বা শোইখিহনা মাই পাকহৌদ্রবদি অশা পুন্নমক কাইরবনিঃ কাইরবা। প্রভাপতিদস্থ লুহোংবা থুগাইনবা থংহনগ্রবনি। হৌজিক্তি ইশা ইশাগী লৈজবা থুংলাই শিজিন্নবা মতম য়ৌরে থংলব্রা রিতা?

—থংজরে অজ্ঞা।

ছুরানবা নাঙ্গোকথিবা

খংদবা উদবা পোৎপু খংনিংবা উনিংবা মীওইবগী হৌনশানি । খৌবাল তুম্নেলদা বাঁশক চে থাখরক্লিবসি কনামো, কদাইদগীনো কুপ্পা থিগৎনরক্লে । খিজিনবা কাংবুনা পিরিবা মত্তি ঈচেন্দা তাওথম্বিবা চে অসি পোইরৌ খোংজিন তুম্নেল মপাগী মথক থংবা ঈচেন্দা তাওদে। মরম অসিনা চে অসি পোইরৌ খোংজিন্দগী নত্রগা তুম্নেল বাংমদা লৈবা মীনা থাদবা ওইগনি । মীয়াম্না তাংখ-শরুবা ময়ামতু ব্রজকেশোরনা তা-থগা মচা'মুপাবু নোংঙৌনা চিংনরক্লে। মুংথিল অমা ইথং খংহৌদনা কাদা চংশিল্লগা নন্দলাম্না ইরিবতু য়েংলগা ছুরানবা কারে। শাউবমা লুতোন শারবা ব্রজকেশোরনা কা মঙ্গুংদা লৈরম্বা চে পুম্নমক খোমজিল্লগা — — নং ওসিদগী ইংখোল বাংমা লাম্না চৎপা য়ারোই। খোংকাপ অমত্তং হেন্দোকপদা নখোং তেক্লবনি খংউ, ছুরানবা ।

নন্দলাম্না ইরম্বা বাশক চে পুম্নমক মৈ থাদোকখ্রে । মচামুপাবু শেন্নবা লৈকাইগী মৈতৈ থুঙ্গা কুম্ত্না নেক্কুনা ময়ুমদা থমখ্রে । নন্দলাম্না মপান ইপান থোকপা কুপ্পা শেন্নহনখ্রে । ময়ামগী মরক্তা নন্দলালবু মুংশিবা মীশু য়াওরি । অতুবু অরামল ফংনিংবদগী মাবু শেন্নবা য়াও-শিনবনি । ব্রজকেশোরগী পৌদো অসিদা মুপী অঙাং পুম্নমক খি খি কিনখ্রে । থুল অমা "নিসিগী নিংথৌদি ব্রজকেশোরনি হায়না বা-রিনরক্লে । মৈতৈ থুঙ্গাশিং অতুদা শিম্মরিবা খোদ'ংসি নন্দলাল লুহোং-জিকাওবদনি ।

ব্রজকেশোর ইচং খোনা লৈবা, তৌবা ওম্বা মপা অমা ওইবতা মত্তনা মীয়ামগী মথক্তা সাসম তৌবন্থ মাম্না হৈশিংই । মীয়ামদগী মঙ্গুংদা কনানা করি তৌরিবগে কুপ্পা য়েংশিল্লি । মুপা তরা তরানা অয়ুক মুংথিল মুমিদাং মতম অহুমসিদা মথৌ তৌহল্লি । মথৌ তৌবা

মতমসু ওন ওন্দুনা তৌহল্লি। সুমিদাংগী থোঁদাং পুবা কাংবুগা নন্দলালগা কা মমুংদা তুমহল্লি। অদুগা মানা মপানগী থোঙ মপাদা কাংথোন থারগা অহিং থুদিং লেকমিল্লে।

নন্দলাল লুহোংগদবা ঙসি তুমনিদা ঙাইরে। ঙসি অসি হৈজিং-পোৎ পুরুবা ইঙেনগী ১২ নি পানবা সুমিৎনি। সুমিৎ তাবদগী নোংসু মোংলি চাউনা অহৎ অথম লৈতনা তারি। নহান্দগী তুমবোই তুম-দবোই খাংনরক্লবা ঙাক্তনি। ঙসাই অয়ুক্কগী হৈজিংপোৎ পুনবগী লাংনরগা, থোংনা হৈজিংপোৎ চৎনরুবা ঙাক্তনি। অরাবা মথামসি পুল্লপ পুনখিদুনা ব্রজকেশোর প্রো খো নাখোক্তুনা ঙস্তা তুমথঃব্রে। ইমুংদা তুম্লিবা ময়ামসু মুংঙাইনা তুমথনব্রে।

লুহোংবা সুমিৎনা অসুম অদুম নকশিল্লকপা অদুদা নন্দলানদি তুম্বা চাবা চংদে। অদুগীসু মথক্তা মাদি থবক লৈতবনিনা অয়ুক মুংখিল তুমদুনতা মতম লেনবমি। ঙসিদি ব্রজমনিগী পাও ফংবদগী অমুক্তা হেন্না তুপ্পা চাবা চংখিদ্রে। মিংকুপ পুংজা থুদিং ন'কে'কক্ষমদা য়েংদুনা লৈরক্লবনি। মাবু শংলিবা ময়ামদু নহালমথৈদি লেং থাইন থাইনহুনা তুম্লবনি। ঙসিদি পুল্লপ তুমথমিন্নব্রে তপ্পা ক লবদা থুনিং কাংনা কাংনা নাশোন পিক্তা কাংপোল্দগী কুমথরক্লে। মমাংথোং তপ্পা হাংদোক্লগা মপান্দা থারিব কাংথোল মথাদা লিংথোকব্রে। নন্দলাল চংখিবা কনামত্তা থংহৌব্রে। নেংয়াই মতুংগী অহানবা য়েনথোং তারকপদা ব্রজকেশোর মিকপ থোক্লকই। মানা মমাই লৈথোরকপদা থোং ময়া কারম্বা উবদা —

—হায়স! নথোয় কৈদৌরি? নন্দলাল কদাই চংথে।

থংলাউ লাউরকপা তাবদা ময়াম পুম্নমক থংদুনা ফন ফন চোং-থৎলেন।

—চেল্ল, নন্দলাল তান্নৌ, ফংনবা খিরকউ।

ময়াম পুম্নমক ফুক হৌশৎলগা। হয়িংথোই পাইথোরকপগুম অনম্ব-দুদা চেন্নখি।

পাউ লাকপা

মতিক মগুন লৈতবা মীগী ই-পাওদি মীয়াম খর ভাংনবিয়ু, শনদোকপিয়ু হায়জরফাওবদা ভাংনবিয়ু য়াদে। মতিক মগুন লৈবা মীগী অশোইবদি হায়দোকপিয়ু, শনদোকপিয়ু হায়না মচিন মেল্লফাওবদা লৈবাক শরা শনখি। অচৌ অশাং, মতিকমগুন লৈবা মীনা ঝাজরিবসি মশাগী ইজ্জৎ কন্নবা হোৎনবদা ঝাজবা ভাক্কনি। ই-পাও খংনিংবা মুপী-মুপা, অভাং-অহল কয়ানা ব্রজকেশোরগী ইমুং মমুং, মাঙ্গোল, মানদোপ, মীগী মী ভাক্তা ভাইগে। ঝাদি কনামত্তা কন্না ভাংনদে। মী য়াম্না তিনজরবসু মী লৈতবগুম ইচিক চিকই। তুম্মিন তুম্মিন কমত্তনা অমনা অমগী মতৌ য়েংনত্তনা লৈ। মতম অনিদা পাখং মচা অনি সাইকল ইন্দুনা চংশিল্লকই। খোঙ্গাল চংলকপদা মীনিল তাম্নগা. লৈরম্লিবা মীয়ামত্তু উবদা ইভক ভকখে। মখোয় অনিগী মতৌ উবদা অহল ওইরপ তৌবা অমনা—

—করি হায়নিংবগে নখোয়'নিবো ?

—পাও অমত্তা তমজরমগে তৌবনি।

—হেক্তা তম্মু করি পাওনো ?

—প্রভাপতিত্তু ভসি অহিং চেনখে।

ঝাকমত্তু তাবদা ব্রজকেশোর জ্ঞান খংলাক লাকপগুম—

—করি হায়বা ? কর কমদোবা ইবুংঙো ?

—প্রভাপতিত্তু ভসি অহিং চেনখ্রে। হোরেল মচিন হায়দোকপা লাকপা কাংবুত্তু শোমদা থাজরক্কে; অজ্ঞাহন চংথোকপিগমু তাকপিরকই।

—করিনোনে হায়রিসিবো ? ইবুংঙো শোমদসু লুহোংগদবা মুপাত্তু ভসি অহিং মাংখ্রে। মাগী পাও অমা কংলগা লাক্লগে। রিশিকাত্তু চথোক্লমগমু হায়য়ু।

—ঋনি, ঐখোয় অমুক য়েংভগে ।

—মখোয় অনিগীসিবু লুহোংবা হৈকাইহুনা তৌরিবা জাৎকনে ? অঙাং-শিংসি ওস্নোক্না মঙাও থিংব্রেদা ।

ব্রজকেশোরনা মুংঙাহৈবা মংঙাল অমদা তাওহুনা ঙাংলিবহু মীয়ামস্তু তাই । মতম অসিদা চরাংপাত্তা লৈবা কোনশম মনিক চংলকই । ব্রজকেশোরগা থিশক থিক্লিঙ্গগী লুনা চান্না তিন্নরকপা মতাওনি । মতাওবু উবদা —

—ইতাও ! কদোমদগীনো তৌরকইহুবো !

ফম্মোনগী ফক্তা ফম্নদগী চেম্মোকখে । কবিগুম্বা অমত্তা থন্নক্লবা তৌদনা মনিক্কী খুদাং পাইহুনা মীয়াম মমাংদা চিংশিল্লক্লে । মহাক্লা ফম্লম্বা ফম্মেনগী ফক্তা চিংশিন্দুনা ফম্মিমখে । মীয়াম পুন্নমক ইঙক ঙরুখে ।

—ইতাওনা ঙমি লাকপোক্তনা লাকপিববু ?

—কবিগীনো ? ইচা অতোপ্পা লুহোংগনি হায়রগা পাও হায়রক্তিবা ?

—অঙাংশিংনা বাত্তন য়োরক্তনে ?

—বাত্তনবুদি য়োরকই । বাত্তন য়োরক্তিঙৈদা পাও হায়রক্লিবা কবিগীনো ?

—লুবিবদি হৌক্তিকপু লুহোংবা কাইবা তারিনে ।

—কবিগী ?

—লুহোংগদবা ইচাম্নপা ঙসি অহিং মাংগ্রে ।

—হেরা ইতাও ! তানিংদবা বাহু খিং ঙাংলমু । মুপামচাবু মরমচাংদনা মাংবা য়াব্রো ?

—কবিনো ইতাও ? মাংগ্রবদি মাংগ্রেদনা ।

—মাংদেনে ।

—মাংগ্রেনে, ওস্নোকপনিদা ইতাও নংসে ।

—মাংদে ঐগী য়ুমদা লৈহৌইবে ।

—অওইব্রনে ইতাও ?

—হৌজিকপু ফাগি তৌনবা মতম্না ।

—নুপী য়াওরকপ্রা ?

—য়াওরকই ।

—কনাগী মচানি হায় ! য়াইবিপোক্তগীনি হায়ব্রা ?

—বাংখেমদগী ন হায় ।

—কার হায়বা ইতাও ? কুল্লধজগী মচানুপী মৈতৈ নিংথৌন্দুনি হায়বা ?

কুক চৌগৎখি। থোংজিন মপান্না পাও তারবী খোৈরাম্নি চাওবীগী মচকশমদ। পাইহুনা থক থক নিক্লগা —

—হৈ নুপী নাপংবী কবি য়েংলি ? নগানুপা শিরে হায়হনা পাও নাক্লি-বসি ননা তাজ্রা ?

খোৈরাম্নি চাওবীবু মচকশমদা ইন্দুনা পুব্রগা চাকখুম্মাং য়োৈব্রে চাকখুমদগী চক্ষু উয়ান পুথোক্লগা শুঙ্গাং মতোন্না পোপ পোপ থাহুনা লুগাইরকই। অপিকপা অঙাং থরদি কিহুনা ময়ুম ময়ুমদা চেন্নখে। মীয়াম ভিংভক-মাকভক লেপ্পী। মতাও মনিক্লা মথুদাং পাইহুনা খামলুবদা —

—ফান্নু ইতাও ! ইচা শিরগবু মযাম্নপা ক্লুংভাইফম করি লৈ ? থা-দোকউসে ফান্নু ।

ব্রজকশোরগী লৌ থংলবা মনিক্লা মথুৎ থাদোক্লে। কুপ্পে য়েং-লম্বা অহল থরম্নু মনিক্কী মতেং পাংখি। মথোয় ময়াম চংহুনা ফম্মেনগী ফক্তা অমুক হন্না কমহনখি ।

য়ুমগী মৌ ওইরবী রিতাসনা

ওঝা কুল্লধজনা মশাগী লুহোংবদা মমা লাইরবীনা রাজখিবা মথামচু ভাঁসিফাওবা কাওদ্রি। মরম অম্নিনা চেনবু চেনথ্রবদি লুহোংবস্পী মহুত্রা

কৈনা কৎপা থাইনগী চৎনবীদু নৌশৌনা হিংগৎহনবা পামখি। মচামুপী মপানা য়াদনা থাজবা অসিমদি থাইনগী চৎনবী ওইরবমু য়াগিংখিদে। মসিনা নহারোলশিংবু নংহৌররোই মতংগুম য়ুমগী অরৈ লৈতা খন্থদনা ময়ুম পালহল্লি। মুপীমচাশিংবু পুক্লিং লৈতানা মহৈ মশিং ওন্থা ওমহন্দে। অরৈ লৈতা খন্থদনা মচামুপানা মুপী চেল্লক্লগা ওন্থাইক্তদনা লুহোংনবা হোৎনবদা নাকল অনিমক য়ামিন্নে। চেল্লগা লুহোংবগী চৎনবী অসি ককথৎলবদি ফজনা লুহোংনিংবা মুপী-মুপা অনিমক্তা চেনবগী থবক তৌররোই। অচেৎপা মরি থম্মিন্নিবৈদা য়েক শলাই মরি মখোং হান্না থিনরকনি। ইমুং মমুং অনিমক্তী অরৈ-লৈতা তান্নরগা লুহোংবগী মুমিৎ লেপ্পগনি। পুম্নমক অসি মথং মথং থল্লুরগা মচা-মুপীশিংগীদমক্তদি লুহোংলোই হায়না হান্নরা থংহনগ্রবনি।

রিতাসনা চেনখিবগী হায়দোকপা লাকপদা ব্রজকেশোর য়াওরক-খিদে। মাগী মহুৎ শন্দুনা মনিক লাকখি। নন্দলালগী ময়াম্না অনি বিমোল অমসুং রাজুগা লোইননা লাকখি। লৈবাক্তী চৎনবী মতুংইন্না মুপা ময়ুমগী লাক্লিবা কাংবুনা মুপী ময়ুমগী কন্দীরক্লিবা ময়ামদা খুরু-মজুনা ব্যবহার তৌজখি। চুরুট বেরি পুথোক্তুনা থকমিন্নে। রা য়ুম। ওাংনদে মুপী ময়ুমগী অপাম্বা মতুংইন্না কৈনা কৎপা লেপ্পখি। নন্দ-লালগী হান্না লেপলমবা মুমিৎ অতুদগী মুমিৎ নিনি চোম্থরগা কৈনা কৎপা হায়না লেপ্পখি।

মুপী হায়দোকপা চৎলুরগা অমুক হল্লকপা মতমদদি ব্রজকেশোরগী ইমুংদু ওস্থোকপা মতৌ অমা ওইরম্লে। হান্নদগী ফজনা শেম শারবা নন্দলালগী কাদু লোইনা থুগাইরম্লে। ফক্লাংগী লৈবাক পুম্নমক উতুপ রাতুপ্না মৈথাইরম্লে। লৈবাক য়াওজ্রবা শিংমিৎ মপাক মপাক্তু পুরগা অবাং ইঙ্খোল্দা লৈবা শঙ্গোল্দা থাজিনবা লোইরম্লে। ব্রজকেশোরগী থুৎচাবী থুঙ্গা ময়ুম চংহুনা গুরম্বা থবক্লি। মী থরনা পুখ্রিদগী রাই তৈনবা লৈখোম পেক্লমই। পুক্সংশিংনা থবক গুরিবদু ব্রজকেশোরনা

তোংজৈ অশাংবা অমদা হিদাক চিংল-চিংলগা মে'মোন মোমোন নো-ক্তুনা য়েংলম্মী ।

মনিক্লা মতাওবু মাঙোন্দা কৌশিল্লগা চৎলুবগী বাবি পুন্নমক তম্রে । মনিক্লা ভাংলিবস্থু খওইনা ভাদে । খবক নোম্লিবা ময়ামতুদা পুন্নিং চংবগুম তৌই । মনিক্লা ভাংগদবা ভাংলবা মতুংদা ইতাওনা থোকপা শিনবিগ্রো হায়না ইস্থোয়ক্লে । কৈনা কৎপা লোইস্ত্রিফাওবা পুশিল্লকপা য়ারোই থংহন গ্র । হান্না লাংলম্বা পোৎ চৈ চরাংপাক্তা পুরগা শিল লাংবা তাগ্রে ।

কুল্লধজনা মচাম্নপীগদমক লাংলিবা অউৎপোক্তি য়ুম অমা পানবদা তঙাই ফদনা চংবা খরদ'নি । মীয়াম মমাংদা অচাউরম উৎনিংবগী পোৎলম অমক্তা য়াওদে । অউনপোক্তা য়াওরিবা চেংফু চেং অহু পিক থম্না হাপ্পী । ফোবোং অহুমদংগা য়াওই ।

কৈনা কৎপগী থোরমদ'দি মুপীময়ুম্না মচাম্নপী থিনবা চৎলদে । মুপা ময়ুমগা অতম চৎমিন্নখিবা ভাক্তনি । অউনপোৎস্থু লাক্লিবা মুপা ময়ুমগী মীনা পুজখিবনি ।

পুরক্লিবা উপু কংথেল মফম চাবা য়েংহুনা থাগ্রে । কোল লিক মফমচানা পৈশিল্লি । মুপা কা'বু খরনা উপু কাংথোল শেম্লিঙৈদা ; মনিক্লা রিতাসনাবু ব্রজকেশোরগী য়ুমদা পুশিল্লকউ । মকু মনেম খুক্লমহল্লি । ব্রজকেশোর অমস্থুং থোৎরাম্নি চাওবী মশানা য়ানিংদ য়া-নিংদনা চৎনবী মতুংইন্না নমহুনা খুক্লমহনবনি । রিতাসনানা খুক্ল-মজবা মতমদা ওকপিদে । মমাই লৈথোকলৈথোক্তুনা লৈ । মনিক্লা ইমুংদা অমুক পুশিল্লক্লগা সনামহি লৈম্রেন অমুক খুক্লমহল্লি । অহুগা মমোবু মথোয়গী লৈফম কা ভাম্না পুখীরকই ।

লৈকাইগী লৈশাবী-পাথং অঙাং অহল মীওই কয়া মো অনৌবী য়েংগদবগী লাক্লবনা কৃক কৃক ইম্লে । মতম কুইনা শঙ্গোল ওইরক-পগী উয়া-হুমদাংদা মিরাং থুরিবা, উথোং খু'দিংদা শম্থি মকুপ মকুপ

পক্লিবা ময়াম অতু উরগা খঙ্গোই শোক্লবা কয়ানি। ঙরাং নহানথক্তা পুক্লিগী লৈবাক অপুম্বনা তৈবা ফক্লাংনিনা ইচোৎ চোংলি। লৈতিং মনমসু নমই। মৌ অনৌবীগী মশক য়েংবদি লাক্টরহুনা, ব্রজকেশো-রগী থোদোবু নিন্দা তৌনা তৌনা মুপী অঙাং মীওই কয়া মুংঙাইতা মুংঙাইতা হন্নথি।

ইমুং মচুংগী শেম্বী শাবিগদবা লোইরহুনা মনিক্কী খোংবু হন্নবা থোরাং তৌনরক্লে। মনিক্লা মমৌবু করিসু চিংনরুম্ন হায়না মপুক্লিং কাজিল্লি। অমুক হল্লগে হায়রকপা মতমদা রিত্তাসনানা ইল্লিবা হঙাম মপানগী খুদৈহুনা মকোক খুমজিল্লগা খুরুমজৈ। মনিক্লা মুংঙাইজরো য়াইকজরো হায়না মকোক্তা নাম্ববীরমই। মনিক্লা লুচিংলগা চরাংপত্তগী লাকপা মুপী-মুপা পুল্লপ হনমিন্নৱে।

ঙনাইমথৈ নন্দলাল ময়ুম চংলক্তি মমান্নবা থরগা রারি শাহুনা লম্বীদা অতুম লৈ। মীয়াম মথং মথং চংনৱবা মতুংদা মমান্নবা অহুম মরিগা চংমিন্নরকই। মানা মাং থংহুনা চংলকই। মাগী হান্নগী লৈ-কম কা তন্না চংশিল্লি। মমান্নবা অমনা লম্বী ওন্নরে হায়হুনা খামই। মখোয়গী লৈকমদ শঙ্কোন্দনি হায়রকপদা নন্দলাল চপ লেপ্পী। রা ঙাংদনা তরংদা য়েংহুনা লৈ। মমান্নবা ময়ামহুনা নমহুনা পুশিল্লকই। ইমুংদা থারিবা কমুদা কমহল্লি। অউনপোক্তা য়াওরকপা ফজুখু লৈশাবী অনি-হুমগা রিত্তাসনাগা কমজিনৱে। কমকম লৈত্রবা পা-থংশিং অউনপোং য়েংশিন্নহুনা ঙহাক মতম লেল্লি। ফিদা রাংলি হায়হুনা লৌবিনবসু লৈতে; লৌকমসু লৈতে। নন্দলাল কমুংদা মখোং রান্থরগা মরু লুকথহুনা রা ঙাংদনা লৈৱে। মমান্নবশিংগী মরক্তগী অমনা —

— ইমাইপেম্মা করিসু থল্লমুসে। হুয়েং ঐখোয় ময়াম চংহুনা শেন্নগা লোইরে। কাইনরত্রা থল্লম্বা নখোয়নি খুংনজরিসিনা লোইরে।

মখোয়না থোকপা য়ৌক্কৌ থর ঙাংলম্নগা ময়ুম ময়ুদা হন্নৱে।

লৈশাবীশিং অহুম্ চংলগে হায়দুনা চংনৱে। রিতাসনানা মখোয়বু মপাল ফাওবা থিজোকই।

মীয়াম্মা শেম্মজিবা, মুংঙাইত্রিবা কাহু রিতাসনাদি করিমু নাচুংবিদে। চিন্তা তৌদুনা লৈবগী মহুত্তা মখোয় ময়াম্মা পংথমদা থম্মগা অউনপোংশিং অতু মফম চানা চানা শেম্না হৌরক্লে। ঙহাক লৈরগা নন্দলালগী মচে ইস্কাল ওংবী জামিনিনা থোং হাংদোক্লকই। ইমুংদি চংলক্তুনা থোংজিন মপান্দগী চাক পুম মথং মথং ইনশিল্লকই।

—ঙসিগীদি মসিনা ফিংনবা হোৎনরো। চয়োংদগী নখোয়না থোকপা তৌজরো।

শুম চারবা থোংবাহু গম লাউনা হৈরিশিনবদা শুম মকুপ বা লাওনা ত্যারকই। মতু উবদা নন্দলাল ফুক হৌগৎলগা চাক পুথমহু ভাপ, ভাইথংলি। মপান্দা লংথোক্লে তৌবদা রিতাসনানা ফারগা —

—করিগীনো? ঙসিমু ফিংলবদি চয়োংগীদি থন্নবা যারি। মসিদি থোংনরনি থংঙ্গবা; লাইথুবা ওবক্লি। ঐখোয়না পাম্লিবা অনানবা কাহু কংহৈরমন্ত্রবদি মী মরিগী ওম্মোই কাইরমগদবনি। ফল্লাং মরিসিদি শেমজিনবা য়ারি। ওম্মোই মরিহু কাইরম্মা ভারবদি কনানা শেমজিনবীগনি?

—করিনো নং ঙাংলছুবো?

—নংগী অনানবা বাহু কাইখিবদগী অজ্ঞা ব্রহ্মনিগা প্রজাপতিগা তেক্ত কাইদনা লুহোংবা ফংজখে। ঐখোয় অনিনা ঙসি লৈমিন্নবা ফংজরে। লুহোংবা, কৈনা কৎপা অমহানি। ঐখোয় অনিগী লুহোংবদি নহান্না লোইখ্রবনি। "লু" হায়বদি কোকপুনি। "হোংবা" হায়বদি অতোপ্পা অমদা চংয়বনি। অনিসিনা পুন্নগা ফোংদোক্লিবা অথদি ঃ— লুহোংবা মুমিত্তগী মুপী-মুপা আনগী কোক হোংখে হায়বনি। লৈশাবী-পাখং ওইরিবৈ রাথন্দগী অনোবা সংসার অমগী বাথন্দা হোংঙ্গে হায়বনি।

নন্দলান্দি ব্রজমনিগা প্রভাপতিগা মরি লৈনৈ হায়দা করিমত্তা থংদে। মতম কুইনা ময়ুমদগী থোকতনখিদ্রবনিনা মপানগী ই—পাও অমত্তসু ফংখিদে। রিতাসনানা মাঙোন্দা লক্রবগুম খল্লি।

—ব্রজমনি প্রভাপতিগা লুহোংব্রেগাইনা ঐখোন্দা করেম্নরিবা অহুবু করিগীনো? ঐনা প্রভাপতি পাল্লবদি ননাক্তা লাকখিগদ্রা?

—লক্রবা নত্তে অশেংবমি। অজ্জা ব্রজমনিগা প্রভাগা লুহোংব্রে হৌরবা বারি পুম্নমক অমত্তা চিখদনা তমজগে। চাকসি অমুক্তা চাথোকখিসি।

নন্দলালগী বাখন্দা লৈরম্মা পেন্দবা, অশাওবা পুম্নমক রিতাসনানা কাথজ্জবগা তাওবা হাওতবা খিদনা নেক্লনোক্লা চাক চামিল্লব্রে।

নোংঙাল্লমদাই মী অহৈ হৌগৎনদ্রিঙৈ রিতাসনা ওন্তানা হৌগৎব্রে; ব্রজকেশোরগী মাঙোল অমহৃং তুল্লশিবোং বাই তৈবা লোইশিনব্রে। ব্রজকেশোরসু খোইরাং থোইশাউনহুনা তুম্না য়াদে। মচা-মশু হৌ-গৎত্রিঙৈ মমলি মমলি তোরিবৈদা মপাল থোক্লকই। মহাক্না মপাল থোক্লকপদা রিতাসনা বালটিন পাইবগা চৎখিবহু উই। শুমাংদা কোইনা য়েংই। ইমুংলোমদা ওনশিল্লগা —

—চাওবী, চাওবী, হৈ সুপী তারিব্রা?

ব্রজকেশোরগী খোল্লাউ তাবদা চাওবী ফমুংদগী ফুক হৌগৎলি। ফিংনা মপাল থোরক্লগা —

—করিনো? নমৌ থুৎচাবী লাক্লে হায়হুনা হরাউরিব্রো?

—হৈ হরাওবা নত্তে। বৃন্দাদেবী মাংথোক্লম্লিবা অসি নমিত্তু উব্র?

চাওবীনা শুম্মাংলোমদা য়েংই। তুল্লশি পাম্বীগী অকোইবা বাই তৈথোক্লম্বহু উবদা —

—হৈমা! কনানা তৈশিল্লিবা অমাংবনো সিদে? কনাননো? কনা-ননোমি?

মাঙোন্দা মমাথোই। সাংলিংহু তাহ্নানা জ মিনিসু মপাল থোক্লকই। মমাদা ওনশিল্লগা —

—কৈদৌরগে ইমা ?

—কৈদৌরগে নত্তে, তুল্লশিবোংসি অমুক্তা প্রপ্ প্রপ শেংদোকউ। নং পাবুং ব্ন্দা রানী শেবা চংবা য়ারোইদৌরে। মহা ইকাইখংদবী, মাই-থাবী কনানো তুল্লশিবোংদা চংলম্লিবা অসিবো ? মমাই লাইমস্থ ইকাই খংদেদা।

—মীগী শুম্মাং-মঙ্গোনদা মথৌ নত্তনা মথৌ শাররিসিবু কনানোমি ইমা ? মখয়াৎ শেংকেনে। শেরা উশিত্তবা শারদনা।

রাজ্ অমসুং বিমোলগী মুপীশিং চেম্নরকই। মনম্মনা ঙাংলিবত্থু তারগা —

—ইনম্মা কৈদৌনরবগে ?

—লোইরে লোইরে ইবেম্মা লোইরে। শুম্মাং মাঙ্গোল, লাইশংগী দারি, মচি ময়া পুম্নমক হুইগী অমাংবা তৈশিল্লম্লে। ওম্বোকপগী মতৌ হায়বত্থুনি। লৈবাক্কী থৌ পুরিবা পাবুংগে সনা কোম্লুং কাবা য়াহ-ল্লোইদৌরে।

অমা থোক্লক, অনি থোক্লক ব্রজকেশোরগী শুম্মাংথু মচা-মমৌ, মচা মশুনা পুল্লপ পুনখ্রে। মথোয় ময়াম্না য়ৌ য়ৌ পঙাংদা ঙাংলি। মথোয়না ঙাংলিবা ময়ামথু রিতাসনা তানবা ঙাংলিবান। রিতাসনা অমসুং ননদলালসু তাই। রিতাসনাদি তানা তানা করিস্থু নাচুংবীদে। ঙাংগনি খংনা খংনা মশানা তৌরুরিবা থবক্লিনা মুংঙাইতবা, শাউনিংবা, ইকাইবা করিস্থু খল্লুদে। লিল লৈ খংনা খংনা চংবা মীদা লিম্না চিকপা ওইথোক্লে। খংদনা চংলুবা মীদদা লিল্লা চিকপনি, হু কাবনি। রিতাসনাদি, মমা অমদি মবোকসিনা পিবিবা খুৎলাই চাংয়েংকম ফংজরে হায়না থোইনা হেন্না মুংঙাইজে।

নন্দলালসু হোৎখবা পেনদবা, মুংঙাইতবা শাউনিংবা পুম্নমক ফাথরগা শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা পুক্লিং চংখে। নহালমথৈ মপু নাইরমদবা শঙ্গোল অথু মখোয়গী ওইরবনিনা; মখোয় মখোয়গী খম্মোঙ্গ মমি তাহন্নবা হোৎনখে।

মখোয়না মপাল-ইপাল থোক্লকপা মশক উনিংদে, মায়েক্লক্লিংদে হায়হুনা য়ুমগী থোঙ অবাংলোমদা ফাংলমই। অতন্তু রিতাসনা অমম্মং নন্দলালগীদমক্তদি ওন্তোক্লা চৎনরমগ্রে। মখোয়না হাক্তোরকপদা পাক শন্না লৈরিবা অশংবা ফৌনাগী জগোই উবা ফংজরে। পোইরৌ পাংকৌ থরো থম্বালনা ফুগাইনা শাংলবা উজরে। নোংমাইজিং চীংদোম্না মুঙক মুনা মুপাথেংক্লা লেপ্লিবা উবা ফংজরে।

অংশিদে, হায়বা ইন্দে নারক-মোংশোংদা থমসি হায়ত্ননা তৌবরম্বা থৌরাং পুম্নমক; মখোয় অনিদদি মনি মরক্তা লংশিনবীবগা চপ মাংরে। মতম কুইনা ঙগোল ওইরকপদগী য়ুমগী অংকোইবদা লৈরবা অতাংবা লম পুম্নমক লৈহাও চেল্লি থ'রু থারুবা পোং থদিংমক হোম হোম চাপ্তিথংলকই। য়ুমগী অকোইবা অমদি শুম্মাংগী নচি-ময়াদা চান-পানবা হৈ-লৈ শান্নী থাজিল্লি। হান্না পল্লম্বা ইমুংগী অমোং-অকাই পুম্নমক তরু তরু লেংদোকখ্রে। য়ুমগী ফক্লাং শান্ত-লৈজোই তৈবা কোক্তিরহুনা শুম্মু ফজনা হাইজিনখ্রে। য়ুমগী হেন্নথা-লুকপা শিং মানখ্রে।

লৈবাক রাখোক ওঙনথবা নন্দলাল অমমুং রিতাসনগী পুক্নি লৈপুল্লি। করম তৌনা তিংলি; করম তৌনা য়ুম্বাল্লি; মীপুম খুদিংনা য়েংনিংঙৈ থংনিংঙৈ। নৌরিঙৈদা য়ৌ য়ৌ লাক্লদবা মীয়ামত্ত ব্রজকেশোর কিবদগী পংলাক লাকপীরমদে। মতম্না অস্থুম অস্থুম তৌখিহুনা থা অনি-হুম শুরক্লবা মতমদদি রিতাসনাগী মমান্নবী মৌ কয়া লেংন্না লোন্না লাকপা হৌনরে। নহালমথৈ ওন্তোক্লা রারম্লনিদা থল্লম্বা মখোয়গী রাথনগা; ওসি মমিংনা উরিবা অত্নগা ওন্তোক্লা থিনা খেংনরম্লে। রিতা-সনাগী য়ুম্বাল উরগা মশানা মশাবু য়ুম পাল্লত্রা হংক্লখ্রে।

হান্না শক্তিবুং ওইরম্বা মখোয়গী শুম্মাং মচা, ওসিদি অঙাং ময়ামগী শাম্নবুং ওইখ্রে। লাকউ হায়হুনা থওইনা কৌরুবস্থু নত্তে। নোংম নোংমগী অঙাং মশিং অস্থুম অস্থুম হেনগৎলকই। মবোকসিনা লি-বিরম্বা বারি কয়া নোংম-নোংমগী-মতেক মতেক লিবিহুনা অঙাশিংবু

তাইহল্লি। অঙাং ময়াম মাগী শুম্মাং মচাহুদা হয়াউ তম্লাম্মা শাদৈ। করিগুম্বদা কনাগুম্ব অঙাংনা হৌরিবা হৈ-লৈগী ময়োন থদংপিবা য়াওই। মহু উরগা রিতাসনানা অঙাংহুবু কুদে চৈদে। অউবা অঙাং অতৈনদি ফুমক্লনি, চৈরক্লনি, হায়হুম্না মপুক্লিংদা ফুংশা খিরা পোকচৈ। হৈ-লৈগী ময়োন থদংপা অঙাংহুগী থদাং পাইরগা অঙাং পুম্নমক কৌশিল্লি। অঙাংহুনা থদংপিরবা হৈ-লৈহু ময়াম মুম্না য়েংহল্লি। মথোয় ময়াম লোইনা উগল্লবা মতুংদা অঙাংহুদা হায় —

—য়েংউ, নংনা থদংপিরবা পাম্বীস কয়াদা মথৌই ফুংঙাইত্রবনো, য়েংউ। ময়োন থদংপিরবা পাম্বীসিনা মপি তানা কল্লিবসি উরব্রা য়েংউ। তু তু মসিদা তারকইবসি পাম্বীগী মপিনি; উরব্রা ?

— আং উরে।

— নৌনা চৌগংলক্লিবা হৈ-লৈ পাম্বীশিং অনিসু নখোয়গুম্বা অঙাং ঙাক্লনি। নখোয় ময়াম্না শান্নবহু মথোয়সু ফুংঙাইনা য়েংলিবনি। মতুং মনাও অমুক হন্না থদংপিগনু থংলব্রা ?

— আং থংলে।

অঙাং অমদা তম্বীখিবা পারাহু অঙাং তা তসু পারা কাচৌই। অহানবদদি ব্রজকেশোরনা মশুশিং চংবা য়ারোই হায়না খিংলমই। মাবু কিবদগী মমা মমানসু ফনা কন্না ফিংলমই। অতবু অঙাংগী শেংলবা চন্নবা থম্মোইনিনা লোথপ লৈকোই লৈরবা থম্মোইশিংনা খিংবা ঙমদে। বিমোল অমসুং রাজগী মচাশিংসু মমান্নবা ময়ামগী মরক্তা শান্নবা য়াওখে। ঐখোয়গী ইন্দোমচানি হায়হুনা মমাম্নবশিংগী মমাংদা চাউথোকচৈ। অঙাংশিংগী যারি মথং মথং শন্দোকখিহুনা অথাপ অথাপ্পা মফমদগী অঙাংশিংসু লংক্রখি। হান্না মৈতৈ মচা বামোন মচাথক্তা শান্নরম্বনি। চৌঙ্গিকি পোইরৌ চীং অমসুং তবোকপী পাওলগী অঙাংশিংসু য়াওররে। রিতাসনাগী শুম্মাংহুদা মৈতৈ পাঙল, হাও অমসুং বামোন মচা পুল্লপ শান্নমিন্নখে। মহু উবদা ব্রজকেশোর

খোইদো শাউপৎপা অমুক্তা হেনল্লে। খিংফমস্তু খংদে, ভাংফমস্তু খংদে। ময়ামত্থু করিস্থু খংজ্রিবা অভাং যাক্তনি। ভাংলুরগা অকোইবদা লৈরিকা খুজাশিংনা করি হায়রকনি অমুকস্থু খংস্থ।

অকোইবদা লৈরিবা মমাশিং, মচা মচানা পাও তমদগী রিতা-সনাগী মবুকচেল খংনরক্লে। মরক মরক্তা মচাশিংনা শান্নরিবত্থু য়েংকা লাকপা মমা কয়ানি। মমাশিং অতুনা লাকপদা ভমজ ভমজগা খুদো-নপোৎ কয়া পুরকই। রিতাসনানা পুরকস্থু হায়বস্থু মখোয়না য়াদে।

মচানুপীগী য়ুমদা কুল্লধজ

রিতাসনা ময়ুম পানখিবা চহি অনিরোম ফাজিল্লক্লে। ভসিফাওবা কুল্লধজ মচানুপীগী য়ুমদা চংলুজ্রি। অজ্ঞাহনগা ভাংনখিবা রাকম অত্থু নিংশিংলুরগা ইকাইখিবনা মচানুপী য়ুমদা চংবা ভমদবনি। মচানুপীবু বায়োত্থুনা, শাউত্থুনা চংদবা নত্তে। রাধেসনাস্তু কনা কুইনা চংলমদবনি। অত্থুবু মচানুপীনা রাজ্রমগদবা ময়ামত্থু মুপী ওইবী রাধেসনানা খংজৈ। মরম অসিদগী ইকাই ইকি কয়া তুংওইনরগা মচানুপীগী মনাক্তা চংলুবা অমুক অনিরক শুরে। মচানুপীগী ফিভম মওং মতৌ মপা-বুংদা তমজে। মচানুপীনা মায়োক্লগদোরিবা শিব-চংবা তঙ্গা ভমদবা পুক্তি লালফম অত্থু খল্লুবদা কুল্লধজস্থু খঙ্গোই পুবা ভমশিল্লক্লে। মপুক্লিংদা মওল মওল খল্লক্লে। মীনা শাউরগা ঐস্থু শাউগৎপা চুমদে।

নোংমদি কুল্লধজ অস্থুম অস্থুম লাকপনা রিতাসনাগী খোঙ্গাল চংকম কাইনা লম্বী য়োরক্লে। কৈ কিত্থুনা চেল্লগা শওম ওক্লে; কৈ

লৈবা মফমদা মুমিং তাই; চায়নবতুমক থোক্লে। ইচান চান্না লাকপা মুমিংসিদা উনবদা ইকাইরবা ব্রজকেশোর মাঙোক্লগদৌরে। মানা চংগদবা থোঙ্গাল মমুংদা ব্রজকেশোর পযানা শম্বল পুল্লি। থবক শুহনা লৈবনিনা ব্রজকেশোরনদি মা লাকপা উদে। মনাক নকশিল্লবা মতমদা "অজ্ঞাবু নশেন্না খুরুমজরি" চায়রগা মঙক নোম্থনা খুরুমজে। ইঙক ঙক্লা ব্রজকেশোর যেংথোক্লকই। কুল্লধজনা খুরুম্থু উবদা ব্রজকেশোর তিংঙক ম'ইংক লেপ্পী। অতুদগী লৈপাক্ল। তারিবা যাংজোত্থু শং খুনগংলগা ময়ুমলোমদা প্রপা প্রপ চংখি। অঙল অনিগী ইরাংথু ইঙ্খোন্দা থবক শুরিবা নন্দলাল অমমুং রিতাসনা উঙ মপাবুং লাকপা উবদা মখোয় অনি ইমুংদা চংশিনখ্রে। তপ্না তপ্না চংশিল্লকপনা কুল্লধজ মচানুপাগী শুম্মাং য়োরে। মুম্মাংদা লেপলগ;

—নখোয় কনা কনা লৈবগে ?

নন্দলাল ইমুংদগী তপ্না তপ্না থোরক্লগা কুল্লধজবু খুরুমই।

—পাবুং লাকপিরি।

খুরুম্থু ওক্লগা —

—নখোয় নহারোলগী মিংগৌ শেরান দুরান কৌবসি ইকুদি ওন্থোক্লা পামজখিব্রে। রিতাবু ইমুংদা লৈব্রা? থবক চথোকখিব্রা ?

—চথোকখিদে, লৈ।

মপান্দা ঙাংনরিবথু তানা তানা মপাবু একচনবা মোরা পাইথনা থোংজিন মরুমদা রিতাসনা লেপ্পী। অতুবু মশাইক্তিভম মওংথুদা মপাবুংগী মাংদা লেপকদবা ইকাইরক্লুনা মপান থোকপা ঙমদনা লৈব্রে। ফিদা পুথোক্লকবা অতুদা নন্দলাল ইমুং চংব্রে। মোরা পুথোরক্লুনা মকুবোক্কী ফিদা থাব্রে। মোরাদা ফমুগা ইঙ্খোলগী অকোইবথু ঙহাক যেংই। রিতাসনানা থোকমল্লকবা অতুদা —

—রিতা নংবু ইমুংদা করি হোৎনরিবগে ?

—করিমু তৌদে পোকচরক্লগে।

—নং ইপাবু খাওবীরিত্রো ?

"খাওবীরিত্র" হায়বা বাকৈছু ভাবদা ৰিতাসনা খাই লাওই, মতু চুংই। ইকাই ইকি পুম্নমক কাওখি। কলাম মপালগী থুদৈ মতেক অমনা মমাংলোমদা জোন জোন য়াম্বৰগা থোংবাদা ভারগা য়াম্না হৈ শিংনা —

—পাবুংনা থক্কবা চা লোল্লবা হোৎনজরি। ওহাক্তা কখিখো। অতৈ অতৈ থবক চৎপীক্লগদবা লৈব্রো ?

—নথোয়দা স্থম লাকপনি অতৈ থবক লৈতে।

—অত্তুদি ওহাক্তা পোত্থাবিখো চা লোল্লকখিগে।

ৰিতাসনা ফুঙ্গা মনাক য়োনা চংশিনব্রে। তৌরুম থংদনা লেল্লী চা পল্লকপদা মপান্দা লৈরীবা নন্দলাল কোকগাওবী কাব্রে। তৌরুম থংদনা লেল্লী। কদাইদগী চা-চিনিনা লোনগদৌরিবনো খল্লি। ওসি চোম্না শোইদে খল্লিদৈ মতমত্তুদা ইমুংদগী ৰিতাসনানা —

—নহালগী চিনিদু লোইথোকব্রে। দুকান্দগী চিনি কিলো অমত্তা লৌবিরুবা য়াগব্রে ?

—হোই হোই চৎলুগে ঈশিংত্তুদা কজনা শোইহল্লু।

মহাক্তা মুংশা খিরম্না থবক্তু ৰিতাসনানা ইরাই লাইনা পাংথোক্লবা। হোৎনরকপত্তুদা নন্দলাল ইমুংদা প্রপ প্রপ চংশিল্লকই। ৰিতাসনাগী মথজ্ঞাইদা থুজিম্না শিক্লগা লোম্না।

—ইশ ! নংনা চা পল্লকপত্তুদা ওসি চোম্না শোইব্রেদনা থল্লুরবনি।

—চা মনাম্ন য়াওবীরকউ। খ্রাম্ন অমত্তা লৈতে। খ্রাস অত্তুমদগা চিনি মম্নুংদা ফুমজিনবীরকউ।

ৰিতাসনা অমস্তুং নন্দলাল ইমুংদা শিম্নগদবা শিম্নবা লোইব্রে। নন্দলাল থাও অমা পাইত্তুনা দুকান চৎব্রে। ৰিতাসনানা ইমুংদা মৈ হৌগত্তুনা চা শেমলবা ঈশিং শাহনবা হৌব্র। কুঞ্জধজ মচিন্দা চৎ-নিংবগী ৰাওাং ভাংজরবত্তু মুমিং তাত্রিকাও চৎনিংদ। ব্রজকেশোরগা

অমুক থেংননিংদে। মরম অসিনা মপুংক্কানা মন্নবা মতুংদা চৎনিংই। চা অহু প্রপ প্রপ পুথোক্লক্লনবা —

—চা লোল্লিবনেনা ঈশিং মুনবোই মুন্দবোই হেক্তা লোইশিন্নকনু। ঈশিং ফজনা মুন্দ্রবদি চা হাওতবনি।

বা ভাংনা ভাংনা মচান্নুপীগী পিক্রবা ই.আন্দু য়েংই। য়েংজাং মনামশিং, হৈ লৈ ময়ামহু মপং মপং য়েংই। লৈশাবিরৈ মতমদা গুরম্বা থবক খুৎশুহুগা মান্নদবা মচান্নুপীগী হৈশিংবা মওংহু উরগা মপুক্লিংদা, মচান্নুপীবু থাগত্নবা ওমদে। "নিঙোন্না ময়ম পান্নগা ফরবদি শগৈ অনিমক সগ কাই" হায়নবহু নিংশিংলকই।

নন্দলালগী পাউ

নোংমা নোংমা চৌখিবনা রিতাসনা মচান্নুপা অমা ফংজরে। অচাংগী ফক্লক্ল ইপান থবা, গুমশেংবা পুন্নমক লোইরে। মচান্নুপীদা তুন্দোক্লন্না য়াদবনিনা রাশেসনা মচান্নুপী রিতাসনাগী য়ুমদা মতম থর লৈরে। অয়ুক্তা ইস্কাল চংলুনি হায়রহুনা খোকখিবদগী নন্দলাল হুক্লিন্নক্তে। কদাইদা চংল্লিবনো, করি থবক্কীনো রিতাসনা মওল মওল থল্লি। মাগী মী রাৎপদি নত্তে অচাংশিংগী মমাশিংনা পিবিরকপা পোৎশিংতনা মাগী অরাৎপা লৈতে। হুম্মিদাংমু বিন্দোল অমনুং র জুগী মচাশিং লাক্কনা মখুরত্তোনগী ফমুংদা তুন্নবনিনা অকি-অথংগী বা লৈতে। থা অশুমগী মতুংদা ডাকপিওন নহামু লাক্লা চিঠী অমা পিরে। চিঠি অহু পারগা মপুরোইবগী লৈফম থংজরে। নন্দলাল বি, এস, এফ, তা য়াওগ্রে। মহাক হৌজিক চৌজিক ট্রেনিংদা লৈ হায়বা থংজরে। লৈফম থংদবদগী খোইরাংলপ্পা পুন্নমক কোকচরে।

নিংঙম্লাক্তবা থম্মোই

হিংসা অহিংসাগী লাল লোইশিনখ্রে। হিংসাগী লাম্মী ম কাক ব্রজকেশোর ঙসিদু হিংলে। তান্নদগী মমৌ অনিদি চাকথন তোথান-থবনি। মমৌ অকোনবী অমা শিরগা খুংঙাইনা লৈগনি থগ্নন্নি। অচুবু খুংশিবগী মথক্রো মাইথখে। মথবাইনা তাবা মমৌ অমত্তুদু য়াওদবনিনা কনাগুম্বা লৈমিন্নখ্রে। চাওবীগী মাংদা সংক্লাউদুদা অরক তরক লৈরে। মাগী খুৎচাবী খুঙ্গাশিংদু রিতাসনাগী মলাংদা শক উৎপা ঙমজখিদ্রে। লাইমাংদা সিথাগী লা অনংবা তাখিদ্রে।

শুম্লাং লেলোংগী মচি মচিদগী তেংথোই-তুম্নোনাংগী অনেম্বা নাপীশিংনা মশিংথম্বা শান্নবা হৌরক্লে। মাঙ্গোন্দা কাওনা লৈরিবা লৈরিবী অনিবু য়েংদবগী মাং শাবা তাইরকে। লাম্লেং কথাদা মাউ-থিবা ফংলবা ব্রজকেশোর মাঙ্গোন্দা ফম্না ফম্না রিতাসনাগী শুম্লাংদা শান্নরিবা; অচুম-অরানগী মখি তাদ্রিবা চম্নবা থম্মোইনা লমজিং ওইহনরিবা অঙাংশিংবু য়েংলি। শান্নরিবা অঙাংশিং অহূগী মরক্তা চহি মাংদোননা ওইরিবা রিতাসনাগী মচাম্বুপা সান্নবু য়াওরে।

"কৈনা তে কপা পোকপা হৌনরা? কৈনা কৈ পোকপনি, তোকপনা তোকপা পোকপা নু" হায়বা অহনবিংগী পাওরৌ অচুম্বনি। রিতাসনাগী হৈ-শিংবা, পুকচেল ফজবা, অচুম্বা নিতি নিয়মশু পামজবা, মীওইব খুদংবু খুংশজবা থম্মোইগী মখি, মচা সান্নিদা তাই। অঙাং-শিং অহূনা সান্নিগদা শান্ননিংই। হাও, পাঙল, মৈতৈ অমসুং বামোন মচা খুদিংমক্না মাবু য়াদবা হৈতে। রিতাসনাগী পিক্রবা শুম্লাংদু অঙাংশিং শান্নবা চল্লক্তে। রিতাসনাগী অপাম্বা মতুংইন্না অঙাংশিংগী মমা-মপা লাক্নুনা কৈ-লৈ পাম্বী থবদু পলি মনাক্তা মফম চানা হোং-দোকখ্রে। পুম্নমক অহূ উরগা ব্রজকেশোরনা চাওবীবু হংলগা —

—চাওবী নং অনি ও হাকথং মুপীনি। মূ কুনা নংনা রাখল থজিক্তং

শক্তবগা মকম, মতম য়েংলগা বা হৌদোক্লব্বা ওইরবদি পুম্নমক অসি থোক্লোকইদবনি ।

—হৌজিকসু অত্তংবনু যাবিরবদি মীনা থাংনমিংবা থাংনজসু; ইঙ্গুলপাগী মমাংনগা তেক্কা কৌশনবীসি কদোংনেগে ?

—মস্তু ওইথেক্লে ই চাওবী । ওসফাওবদা ইমৌমুপী রিতাসনা মশাগী থম্ম থাক্লা চংলি । মপুরোইবগী য়াথং হিরোকপা নৈত্রি । অঙুগীসু মথক্তা ইমোদি ইচা-মচা, য়েংনৈল-মেল্ল, নাইদবী, জাৎ-বিজাৎ থাইদবী, অচন-মীরাই নাইদবী মমা ওইখ্রবনে । মমা মন্নামগী ফিদম্নফম মমা ওইনা তমখ্রবীনি । ইমোগী পুক চল মরিক অমথাঙবা পকপা তমদবা নপেংমন মাবু করম কৌশিনবা ইমগা ন ?

মনা মপা থুদংনক্তা চাওরবসু তাংসনানি তায়বৈ মচানুপা অতোম্বশিংবু । নচানুপা মহংমদগী অতোম্বনা খবইদগী হেমা মুংশি তায়নবা থাক্কনি । নন্দলাল, ব্রজকেশোর অমসুং চাওবীগী মচা অতোম্বনি । মচাগী মশাক উরক্তবা চহি অষ্টম মরি ফাজিল্লক্লে । মমাদগী মশুনা অমুক্তা হেন্না মুংশি তায়নরিবনি । মশানা পে কপদনা হুংশাবা নৈংশোল পক্লবা রিতানবাগী মচংমুপা সানুনি । তকাতপ নেমগী মুংশখ্রবা মশুড়বু মবুক পেন্না পিজ-পিথক তৌবা তমদে । মশুবু মনিংতম্না পম্না ফংদে । পুম্নমক অসি থল্লবগা হন্নবা হন্নবা ওনিত নাংমতসু থম্মোই মকা লাম্না নোকপা ফংজখ্রে । মিংলু পিনাং কনা নৈপখ্রে ।

মখোগী চুরুট

ফি মহেংগ অচৌবা অমগা মহেম মচা অমগা পাইদুনা মুমিদাং-দাইরমদা ব্রজকেশোর মথুমদা হজিল্লকই । সেংবাত অমগী মাঙ্গেৎপ মপু ওইবা চংলুবনি । মায়ুম যৌরগা ফি মরোমতু চাওবীদা শিংবি ।

মফি-মরোল হোংদোকই। সোরাত চৎলুরগা হল্লকপা থৌদিংশী মচা মমৌ, মশুশিং মনাক্তা ওইরে। করি করি অচাপোৎ য়াওরকই হংলৈ; ঙসিগুম্ব কুরিং-থৈকোম হোংদোকপা লোইহ্রিথৈদা মনাক্তা ইকোই কে ইনা মশুশিং কমই। মশু সান্তিদি য়াওদে ঙসিদি মহৌশাগুম তল ময়োমছু মশুশিংগী মমাংদা লৌথোক্তে। ঙাইথো, ঙাইথো, ইথৌ য়েনবীগে হায়রগা ইমুংদা পুশিনখে। ইমুংদগী অমুক পুথোক্লরুগা মশুশিংদা তল মচেৎ মচেৎ য়েল্লি।

অচাপোৎ ফংলবদা মশুশিং ময়ুম ময়ুমদা। অমুক হন্নরে। মশু সান্তিগী মশক উদবদা ব্রজকেশোর পোথাকম থংদে। মাঙোন্দা চিদক থক্তুনা কম্লম্নদগী ফুক চৌগৎলি। করিগুম্বা অমা লিথিল্লবা শাতুনা ইঞ্চোল অকোইবছু য়েংল-য়েংলগা রিতাসনাগী মুম মহা নকশিল্লি। মশু অতৈ উহন্দনা মথুক্তা তল ময়াম অমা পাইরি। লোল্লা লোল্লা মশু সান্তি লৈরা য়েংঙৈ।

রিতাসনা লাকপদগী মাগী ইঞ্চোলগী মনা মশং য়েংবদি লাইরতুনা মমাইকাওবা মাইকৈ অদোমদা ওনশিন্দবনি। ঙাসিদি ব্রজকেশোর অকনবা লিচিং অমনা পুথিতুনা রিতাসনাগী শম্বল মনক য়ৌরে। রিতাসনাগী ইঞ্চোল মচাতুদা তৌরিবা থৈপাল থৈলপাল ময়াম উরুবদা ব্রজকেশোর অতোপ্পা সংসার অমদা য়ৌরবগুম থনখে। অস্তুক কুইবা মতমসি মচা মমৌশিংগী য়ুম্বাল থোইনা য়েংলুদবনি, থল্লুদবান। অতুবু ঙসিদি মমৌ ময়ামগী য়ুম্বাল, মাগী মমাংদা তোঙান তোঙান লেপ্লরে। য়েংবমথৈ য়েংলগা মশু সান্তিগী মশক উরক্তবদা অতোপ্পা মস্থশিংদা বা কন্না কন্না ঙাংবা হৌরক্লে। মখোয়দা ঙাংজবতনি, মশু সান্তিনা মধৌগী মখোল তারগা থোক্লরুবা ঙাংবনি। মতুংকাওবদা মশু সান্তি থোক্লকখিরে।

রিতাসনাগী ইঞ্চোলদা খোং থাংজিনবা ঙমদনা অমুক হল্লক্লে। কমুংদা লোংনা হিপলগা তাইবংগী মথল মথেল চৎনবী কয়া মথংমথং

খল্লকই। ধর্ম্মগী চৎনবী ময়ামসি ঈশ্বরমক্ন; শেন্নম্বা নত্তে। ঈশ্বরগী থৌজাল ফংলবা মীওইশিংনা মাগী মাগী সাহিত্য ওইনা শেন্নখনি। ধর্ম্মগী সাহিত্য ময়াম অসি মতম অমক্তদা পুল্লপ্ মাংতনপ্রবদি কমদোগান? চাৱোন শুৱোন হাক্তক্তা চপ মান্নখিবা য়াই। মথং মথং পংখল্দা খল্লি।

মৈতৈ নিংথৌশিংনা বামোন ব্রৈখোয়সিবু অম্রুকী মতিক য়াংনা থাংগৎপিরমই। অদুগা অমৱোমদা অমুক য়েংলুরগা উবা ফংলি; থোৎ লৌবা, উত্তমদনা কুপলবা নিংখিজবা লংলা মখল অমনা অমুক পুনশিল্লি। মনিং মথা তম্বা লৈহন্দে। দুগী ঈচেলগুম্নবা চৎনবী শম্বল অমনা বামোনশিংবু থাজিন্দুনা থম্নৈরি। কল্লবা চৈৱাক অমনা অমুক চৎনবী শম্বলবু ভাক্লি। শম্বল অসিগী মরুংদা বামোনশিংনা অচাউরম ফানা পুন্সি লেল্লি। থম্মোইনুংদা ভতাক্তকাও থাংথদুনা থম্বা য়াম্রবা মশক উদবা অহ্বাবগী পোৎলুম অমা অমুম পুহল্লি। মতম অসিদা সম্নিনা মথৌ কৌ কৌদুনা ইমূং চংলকই।

—ইথৌ ইদৌ নংগী চুরুপ সে।

সাম্বুগী থোঙ্গেল তাবদা কমুংদগী কুক হৌগংলি। মগুবু পমখং'পরগা' মখজাই অনি ওন ওন্দুনা চুম্মীরগা—

—নং ভসাইদগী কদাই চংলুই?

—ইপুহোইদা ইমাগা চংলুবনি। চুরুপ সি ইমানা পিরকপনি সে পাইরো। ইমানা কুইরক্কমু হায়রকই। থাদোকও সে ব্রৈ চংলগে।

ইচম চম্বা অভাংগী থম্মোইনি। ভাংনিংবদা ভাংবা অভাংগী মচিন্নি। মগুগী মতৌদা ব্রজকেশোর বা ভাংফম থংদে। মগুনা বা ভাংবা হৈরকপদগী রিতাসনানা চুরুট হেক হেক থিলহল্লকই। মকুনা মাবু ইন্থোকপিরবমু মাগী থম্মোইনদি মকুবু বান্নৌবগী মমি তাদে। মগুদা য়েংলগা তল ময়োমদু পিহ্নগ—

—শে তল অসি নমাগা চামিন্নৌকো।

—হোই।

চিঠীগী মরোল তাবদা নহা-অহল, মণী অঙাং পুম্নমক কপ্পরে। মচা অতোপ্পা নন্দলাল পুক্কিগী মশক উবা ফংলরোই থল্লবদা লৌরাম্নি চাওবী থম্মোই পুবা ওমশিল্লক্কে। মচা নন্দলালবু কোরহুনা তেংথা তেংথা কপলক্লে। মকু মনেমগী মবুক লেম্নবা হোৎনজবী রাজু অমসুং বিমোলগী মণীশিং ওসিদি মকু মনেমবু নিন্দা তৌরক্লে। মখোয়না লাঙজবী রিতাসনাদা প্রমান পাইহৌনা ভাংলুবা পুম্নমক্কা থম্মোইদা তাশোন ওইনা পাল্লরে। রাজু অমসুং বিমোলগী মচাশিং সান্তি চৎপ্রগনি তাবদা কপ-কপ্পুনা চেন্নপ্লে। মমা অনিসু মচাশিংগী মতুং ইন্নপ্লে। মীওইবগী মুংশি লিপুন্না চিংথিহুনা মকু মনেম্ন গুন্দোকপ-রম্লে। বামোন ইমুংদা কপ্পা-লাওনবা তাবদা লৈকাইগী মণী-অঙাং চেনশিন্নরক্লে। মুংথিনগী শাম্নবা মতম য়োম্রহুনা অথাপ অপাম্নদগী অঙাংশিংসু য়োনরক্লে। রিতাসনা মমা মচা চৎপ্রগনি তাবদা মীপুম খুদিংমক কপ্পরক্লে।

ব্রজকেশোরগী মমো অনি ও সদি নিংভমহৌদবগী মৈরিনা চাক্লে। মচিন মচিন্দা ফোংদোকচপ্রবসু মনাওমণী রিতাসনা লাকপদগী মচাশিং অক্কবমী ওইগদৌরে খন্দুনা মপুক্কিংদা হরাউজবনি। রিতাসনা চৎপ্রগনি খল্লবদা থম্মোই পুবা ওমশিল্লক্তে। মখোল থোক্কা কপলগী মনাও-মণীবু হন্না হন্না কোনবীরক্লে। লংজখিবা পুম্নমক ভাকপিয়ু হায়জরক্লে। জাৎ-বিজাৎ ধর্মগী য়েংথিনবা রাখল মমি তাদ্রিবা অঙাংসি সান্তিবু চৎথিমু থাম্নক্লে। নং চৎপ্রবদি ঐখোয় কনাগা শাম্নহৌগনি হায়হুনা হন্না হন্না হায়রক্লে। কপ্পা কপ্পা অঙাংশিংনা রিতাসনাদা—

—ওঝা নং কদাই চৎতৌরিনো? সান্তিবু কদাইদা পুদৌরিনো? ঐখোয় মম্নামবু মুংশিবিদবরা? নং চৎপ্রবদি কনানা বারি লিবিনি। সান্তি চৎপ্রবদি কনাগা শাম্নহৌগনি? চৎথিমু চৎথিমু, ওঝা নং চৎথিমু ....

—ইন্দোমচা নং চৎথিবা য়ারোই। ঐখোয়বু হুন্দোক্লগা চৎথিবা য়ারোই। ইনাও সান্তি পুখিবা য়ারোই। ইধৌনা য়াম্রবসু ঐখোয়গী

ঠৈ ো। ইন্দোমচা নং চৎখিন্নু, চৎখিন্নু ইন্দোমচা !

মীয়াম্না কপ লাওবগী খোজেল তাবগা রিতাসনসু থম্মোই পুবা তাংদনা কপচৈ। কপ্পা কপ্পা ময়ামদা বিদায় পিনবীরো হায়জখি। ঈপুরোইবগী য়াথং হিক্তোকচরোই হায়জবা মচা ময়ামত্তবু অমমতা ওইনা মকোক্তা নানবীরকই। মচা সান্তিগা মথোয় ময়ামগা মথং মথং মথুং শোক্লহল্লগা বিদায় তৌনজল্লি।

মীয় ম্না ফনা থামজরবসু রিতাসনানা মপুরোইবগী য়াথং হিক্তোক্লোই হায়বা থংলে। চত্তবা য়ারবোই থংলবদা ময়াম চংছুনা মপোং মচৈ পিনবীক্লনবা লেম শারে। উপু কাংথোল মরি-মরি পুথোক্লক্লে। মীয়ম্না অমমম পুনখিবদা শিংত্তম মকৈ অমফাও থিখেৌদে। রিতাসনা অমসু, সান্তিনা মং থংলগা মীয়াম কপ্পা কপ্পা থোকমিন্নরক্লে। রিতাসনানা লেংঙ্গদা নৈহৌরগা মচা সান্তিবু মথো খুক্লম্বুচো হায়না থারক্লে। ময়াম্না মরি মরি থোরক্লিবহু ব্রজকেশোর মাঙ্গোন্দা ফম্লগা কপ্পা কপ্পা য়েংলি। সান্তি প্রপ প্রপ লাক্লগা ইচম চম্বা বাহৈগা মপুবু খুকমই।

—ইথো ঐখোয় চৎলগে নৈহৌরো : মা।

—সান্তি !

—ইথো নং কপলিছু করিগীনো ?

নিংতম্মক্লবা ব্রজকেশোরগী থম্মোইনা মশু সান্তিগী বাহং পাউথুম পিবা ঙমখিদে। মশুনা খুক্লমগে হায়রনা চংশিল্লকপহু মনাক য়োরক্তিঙৈদা ব্রজকেশোর চেনশিন্দুনা সান্তিবু পাম্বীরে। মিৎলুদগী পিরাং চত্থম চত্থম শিন্থবগা লোইননা মশুবু হম্না হম্না চুম্বীরে। মথোগী মতৌ উরগা সান্তিনা ইচম চম্বা —

—করিগী কপলিবনো ইথো ? কপকসু ঐ হয়েং লাক্লে। নংগী চুক্লট ইমাদগী লৌরক্লে।

—সান্তি !

—ইমানা ভাঈরে ঐ চৎলগে ?

বা ভাংক্ষম থংদনা মশুবু মনঙন্দা পোবীরে। কপ্পা কপ্পা রিতাসনাগী মনাক্তা চংশিল্লকঈ। ব্রজকেশোর লাকপা উবদা রিতাসনাগী নাকন্দা লেপ্‌লম্বা অচৌংশিং কিদুনা তুংলোমদা হন্দোক্লে। রিতাসনানা মকোক খুম্নগা মকুবু কুক্নমৈজে। ব্রজকেশোরনা মমৌগী মকোক্তা নাম্বীরগা —

—হৌগৎলু রিতা লাঞ্জব্রবী ইমৌনি। নংগী নফমদা ইকুনা কানখিবা ভাক্তনি। অচাউরমগী নাপন্না মালেমসিদা লৈরিবা অচেনবা ঈশিং পুন্নমক অমত্তা ওঈনা ইশম শম্মে হায়বা থংলুক্রে। ধর্মগী খুৎরবা রাখন্না মীওইবগী মীচুংশিবু মীরাইক্রে। মীয়ামন্না য়াবা মফমদা ঈশ্বর লৈ হায়বা কাউক্রে। অপুনবা চুংশিংকী কুয়োম্না পুন্নমকপু নাহ-কোনবীরি হায়বা খন্থক্লে। তোঙান তোঙানবা মীওই কাংলুপ কয়াগী তোঙান তোঙানবা ধর্ম কয়া লৈরি। তোঙান তোঙানবা তারিখ থবান কয়া লৈরি। থেংনবা ময়ামসিগী মরক্তা নোংমাইজিং, নিংথৌকাবা, লৈবাকপোকপনিংবা স্নিং তরেংনিসিগী মমিং অমম্তং থোংচিত্তি চপ মান্নার হায়বা থংলুক্রে। শাউনবা খৎনবা, চৈনবা লালগী হৌরকফমদি অরানবনা অচুম্বা শানিংবদগীনি। ভাকাপিহৈংনা খুদগী চাউবা গুন্নি হায়না কাওক্র র। অমম্বনা কুন্নলুরবা থম্মোইবু ....

স্নুংদগীস্থ তেল্লা কাম্ল থম্বরম্বা ব্রজকেশোরগী থম্মোইদগী ইরাউথোনগা লোইননা মীচুংশিগী ইফুং চেম্থরকপা উবদা মীপুম খুদিংমক ভক্তবা ভমথিক্রে। মীয়ামগা লোইননা রিতাসনা পুথুনা চংমিন্নরক্লে। তুল্লশিবোংদা লেপ্পুনা লৈরিবী মনেম্ব রিতাসনানা খুক্নমৈজে। লাঞ্জব্রবী মমৌবু কোল্লগা থৌরান্নি চাওবী তেংথাহুনা কপলকলে। মচা অতেম্বা নন্দালালবু হল্লা হল্লা কৌরক্লে। মমৌ ময়ামগী মরক্তা রাশি গুন চংথোনবী রিতাসনাগী মায়থোংনি হায়বা ভসিদমক থংই। নহালমখৈদি মৈতৈ নিংথৌরিবি হাম্বহুনা মিংচিনফাও য়েংদবনি। মমৌগী ঈং ভম্না

— শিত্রি হেজিক হৌজিক ইকু ইনেমচু হিংলি ।

— মখোয়দি কনাগা লৈমিন্নরি ?

— ইচা-ইমো লাকপা ভাইথিনি; ইশু সান্তিগী মশক লৈখিনি, হায়-
চুনা ইমাখোয়গী শঙ্গোন্দুদা ফমুং কাংথোন থাংজিন্দুং লৈরি ।
হায়গী য়ুমজাও অদু শো লোনশিন্দুনা থম্লি । নং তামোগী
পরিক্ষা লোইগদবা ভাস চম্লিদা ভাইরে । নং তামে অমদি
নপাবুংনা হেক লাকপগা হায়গী য়ুমদা চৎলসি হায়য়ুক্কো ভি
হৌজিক লৈরবা ইখোল অসি ইরোকসিনা ইমাদা পি
ইখোন্দুনি । মখোয় ময়াম্মা শাবীবা য়ুমসিদা লৈরগা ইমা খুংভা
থংদে ।

— করিগীনো ইমা ?


— মনেম-মকু লৈনা লৈনা মনেম-মকুগী সেন ফংজগ্রবী য়ুমগী মৌ
ওইবদু ইমা পামজদে । অহল-অশম্বা থংলে লানাথিবগীদমক
ইত্তোকপা ভপ্পী থম্মোয় কনবী য়ুমগী মো ওইবদুসু ইমা পামজদে ।
হৌজিক্তি নং তামোগী মরূপ মপাং; নাচন-মনাও ময়ামচুসু লোইনা
শারেপ ফারম্লগনি । মখোয় ময়ামদা ইমানা তম্বীরম্বা মীওইবগী
মীমুংশিচু হোজকফাওবা লৈরব্রা য়েংনংই । অদুগীসু মথক্তা,
ইমাগী চুমাং মরিক মরিক্লা শেমগৎচরম্বা থাংপোক শং অদুনা
তত্তনা ইমাবু কৌরিনে জীবন । কনানসু চংজফম পিবিরকত্রবদা,
ইমাবু তরাম তরাম কোশিল্লগা মথানুংদা চেংনা নাওকোনবীথিবী ইমানি
'ইমাগী ইবেম্মা রিতাসনা, নংবু মফম কদায়দা লৈবগে ? ইমাগী
নাক্তা হল্লক্লো হল্লক্লো' হায়না খুলাম তোইনা কৌরক্লেনে জীবন ।

— ইমা ! পাবুং লাকপগা নচা শোয়দনা হায়জগে ।

রিতাসনা মচাম্নুপীদা হায়গদবা হায়রম্লগা কাদগী মপান থোকক্লে ।
মমাগী পুন্সি বারি তারুবদগী জীবনগী বাখল্দা অনৌবা মভাল অমা

কাওরকখি । মক্না মনিরামগী চিঠীদু পাইরগা মিং কুপ্তনা য়েংলি ।
"খুংশিববু ঙহান্নলেতনা হোংদোক হোংজিন য়াবা, মীনা লেম্বা পোং-
কুন থনবা: খুংাববু জ্রাং-কুচু খাইবা, ধর্ম্ম থনব; ইবৈবাকপু অবাংবা
থাক্তা পুখৎশিনবা অগোই ইশৈবু হন্থনা থনব ; মনিরামগী থম্মোই মমি
চিঠি অদু মচৎ মচেৎ শেগাইরগা শজোম থক্তোকখ্রে গ্রাস অদুগী মম্লুংদা
শিলখি; কল্লক পেম্মা নমশিনখি ।

লোইরবা ।



অইবগী হান্না ফোংখ্ৰবা লাইরিকশিং :—

ক) বিশ্বপুত্র

খ) নাচোম অহুম (শৈরেং)

গ) মুপীনা মন্ডংনি মুপানা শামুনি

অইবগী হান্না ফোংখ্রবা লাইরিকশিং ঃ —

ক) বিশ্বপুত্র

খ) নাচোম অহুম (শৈরেং)

গ) হুপীনা মউংনি হুপানা শান্নুন্নি